ঐগী লেংজবা রাশক

কাকাগী লমন

কাকাগী লমন



অইবা :—

শ্রীময়াংলম্বম বাবুধন সিংহ

মমক অইবগীনি।

মমল লুপা ৩.০০

অইবা অমসুং অফোঙবা :---

ময়াংলম্বম বাবুধন সিংহ

তেংবাঙবিবা : - রাইঃ মাইপাক সিংহ

কেঃ ইবোমচা সিংহ

কেঃ ব্রজমোহন সিংহ

চেক্-পুথোরকপা : -

পিঃ নিংথেম্বা সিংহ

অহানবা নম্বা :— সেপ্টেম্বর ১, ১৯৭৩ ইং।

কোপী :— ৭০০

নম্ফম :— দি লিলা সিংহ মেমোরিয়েল প্রেস,

ককচিং বাজার, মণিপুর।

ৱাহৈ খৱা

মতম কয়াগী মমাঙদগী ৱারী মচা অমত্তং ইগে খঞ্জরকপনি। অদুবু সাহিত্যগী মচাক য়াওদ্রবা ৱাহৈ কয়ানা লৈথেং শেম্নদুনা ময়ামগী মফমদা লান্থোকচগে খঞ্জকবা পুন্নমক ইকাইজত্তুনা কৌফম থংদনা লৈজর্দ্রি। হৈত্ত-হৈত্তনা ৱাহৈ পবেং খবা শেমজত্তুনা ময়ামগী মফমদা লাইরিক মচা অসিমকং লান্থোকচরি।

লাইরিক অসি ফোংনদা থোকদোক্লা মিংয়েং চংবিখিবা অমদি পুথি থোগংপাবকপা খা-মণিপুর কলেজগী প্রোফেসার এস. ইবোহল সিংহ অমসুং ককচিং মখা লৈকাই ইউ, জে, বি, স্কুলগী হেড মাষ্টর কে খেলেন্দ্রো সিংহবু হন্না হন্না থাগৎচরি।

অসিগা লোয়ননা লাইরিক অসিবু নম্বদা তেংবাংবিখিবা মরুপ মপাং অমদি থোইদোক্লা বাবিখিবা প্রেসকা লমন্দি নপোক-সিমগী শিংথমদনা লৈহৌরগনি।

হৈত্ত-হৈত্তনা ইজরিবা লাইরিক মচা অসিদা য়াওরিবা সাহিত্যগী লৈহী চেন্দ্রবা ৱাহৈশিং অসি পারিবরগা নোক্লবিবগী নত্ত্রা পাওতাক কয়া পিবিবরক্রবা ময়ামগী মফমদা হন্না হন্না থং-মজরি।

ময়ামগী :—

এম, বি, এস।

সাহিত্যনা সমাজগী মিংশেলনি। জাতি অমগী সমাজগী, রাজনিতিগী, ধর্ম্মনিতিগী অমসুং অর্থনিতিগী মরমদা মুন্না খন্নগে হায়রবদি সমাজ অদুগী সাহিত্য নৈনবগা খন্নবা ঙম্মি। অদুগা কদায়দা ফাওবা সমাজ অদু চাওখৎলবগে হায়না খেন্না তাররবসু সমাজ অদুগী সাহিত্য য়েংবা তাই। মখল-মখা কয়াগা নাওই-শিংনা সমাজ অমা শেম্বগুম সাহিত্যদসু মখল মখাগী লাইরিক-শিংনা সাহিত্যগী নৈচল ওইবা তাই।

শ্রীময়াংলম্বম বাবুধন সিংহনা ইবা "বাবাগী লমনা" হায়বা লাইরিক অসি য়াম্না মুন্না পারে। রস শন্না পাওবা উপন্যাস অমা ওইবনা পাবদা য়াম্না নুংঙাই, পানিবা পোক্নি। মক ওইবা বর্সিং খরা অমসুং শঙ্গাবনা মপুংনি। লাইরিক মশাক ফজনা তাকপা, তাইবংপানবদা অরাবা, পুক্নিং ঙাইহনবা অনিগী মমি ফজনা উৎপা উপন্যাসনি। অসিগুম্বা মখল মথেনগী লাইরিকশিং অসিসু সাহিত্য ইমাগী খুয়াদা কৎপদা অনৌবা নৈচল অমা ওইনা সাহিত্য ইমানা য়াম্না হবাওবগা লোয়ননা লৌশিন্নিগনি নিংই।

অরোইবদা ঐনা হায়জনিংবদি — মখা মায়গৈগী ওইনা উপন্যাসকার কয়ামকম লৈ। মখোয়শি অদুগা মরক্তা শ্রীমান সিংহসু শিংথানবা য়াবা অমনি। মতুংদসু "লেখক অসিগী মখল কয়াগী [সাহিত্যকারগী] লাইরিক কয়াসু হরক্নি হায়বসি ঐহাক্না থাজবনি। ইতি :—

শ্রীময়াংলম্বম হবোহল সিংহ
হেড ডিপার্টমেন্ট, মণিপুরী,
খা মণিপুর কলেজ, ককচিং।

তাং ২৭/৮/৭৩ ইং.

At a time when Manipuri has become an academic discipline in higher teaching and also when the fight for inclusion of it in the VIII th schedule of the Indian constitution has become more tough, the enrichment of the language with various books both critical and creative has also an urgent need Seen from this angle of view, the present novel 'KAKAGEE LAMAN' is an encouraging attempt by a young student having a literary and poetic bent of mind. I join the readers to expect some more publication in future.

Kakching,
The 27th Aug. '73
Hunger Marchers day

Ksh. Khelendra Singh
Head Master, Kakching
Makha U J. B. School.

অধ্যায় অমা

কাকাপ্পী লমন্

"ইচৈমা ঙসিদি মকপ-মপাং ময়ামগা পান্নি অমা তৌগদৌরি ঐশু য়াওদবা য়ানোংদৌনি।"

"নখোয় হৌজিক্কা লগা চৎনবা মাঠা চলাইবা ওয়্বী, শবহেন্‌, শকলবা অড়ুবানি হাওরোইদ্রা?"

শাওবপ তৌনা, "ইচৈমা — ইচৈমনশু ঙু অড়ুগুম্বা শবহেন্না অড়ু পাম্মগদৌবোহ নিংবনে? থাজ্জেশেংবনি ইচৈমা ঐদি 'যু হায়বা মিং অড়ু খাবদত্তা খোংদা তুংবা ফিখল যুবগা চপ মানৈ। ঐবু লান্না লোবিগনু, ঐদি থক্তে থকশু থক্লোই পুন্সি অসিমগী।" অনাবজিৎকা শাওবা মতৌ অড়ু উবদা মচৈমনা হায়ফেঙ্‌ মোনোন তৌরদুনা মথা তারকই, "অপঙবশিদি— ঐনা ফাগী তৌবগা কপকদৌগুম পেহৌ পেহৌ তৌরিনেশে।" "ঐখোয় ঙামোনা থক্লগা, থক্কবা ঐঙোন্দা যুথকপা হায়রবুদি।" অসি হায়বমগা হিক হিক কপথোক্লক্লে। "হৈ অঙাওবশিদি— ঐনা ফাগী তৌবনি হায়বা, শে তোল্লোশে;

নংঙোন্দা য়ুথকপাশু হায়খিদে, চুন্নতগী থকলুন্নু হায়বতনি। অঙাং মাল্লিশে তোক্লো হায়বা।"

মতম অসিমক্তা মপান্দগী মী অমনা কৌরকই, "ইৈেমা ইতৈমা— অমরজিৎ চৎখ্রবা ?" মতৈমনা খুম্মী, "আ.... .... চৎত্রিয়ে, চৎকদবগী শাজেন তৌরিয়ে, য়াববদি অদোমশু ঙাইহাক্ত লেংশিনাবিরক্কদ্রা—।" অমরজিৎলোমদা ওনশিংগা "চৎলো চৎলো— ফি শেৎচিল্লুরো, শে নমান্নবা লাক্লে হায়মা।" অসি হায়রগুনা মতৈমনা অমরজিৎকী মপি তৈথোকপি।

"ও রমেশ বাবু ওইরে। চংলকউ, আ .... সোমদা মোড়াসিদা লেংশিনায়ু। অমরজিৎশু ফি শেৎপা হোৎনরি।" "ইস ইতৈমগী ব্যাবহারসিদি" "ব্যাবহার নত্তেদা, চুম্না ফম্মু হায়জবনি।" মখোয় অনি নোকমিন্নৈ। অমরজিৎনা থোক্লকপদা মতৈমনা হায়রকই "ইবুংঙো থেংনা হজিল্লক্কনু। নংশু খংলিবগুনি— নংগী তামো থিক লৈতবা মী অমনি। য়ুমদা হজিনবা হজিন্দবগীদমক বরিমগী থৌশাবিদ্রবা মতমগী নিংথৌ অমনি। নোংমস্তু হজিল্লক্কে, নোংমনা খেংলেমখৈ নোংঙাল্লমদাইদা থোং থিল্লৈ। অদুগনে অমরজিৎ নশানা খংনা খর থুনা হল্লকদবনিকো।" রমেশনা মরক থৎলগা খুম্লকই, "ইতৈমসিদি করিনো ? অঙাং নল্লবনিনে ঐখোয়শে, ভাব তাবিয়ু। কুইরোইন্নে, য়োবগা হল্লক্কদবনি।" "অমর মরুপ মপাংনা খাল্লবশু ঐদি য়ুমদা মী লৈহৌদে হাল্লদুনা ময়ামদগী নাম্ভোক্লগা চেল্লকউকো।" "ও, ও, ও" আস হায়না মতৈমদা মরৈ তম্লগা অমরজিৎ মাগী মরুপ রমেশকা লোয়ননা মপান থোকখ্রে।

কয়াদা নুংশিগ্রবনোশে— ইশানা পিশক পিক্রা হুন্দোক-পিরম্বা নুমিত্তগী ঐবু মশাগুন খল্লিবনিনে। ঙসিদি পাখঙ মচা হায়বদো ফারক্লবনি। অদুবু ঙসি ফাওবা অঙাংমচাগুম ওইনরিনেসে। ইস। কয়াদা খেন্নগ্রবা মাগী তামোগ, ইমুংগী খজিক্কুং ফাওবা খন্দবা মাগী তামো ওকেন— ও। ওথোকপনি ঐগী লাইবক। অসি হায়রন্নগা বানোমালা শুৎ শুৎ কপ্লক্লে।

অরা নুংঙাইগী সংসারদা
কপ্লি কনানা, নোক্লি খরশু।
নংগরবদা অরাবগী পোলুম্বা কোকথক্তা
কনানো নোকদবা? হিনিংগদবা কনা লৈ সংসারদা?
অদুবু খা'বা তাই পৃম্নক পুবতাই সংসারগী পোৎলুম
নোকদবনি কপনি'লবশু॥

থাগী তলব হেক ফংবগা রাণীগী মখুত্তা শিন্নখোকগ্রবনিনে। ওঝা ওইরি হায়বগী করি লেমজনফম লৈরিবগে? ইমুংগী করি কান্নরিবগে? অহ। ঙস্মিদকো রাণী নুপী লৈববা নুপা অমবু ফাডুনা থমগনি হায়না খল্লিবা নং অগি ওথোক্লশু ঙস্মিদকো— কয়াদা তৌঙম্বী নুপীনো?

ইস! কয়াদা কনগ্রবা মপাঙ্গলনোনেশে—

অরঙবা লিক্লিনা মাগী খুৎলাই, নমথিরবা য়ুনম্বা মাগী নুংশি হিদাক। কয়াদা পঙগ্রবা জীবনো—?

গ্রাস অমনা মমল য়াম্লবা ওকেনগী মশাবু লাকশিলহল্লি। অদুগা থা থাগী ফংলকপা লুপা ২০০/৩০০ না রাণীগী মপাঙ্গল

কল্লবা, লৌৰদা চিংনবা লৈত্রবা, হুরানবীগী খুৎশাশিং অদুদা পোপ পোপ থাদরুরি। ইস। শেল পূম্নমক মখা লাওরবা রাণী বেঙ্কগী গর্ভ মন্নুংদা য়োৎশিনহনগ্রবনিকো। মানি মসিনি বিখিনা তম্লম্বা হায়বদো।

শেলগী জগৎনি— শেলনা হিংনবগী উপাইনি।
শেল লৈরবদি মী মাংঙি— শেল লৈত্রবশু মী শি॥
শেল :— যমরাজ দরবাৰদগী থারকপা
মহু কল্ল' তমথিববা ডুৎনি ডুৎ আজকালগী ডুৎ।।।
"পামল্লুগনু শেল— মিহৌরুনু শেঞ্জাও পায়বা—।"

পাটি লোইশঙ্কুনা অমরজিৎ মযুমদ পবপ পরপ হল্লক্লম্মী। মতম অদু ঢুমিদাগী পুং ৯-৩০ রোম তারে। পথে থেংবদি নত্রি অদুবু থাশি ন্নুমিৎ ওইবনা, লম্বী সড়ক পুম্মম মমথ্রে। অদুক পাক চাওনবা লম্বী অদু কনামত্তা চৎখিদ্রে, য়েংথোকখিবদা অমম্বা অচিকপা নওনা করিস্ত লৈতে। অসিগুম্লবা মতমদানি ঐখোয়ন রাখল জাং জাৎ থল্লগ্রিবশি : মীওইবগী থম্মোই কিগনৰা থম্মোইনি। মীগী মখোল তারক্রুবা কনামতা উদ্রবদা অমরজিৎপু অকিবগী মহিক্লা মরক মরক্তা খংপ্রেক খংপ্রেক খংহল্লি। মশাদা থাওমৈ য়াওদবনা মমাঙদা করি লৈ হায়বা উবা ঙমদে। অমম্বা অচিকপা অহিংদা অমরজিৎকা লোয়নদুনা লাক্লিৰদি মাগী কিগল্লবা থম্মোইতনি। অশুক কিনা চৎলিদৈদা মনাকমক্তা ইখং খংহোদনা "য়ৌ য়ৌ" হুই অমনা খোংলকই। অমরজিৎ খংপ্রেক খংই কিবনা মশম মনা চপ চপ য়ুংই। মীনবু মতোইনা কিশল্লক্লবদি

শুর চাদবা ঈশৈ অমগা অমগা ইশন শম্লনা লাওখৎলকপা হায়বশে শোয়দ্রবনি। ঈশৈ অদুনা মশাগী অকিবা খর মখৈদি নমথহন্না ঙম্মী। ঈশৈ অদু তারগা অতাবা মী খুদিংমক্না 'শক্লিবা মী অদু কিরে' হায়বা ইরাই লায়না খংই। পোক্লকৈঙদগী ঈশৈ শব্লকববা অমরজিৎনি। অদুবু ঙসিদি ঈশৈ মতেক মতেক ফনা য়াম্না শক্তোকখ্রে। ঈশৈ শকপা হেক লোইবগা অমব মশা শাই শাই লাওবা হৌবকই। খংহৌদনা অচিকপা মখক অদুদা পিল্লবা খোঞ্জেল অমা অমম্বদগী ফাওদোরক্কুনা অমরগী নাবো দা চংলকপগুম তোই। মখোল অদু তাবদা অমরগী অকিবগী লায়না অডু খর হেন্নমূক শাথিবগুম তোরে। মখোং থাংই হায়বা খলকদে। অমুকশু তাবগুম তৌরি— 'অ····ম····র, অ····ম···র।' খোঞ্জেল অদু তাবদা চিংনবগা লোয়ননা অমরজিৎ ময়ুমলোমদা কন্না চেল্লকই। খোঙ্গালদা কবিনো অংনা লৌশিন্দুনা অমরজিৎ উপ্রাক্লনা শিৎলে। তন্না হৌগৎনা চেনশিন্ত্রি। খুম অদু থোং হাংদোক্লুনা লৈ। 'ইতৈমা ইতৈমা' হায়না তোয়না কৌজে, মনিং-মমাং থোকতুনা কন্না কন্না কৌই। অদুবু খোঞ্জেল অমত্তা তাদ্রে। অমরবু উবদা মুৎলি মুৎলি ঙাল্লিবা থাওমৈ অদুনা তেংথাবকপগুম তৌরি, "ইতৈমগী ইবুংঙো— ইতৈমনা থেংনা হল্লকনু হায়রগা নংদি কাওরমাল্লে। ঐদি রারেদা ইতৈমগী অমর, হো অমর।" মপি ঈরা চেন, "ইতৈমা হো ইতৈমা বৌনোমালা" হায়না হন্না হন্না কন্না কন্না কৌজে অদুবু খুম্বানবা কনাশু লৈখিদ্রে।

থাউমৈ চাওনা লৈখৎলদুনা ইমুংগী ফিভম পুন্নমক য়েংলে। মতৈমগী হিপফম অদু মও' চাদনা ইচাই চাইনা লৈ. চৌকি টেবল পুন্নমক ফৈরে' ;রেং তুদুনা লৈ। পুন্নমক্তু উরগা অমরজিৎ ভাব তারক্লে। ইমুংদা মী অতোপ্পা শোয়দনা চংলম্নগনি অদুগা ইতৈমবু···· ···· ····· ··· । কপ্লদুনা তে থাজবকই, "ইতৈমা ননাওবু ব্রারৌবিন্নুকো। ইতৈমনা থেংনা হনজিল্লক্কনু হায়বদু অসিননিকো— ইতৈমা, হো ইতৈমা—।"

"হো ইমা থাওমৈ—

নংদি থোকখিবা খোদোক পুন্নক শং-শং উবমগনিদো ইমানা ব্রা ভাংবা থোক্লম্লবদি মরম পুন্নমক নচাদা চিংগদনা তম্লমগদবনি। হায়ধুনে ইমা নচাদা ঐগী হতৈমা ইমা শক্লবা —কদায়— বদায়দা লৈগ্রে ?" নিংঙমদবগা লোয়ননা থাওমৈনা খুম্লকপগুম তৌই, "ইমাগী ইবুঙো কপকনু। ইমানা করম হায়না ইচাদা তম্নশিগেনে ? ইমাদি কপ্পতনা ইশকক ওইরবনি ইমানা নতৈমবু কন্বা ঙমহৌদ্রে, ইমাবু ব্রারৌগনুকো। ইমাদি সংসারগী অৱা-অনা য়েংবা নত্তনা করিশু তৌঙমদ্রবী পাঙ্গল শোল্লবীনি। অদুগনে ইবুংঙো, নংশু পন্থরনু— হৌজিকমক চত্তুনা নতৈমবু থিরুরো -- নতৈমগী থরাই কন্বিযু।"

মাগী কাদগী টোচলাইত অমা লৌথোকলুরে অদুগা থুনা ময়ুমদগী মপান থোরক্লে। যুমগী থোং-থোংনাও লোইনা থিংদুনা শো লোনশিল্লমগা, য়ুমগী অকোয়বদা মতৈমবু কোয়না য়েংবদা উদ্রে অমসুং কৌবশু তাদ্রে। থোঙ্গাল্লোমদা থোক্লকপদা উরে,

ঙসাই মানা লৌশিন্দুনা তুখিবা মফম অদুমক্তা মতৈমগী ইম্নফি তাদুনা লৈরম্লে। মতৈমগী ঙাংঙ্ৰান্নবা ইম্নফি অদু কোনশিঞ্জৱগা লাওরকই, "ইতৈমা— ইতৈমা — ইমা শক্লবী।" মমিৎ মমাই পিনা যু হৎখ্রে। অমর হিংচাবগী মতৌগুম খুদক্তা মী মঙক কক্‌তুনা ঈ চুপ্পা ঙমগদৌরি। মাগী থম্মোইদা শাথিরবা মহু চেল্লবা ৱাশক অমনা মাবু লমজিংদুনা পুরক্লে।

"নত্রে, ঐ তামোগী নাক্তা হান্না চত্তবা য়াদে। ঐনা খ ই, তামোগী লৈফম" পন্তবা তৌদনা চংশিনখিদুনা ৱাণীগী থোংজিন্দা 'কোক কোক' খিল্লুরে। তানিংদ্রবা খোল্লাওনি, "কনানো অথেংবা অহি দা-— রানী অমদি ওকেনগী নুংঙাইববু খুগাইগে হোংনরিবা?" মাগা তামোগী মখোল থ'লদুনা অমর-জিৎনা হায়জরকই, "তামো তামো থোং অমুক্তা হা'দোকপিয়ু। তামোদা ননাংনা ৱা অমত্তা তমজরমগে।" "হে কনানো? ঐঙোংদবু তামোকনা শাখনা কৈজবা শারিনে।" রানী মফি প্রপ প্রপ শেংচিলি। অদুগা তম্না কুপথরক্তুনা থোং হায়-ফেন্দুং হাংদোকই। "ও অমর···· ···· অ ···· করি হায়নিংবা লৈ? নখোয় তামোদি চংলক্কেনে, করিগুম্বা লাকপা থোক্লবদি ঐ তমগে হায়য়ু করি ৱানো— নংনা হায়নিংবা?"

অমর করিমত্তা থৌশাদনা তেংন্নিবী রাণীবু ইস্তোৱল্লগা ফি কুপশিন্দুনা লোৎলিবা মাগী তামোগী মথক্তগী ফি অদু চিং-থৎলদুনা হায়রকই, "তামো লোংকনু - করিগী লোৎলিবনো? ননাওনা লাকচল্লিবশে তামোবু থিরক্লিবনি। তামোগী হুৱান

লোনচৎ ঐ খংদবা নত্তে, মতম কুইরে অদুবু অশুক কুইবশে তামোগী নফমদা ননাওনা হায়দোকপা ঙমজরকত্রি। তামোগী মাংদা লেপ্তুনা রাঙাং ঙম্বগী থৌনাশু ঐঙোন্দা লৈজরকতে। অদুবুনে তামো— পংলবা ননাওগী থম্মোইদশু অচুম অরানগী রায়েল শঙ লৈজরি। তোল্লবা ননাওগী রাহৈ অমা অনিশে অরাম্বনি হায়নদি লোবিগন্নুকো।" মপি ঈরা চেল্লদুনা মখা তাজরকই, "তামো— তামোদি করিশু খংদ্রি— য়ুনদা করি তৌরবগে হায়বদো তামোনা শুকখং খ'দ্রি। য়েংউ তামো— ঐখোয় ইতৈমদো মফম মরাং খংদনা মাংগ্রে, কদায়দা লৈগ্রবনো খংবা ঙমদ্রে। পাউ অসি তামোদা তমগে হায়দুনা লাকচরিবনি। তামো তামোনা ননাওবু নুংশিবিদুনা ননাওনা হায়জবা য়াবিয়ু। শে তামো অমুক্তা লেংখৎপিয়ু— ইতৈমবু থিরুশি। তামোশু ইমুংগী তৌরম্লিবা ফিভম অদু উরগা লোইনা খংবা ঙমগনি। শে····বা····শে····হৌগৎলো তামো।" "হৈ ঙরাংগী অঙাং নংনশু ঐবু রারকপা শারি" অসি হায়রদুনা ওকেম্না মনাওবু খুবাক্লা কম্না থারকই। "চুম্মী তামো— ঐদি ননাওনি— তামোনা ফুবা চৈবদা ঐনা খুৎ হনগদবা লৈতে। অদুগা ঙাকপা ঙম্বগী শক্তিশু লৈজদে। অদুবুনে তামো— তামোশু অফ-ফত্ত, অচুম-অরান মুম্না অমুক্তা খল্বীয়ু। মিৎকুপ অমগী নুংঙাইবনা খুত্থম চল্লবা তামোগী আত্মা অদু কয়া য়াম্না রারক্কদগে হান্নবদো তামোনা খংন-উনা খংশিন্নদ্রি, উশিন্নদ্রি। হুং— স্কুলগী ছাত্র-ছাত্রী কয়াগী মমাঙদা "অঙাংশা চুরুট-বিড়ি, য়ুনচিংবা নিশা—

ফত্তবা চিঙাক শিজিন্নরোইদবনি হায়জবা শারি অদুগা ওবানা যু থক্লি, নিশাগী এডভর্টাইজগী এজেন্ট ওইরি। অদুবা ওবা অমগী অফবা পাওতাক হায়বদো — ? হুবান্বী রাণীগী খুৎকী শাথেক্তা, লৌনম তৌবী রাঙাংদা, ইরাং হৈবী মীৎকী কুম্মৈদা তাওড়না লৈবনদি তামো — তামোগী করিশু ওইজবা, কান্নবা ফংলোই।"

"মীনা হায়রগা মথা শানা খুমজবা শারিনে, হায় চংোকখ্রো চৎনুনে" অসি হাযবড়না মনাওগী মঙকশমদা পায়দুনা কন্না হল্লকই। থো জিন্দা থেদুনা অমরজিৎ ফনা থিনা শোক্লে। লাইবক অদু ঈনা পুমঙা ঙালে। মীন্নংশি খংদবী রাণীদো অমবজিৎকী অশোকপা উরগা থম্মোইদা হবাওনা নোক্লি।

"তামো ঐবুদি শোয়দনা চৎলগনি। অদুবু তামো—অসিমক্তদি কাওবিগনু— মথায় অমনা মনাও মশক খংদ্রবা, শাগী শাজৎ চৎলবা তামো — ননাও অমবদি মতম লৈবা খিবিক্তা তামোগী নাক্তা লৈ। অবোন্না অকোংবা তামোগী হুরান শাজৎ উরন্নোই, খংলম্নাই হাযনদি খক খরিগন্নু। চৎচরে তামো ননাও চৎলে। যুম অদুদশু কনামত্তা লৈহৌদ্রবনি। তামোনা খুশি তৌনা লৈবিহৌবা য়ারনি। অদুগা থম্মোইনুংগী শকহেন্বী, রাশী লৈবী, মিৎলাওবী, ওক্তবা ইতৈমা শাবী রাণীগা জগোই শামিন্নদুনা লৈবিকরো। নিং তম্না নোক খেদুনা 'রাণী বেঙ্ক' কৌবা বেঙ্ক অমা শারগা থাগী ফংলকপা তলব পুন্নমক বেঙ্কদা থম্বিহৌরো। শেন্দোই শেন্নেপ তুম্না মাংহল্লো। পুন্সি নুংঙাইনা

লেল্লুরো। তামোনা তৌনিংবতা তৌবিরো ননাওদি ইতৈমা ফংদ্রিমখৈ য়ুমদা হত্রক্লরোইদবনি। শে, য়ুমগী শো অসিদা লৈরে পায়শিন্বিহৌরো।”

অমরজিৎনা মপান থোকপ্রবা তুংদা রাণীনা থোং থিংজিল্লে। “ইস তামোগী ননাওসিদি খোন্দা য়াম্না থিনা-।” রাণীনা ওকেনবু চৎখিদনবা হায়দূনা থেম্বা হৌরক্লে— “তামো নংবু ঐগা লৈমিন্নবশে নুংঙাই এরা ?” রাণীগী শাথেক্তা থম্মোই পেন্না নোকচরম্বা ওকেন্নি। অদুবু ঙসিদি মনাওগী রাইহ অমা অনিনা ‘মথন্তা রাখল খঞ্জহন্নবা হীদাক’ পিজরম্বগুম তৌরে। বাণীগা রাহংদা করিমগা থৌশাদ্রে, খুমশু খুমদ্রে। রাণীনা এখা তারকই, “শে নথুক্ত্ নিংথনা কোল্লু হাম্নবা; কৈদৌরগে .... শে .... শে বা; চেৎনা কোনশিল্লু হায়মি। শে নোংচান গদবশু য়াম্না রাৎলি; লাকও তুম্লশি .... শে বা-।” অসি হায়রদুনা ওকেনবু ফমুংদা হিপথহল্লি।

মীৎলুদগী পিরাং শিন্তুনা হন্না হন্না হায়জরবা ফাওবদা করিমত্তা নাচুংবা লৈতনা মনাওবু ফুবা ঙম্নবা ওকেনগী থম্মোইনি। ইমুংগী রাখলনা মাগী থম্মোইদা ময়েক অমফাওবা খোংদাবা ঙমদ্রবা ওকেনগী আত্মানি। অদুমওইনমক মীওইবা হায়বা জীবশে মশানা লংজরুবা, তৌরুবা থবক্কী ফল তাদ্রিবৈদা করিমত্তা থৌশারুদ্রবশু- খজিক্তুং খন্থরুরবদি মশানা মশাগী মরাল অফ-ফত্ত পূম্নমক ইরাই লাইনা খংবা ঙম্মী। অদুগা মশানা পাংথোকলুবা থবক্কীদমক মশানা শোয়দনমক্কী অমুক্তং

খন্নবা হায়বশে শোয়ম্রবনি। মখনদি মীওইবা হায়বশে ম্নাখল খনগম্বা জাব অমনি। ঙাইহক ঙাওরুববশু পুন্সিগী ওইনা ঙাওডুনা লৈখ্রবা মীশক্তি নওর্বাননা ওকেনগী থম্মোইদা মনাওগী ম্নার। মমি তাদবা নক্তে।

পুং অনিমুক্কী মতুংদা কবি খাক্লবনো খংদে— ফমুংদগী ফুক হোৎগঙুনা ওকেন মপান লোকখ্রে। মনাওনা হাম্নরম্বা ম্না পূম্নমক অতুনা ওকেনগী নাকোংদা হন্না হন্না কম্না কম্না নাওশিল্লকপগা লৌবি। "বনোমাল ঙাসো" হায়না বান্দিনা হজৈ। মা ঙাংদি লাইবদনা মাংনিবু হন্না ফাওবা য়েংলমদে। বাগীনা তোইনা হজৈ— খুৎ পাবতুনা খায়ৈজ অতুনু ওকেনগী অনিবা ম্নাখলবু নংথবা ঙম্বগা শরুক লৌরে। ম্নাগীবু ইপো-ক্লম্নগা ওকেন প্রাপ প্রাপ চংখ্রে। মনাওনা হায়বম্বা ম্নাশিডু নিশিং নিংশিংডুনা ওকেন মথুম তম্না খোংকোপ লাওনা থাংড্রনা হাযু হাযু লাক্লে। মযুম যোম্নকপা মতমদা ইমুংগী ওইবম্নিবা অবস্থা পূম্নমক লোইশনা চেবে। মখোই অতু উবদা ওকেনগী মশা পূম্নমক অশাওবনা থুমহৎখ্রে। ঙসিদি নুংশিগী হেন্না কম্নবা ওকেনগী থম্মোই অতু অমবজিৎ অমদি নুপাগীদমক খল্লুবদা মহি চেল্লক্লে। নিংঙমদনা কৌজরকই, "হো বনোমালা— থম্মোইগী মালা নংবু কদায়দা লৈখ্রবনোনে - ওক্তুবা ওকেন্না ইংলবী, চম্নবী নংগী মোমোন মিনোক তঙাংনরবী মাইথোং অদু উবা ফংদ্রেনে— হো বনো, থম্মোইগী মালা।" ইমুংগী কাচিন-কোম্না কোইয়েং য়েংলকপা মতমদা উরে, লৈমাইথক্তা

বই মচা অমা তাদনা নৈ। উম খংগনি— কনাগী পোকেট ডাইরিনো? ওকেন্না চিংনরম্বা মীশক অদুমক ওইরম্লবদা হিংচা য়াইতমগী মতৌগুম ময়া ক্রক ক্রক চিক্লদুনা মমিৎ কোরিমুক ঙাংনা লাওরকই, "নরেন— ন°নশু ঐবু ইকাইবা পিগদবগী হোৎনরি। মরুপ্না মরুপকা মাংনবা শিল্লি— হা হা....হা!!! ওকেন করম্বা হিংচাবনো হায়বা নং খংদ্রি, চান্নরিবৈঙ মতমদদি নংনা ঐবু থেমদুনা ইশাগী ঈ ফাওবা থকপা ঙমগনি। অদুবু নরেন— ঐনা শাওরক্লবদি ঐনা ন°গী ঈ থকপত্তা নত্তনা নশাগী শরু ফাওবা চিকথৎকদবনি। খ'উ নরেন ঐগী হকচা'দা ঈ মরিক অমা চেল্লিবমখৈদি নংগী হকচাংগী উফল অমা ফাওবা লৈমাইথকসিদা তাহল্লোই— নপাল... নউ....চার তুম্না মাংহনগে। য়েংউ ঐগী ইতিক।"

মান্নি পুন্নমকশে ঐনা থোকহম্বা ঙাক্তনি। বীনোমালা ঐবু ৱারোবীগন্নুকো। শেংলবী নংগী থম্মোইনদি তত্তনা থেমদুনা হায়জরম্মী। অদুবু ঙাইহাক্তং পংথরুবদগী ঐগী থম্মোইবু হিং-চাবী রাণীগী হুগী লৈহৌনা খুদুম চনখিদুনা মুংশিরবী নংগী য়ারাবু নমহৎলুরে। পাঙ্গল শোন্বী, ইকাইথিবী লৈরাং ওইরম্বনা রা হঙ্গৎনা ঙাংবদি ঙমজদা তঙক ঙঙক য়েং মিৎলুদগী শিপ্তখিবা পিরাংদো ....। থম্মোইগী মালা ৱারোন্নুকো। ফত্রবা, ওক্ক্রবা ওকেনবু। অদুগা মপোকসিমগী ঙল্লরোই— রাণীনা ঐগী থম্মোইবু খুদুম চম্বা— ওইথোকত্রবনি— ওইথোক্ল-রোইদবনি। মানি পুন্নমক মাগী থৌইনশিন্নি। মরম পুন্নমক

পাগীগী থৌইনশিন ওাক্তনি। হৌরি কমক রাণীগা মফমদা চৎলগা হা চাবাগী মচিন্দগী হবোম্বা পূম্নমক চেক তৌরুগনি। মদুদা কবিগুম্বা শেংনা তম্নক এবদি মাগী থব্বাঙ ঐনা খুদক্তা লাম্বিগনি। মাগী থরাইনা হিংত্রনা লৈংদবা কদাঃদনো? হা‥ হা….হা…..!!!

অহিংগী বাবো মতুং পুং ১ তারে। বাণীগী অরোম্বা কাদনি। রমেশ অমদি বাণী চিংুন চিবুন থোংনাও পরদা হায়ফে‌ং হায়দোক্তুনা য়েংবদা চবদি ওন্নগা তাবদি ওমদবা ওয়ে বা মনা খংবা ওমদবা রা কয়া চেকশিন্না ওাংনরি। রাণীনা হায়, "রমেশ— ন যাম্না চেকশিনগদবনিকো। শক খংহন-খিবা য়াদে। কবিগুম্বা খখিবা থোক্লবদি নং অমদি ঐ ঐখোয় অনিমক লোইরবনি। ওবো— ওকেন হৌজিকমক য়োরক্লনি। শে থুরো হায়মি— অচিংপা মফম য়েংদুনা নংগী নখৌ পাং-থোক্কদবনি। ঐশু নংগী তুংদা লোম্না ইম্নবক্কদৌরিবনি। নখৌ লোইরবা তুংদা ঐনা তোফম থোকপা পূম্নমক তৌগনি। অদুগনে নংনা কাওবোইদবা অমগা ওকেনবু শিহনবদি য়াদে হায়বসিনি। মাবু হাত্তোক্কে শেবা নত্তেবো। ভাব তারেদনা। "তাজবে ইতৈমা, লোইনা খংজরে— প্রাইম মিনিস্টর ইন্দিরা গান্ধীদগীশু হেন্না হৈ-শিংলবা ইতৈমা মহারাণীগী পোলিসি প্রোগ্রাম পূম্নমক লোইনা খজরে। শুকশোয় শোয়দনা ইতৈমগী অনিংবা আশা থুংগনি, থবক মঙ্গল ওইগনি। ইতৈমা ঐ চৎলে— বাই……… · · ·বাই।"

অমম্বা মরক অদুদা কনানো অমশু লাকপগী শউম ফংলি।

মথন্তা মুরুম মুরুম শোন্দুনা লাকই। মাগী খোঞ্জেল ভারগা খংবা ঙম্মী মদুদি মা অদু য়াম্নমক অহল ওইদ্রবশু চহি ৫০ য়োমদি শুরম্লনি। লাক্লিবা অহল অসি ওকেনখোয়গী অৱাং থংবদা লৈবা মৈতৈ মাইবা মধু হায়বা অহলদুনি। অনাবা য়েংলুবদগী হৌজিক্তা ময়ুমদা হল্লক্লিবনি। মখুত্তা পায়রিবা টোর্চলাইত্ত অদুবু য়েংলগা মথন্তা মুংঙাইবা ফোংদোকচবি। "অশুক মমগ্রবা অহিং অসি পিকগ্রবা টোর্চ অসিগী মতেং না, ঐগী লম্বীবু নিংথিনা লমজিংবিরি। থাওমৈ বেনি অসি য়াওরমদ্রবদি ঐ চৎপা ঙম্বগী আশা লৈতে। কয়াদা কান্ন গ্রবনোশে— সাইন্সকী যুগ, খর থুনা চাওখৎপা ঙৈসনু। সাইনতিসকী টোচনা অমম্বা অহিংবু ঙালহন্না ঙম্লেদো। থাগৎচ নিংইদকো বেত্রি শারম্বা মী অদু। মহাক লৈরমদ্রবদি অমম্বা অহিং মমদুনতা লৈরমগনি।" অশুম ঙাংনা ঙাংনা লাক্লম্বদগী অকি-অখং ওইনা খংলেপ লেপ্লী অদুগা থাওমৈ অদু অকোইবদা কাপ্তুনা য়েংই। থাওমৈগী মঙান্দা উরে, মুপা অমা অহল অদুগী মাইকৈ তন্না কন্না চেল্লক্লি। চিংনবগা লোয়ননা অহল অদুনা চেল্লক্লিবা নিপা অদুবু মশক খংগে হায়না থাওমৈ কাপ্লী মঙাম্না মমাইদা য়ৈবদা মমিৎ উত্রদুনা মুপা অদুনা লাওরকই, "কনানো থাওমৈ কাপ্লিবা? নমিত্তু উত্রা মী চৎলি হায়বা?" অহল অদুনা মুপা অদুবু মশক খংলদুনা হায়রকই, "ও রমেশ ওইরে; শাওনু শাওনু, ইবুংঙো খংলুদদুনা খুড়ানা থাওমৈ কাপ্লুরে। ঙাইখোনে ইবুংঙো রমেশ— নংনা অদুক

কন্না নুংশিগুগী হেন্না য়াংনা চেল্লক্লিবা অদুবু কৈদৌরুরবগে ? অমম্বশিদা ভুশিল্লোইদ্রো ?" "হায় হনুবা হন্দোকউনে—অমম্বসিদা হুরান্বা চৎলুরিব্রা ? শিরমদাইদা মীগী মরল কল্লকপা শাব্রিব্রা ?" অসি হায়রগ্নগা পন্থবা তৌদনা রমেশ মখোং খোংথাং তেঙ্গৎগ্রে। অহল অদু মখন্থা শোঞ্জহৌই, "হৌজিক্কালগী নকারোল অসিদি জাৎ অমনিনা— মপাবুশু পোকপা য়ারিবা ঐঙোন্দা হুরান্বা চৎলুরিবা হায়রিনেংশ— শোয়দে মসি যাধবকী মচান্নপী— ঐখোয় বীমোলা লুস্মুবদগী যাধবনা তাল্লকপা ওইরমগনি। অংশুক থেংলবা অহি সিদবু কয়া য়াম্না কোয়নিংলিবনোনে ? ঐখোয়না পাখঙ ওইরিবৈগী খুৎকোয়গা হৌজিক্কালগী খুৎকোয়গা য়াম্না খেন্নগ্রেদা। ঐখোয় মতমদদি অা·········কনাগী মনিংথোং থোংজিন মকমদা লুস্বকাদো তৌজরক্কে। ইমুংদা ফম্নগা থাওমৈ চাওনা নৈলথৎতুনা অহল-লমনগা লোয়ননা ব্রারী শাদুনা নুপী কোয়নরম্মী— ঐগী চান্দনিনা নৈশারিঙৈ মতমদা কোয়রকপা পাখঙ ময়াম অদুদি ওংগ্লোক্লা য়ামখ্রেদা। ব্রাংশৈগী চন্দ্রহাস, তেরাগী দিনসিং মখোয় অনিসিনি মরুওইনা ঐগা কণ্টেষ্ট তৌনখিবা। ঐখোয় লোইনমক ইমুংদা ফম্নিনড়না ব্রারী শামৈ, ফাগি তৌনৈ। কনামতনা হুরান্দুনা চগুম হুন্দোকফমদা লোত্তুনা স্নেংনরমদে। কৈদৌনবু লুমগদৌরিনো— মরম চাব্রা হায়বা মমৈথংদা চান্দনীগী মিৎয়েং খংলদুনা কনাগী চন্দ্রহাস, দিনসিং-নচিংবা ঐগী মাংদা ফম্বা ঙমখিদে। হৌজিক্কালগী নুপী কোয়বা অসিদি করি মওংবু কৌরশিগেনে ? চেতৎ-চেরাংনা হান্না ব্রারী

শা, হুরান হুরান মনিং অমাংশং ময়াদা উনবশিবু করি মশৌগী চৎনবীনো ? অদুগা নোংমনা মীয়াম মনাংদা সাইকল থৌনা থৌনা কলেজদা পুরিবা বই অদু হেক ওন্থোরক্লে। লম্বীদা মীমাঙদা খুৎকা খুৎকা থেংনবশিবু চাওখৎলকপগী খুদম্না— ? নত্তেনে, হৌজিকপু নুপী অমত্তা মপান থোকপা ঙম্দ্রেনে। হোয়দা মসি পুম্নমকশে নুপা-নুপী অনিমক্তা মরাল ওইবা তাইদা। করিনোনে খংদ্রেদা— ঐখোয় বীমোলানা শেৎলি ইল্লিবা কি রোল অসিবু— নোংমনা মশাদা তপ নপ্পা খোংগাউ অশাবা অমা হেক শেৎলি, নোংমনা ইসকৎ হায়বা করিনো অকৌবা পোৎলোই মাম্বা ফি অমা হেক শেৎলি। মদু ইসকৎ নপ্রেদা থবৎকক হায়বনা কেন্না ফরেদা। হোয় পিক্ত পিক্লিবা নুপী মচাশিংনা ইসকৎ শেৎপদুবুদি ফনা ফজে। অদুগা লফু পাম্বীমুক চাওরবা কৈফগল, খুবোম অদুবু উহন্নবা শেৎলিবী হন্নুবীশি অসিদি তুকচ্চগ্রেদা—। য়েংউনে মখোয়না লিৎলিবা ফুরিৎশে ফিনে হায়না তৌরিবশে খুবাকমুক্তা হেক পাকই। অমরোমদা কি চংদনবগীদমক্তি য়াম্না কৈ অদুদা হকচাং উহনবসিবু অফবনি হায়না লৌবদি অরানবা ওইগনি—। চুম্মীদা ফাগি হৈবশিংনা 'খাংগী পেটি' হায়নবদো। খ দ্রেদা হৌজিকালগী চৎনবী অসি— মবুক তংখাই, মনিং মচেৎ উহনবশিবু করম্বা কান্দা উৎ ওনখিগবা— ? ইস। কিজরেদা ইচা ইশু ময়ামসে— শোয়দনা হায়রক্লনিনে ইচাশিংশিশু ফদি ফরা শেৎকে হায়না। রমেশনা হৌজিক শেৎগ্রিবা খোংগ্রাউ অদুবু করি ফেসননো ? করম্বা

খনাগী ঈাইলনো ? খুব দনা প নঙ্গা, খুদোন্দা ফদ্রাক যদাব হেক তাবা । ওা খলেখলে 'শানিং ইংলিস ইস্টাইল' হাযবড় ওইনমাগেনে।

অশম ঙা া া । লাম্বদগী চপ লেপখ্রে। মশাদা া বা থবা লনদি ডনা থম্মোনী অবিবা লাযনা তৌবক্লে। ওনিংবা হাযবা নশানা অং। ওঙা ়া রা লৈতে। তেনদ্বাদ কল ন শানা হনথানক্তে লৈ নঙ্গা নাকলদগী ।

লাওবা মখোল মা া নালাগী অশি অদ নিংলো অম্মা লৈরে হাবাশো ওইল অত হনি। থাওনৈ বোযনা কাপক্লনা বে । হন বিলে নান নীনিনে, ন ও কৈদৌবরজারে নানা ংখা মা অমা নাম্মা রানা। া বাবজন, কনখো ন হ্ম অত চংে। অকা অত শান মা চপ থ থংং। থাং। অমদি পাখংনা লোযনমা হায় বং— ইস। ঈনা ু ট লে, নানাগী ঈশিং ঈশিং নন্রে, ঈগী নঙ্গা া। হাযযু বনানো নহনপু ? নুপা অঙ্গা যাম্মা রানা খুনংবহ— "ম অ ... ও । নি। বনানো নহাকপু স্বগদগী যমবাজনা াগা যরাম্ম কৈ হানা থারকপা চুহলা ? যমবাজগী পাও পুবনগা চুং লৈগী থরাও পুদ্রিষ্টেদা পুক্তা থিল্লিবা থা অ। হাম্মা অমুক্তা কনোবগিখো। অা আ··বী নো··· মা···· লা, এ ···ন···ব নখোয়নি ঐব্ রাখো- সুকো। থাং অসি অমুক্তা ...।" নুপা অংগী মাইখোং উংদা মশক খ লডুনা ওহল অনুনা শোজ্ররকই, "হরে কৃষ্ণ, হরে

কৃষ্ণ। ইস। ওকেন কবিনে৷ নংনা তৌরম্লিবসিদ্দি— শে খুডা থাং শৎকে কন্না খাংউরকো।" "আ··· আ ··শিরে····শিরে।"

মতম অদুমক্তা তুংদগী মীরাওখোল অমা ভাখি— "কনা কনা লৈবগে ? মী হাৎলে, মী হাৎলে।"

মীনম্বগী সংসারদা— কনানা নাচুংগনি মীনম্বা ?
মীহাৎপগী জগত্তা – করিগী কিকনি মীহাৎপা ?
"ইশানা হুবানবা মীবু ফাহম্বা –
ঐগী ইরাল মীঙোন্দা থংথশি।"

অহল অদু ওয়োকপা দশা ভাবে। কনগে হোৎনকবদগা মীহাৎপনি হায়দুনা ফাবিরে। লাওরম্বা মুপা অদুনা কংরেম নরকই– "খুডা ইবুংঙো, অদুক অহল ওইরবদা মী হাৎপা ··· নথোনা নরিংজেল ফনা কৈনে।" "রমেশ ইবুংঙো ঐনা নত্তে, ঐনা নত্তে – ঐদি করিশু খংদে" অহল অদুগী পাওখুম্নি। ভাঙ্গা অদুমক্তা থাণীগা পুলিস অনিগা লোয়ননা মফম অদুদা লাক্লে। অহল অদুগী মখুৎ পুনশিল্লগা হায়রকই, "হৈ হন্থবা— নয়াস্ত অমত্তা হৌদ্রে; নংনস্থ মী হাৎকে হোৎনরি" অসি হায়রদুনা লাচৈনা তপ্পত্তা থম্বদা চৈনাখোল ফাওজরবা অহল অদুগী নঙ্গন্দা চৈক্ষু অনি অহুম লাম্নোকখিবদা কয়াদা নানা খাংগ্রবা ? "পুলিস সাহেব, ঐনা নচ্চদে; ঐদি করিমত্তা খংজদে। ঐনা অস্তম লাকপদা থেংনজদুনা ইবুংঙোগী মবুক্তগী থাং শৎকে হোৎনজবনি।" "হা করি হায়বা ? নখুত্তা ঈগী ঈমক্তা অদুগা ঐনা নত্তে হায়জবা শারি" অসি হায়রদুনা অমুকা লাচৈনা কল্লি।

অহল অদুবু ফাদুনা পুখ্রবা তুংদা রমেশ অমদি রাণীনা ওকেনবু বাণীগী য়ুমদা পুশিন্বিরে। ওকেনদি ভাব তাখিদ্রে। খুদকত্তা ডাক্তর কৌকদুনা ওকেনগী অশোকপা অদু নিংথিনা যেংলবগী তুংদা ডাক্তর অদুনা তপ্না হায়রকই— ঐনা হান্না চিংনবম্বদি কবিগুম্বা থাং অদুনা চাকখাউ শোক্লমগদ্রা হায়বদুনি। লাইবক ফবদগী পুক্কা মপান থংবা শরুক খরত্তা শোক্লম্লে, থোইদোক্লা খুদোং থীনগাই লৈতে ; ফবে অদুদি ঐস্ তঞ্জরগে। মতমগী ইরাং খ বা বাণীনা লুপা ৪০ পুথোক্লুনা ডাক্তর বাবুদা লানশিল্লি। ডাক্তরদুস্ মাগী খুমফম থোকপা— "তৌবিরুনু, তৌবিকনু— নত্তে যাঙ্কু য়াম্মনগ্রে।" অদুবু শেল চংনা তমলু-রগা ডাক্তরনা শেল লৌদবা য়াবা? শেলগী মনিল ফংবদা পেপ্তোক হৈবা ডাক্তরদো 'ভয়েং অমুক য়োজরক্কে" হায়রম্লগা মপাল থোকখ্রে। রমেশস্ ডাক্তর থিন্দোকপা ওইনা মপান থোকমিন্নখ্রে।

নো ঙাম্লে। য়াহোঙম্বা কাক্কা খোঞ্জেল তাবদা ওকেনগী মাইথোং অদু হায়ফেন্সং নোকপগুম তোই। তপ্না কৌরকই, "কনা কনা লৈবগে?" ইংলবা শুরদা লৈনম হাপ্লদুনা বাণীনা খুমজৈ, "তামো ঐ লৈজৈ। করি তাবপিগদবা?" "ঙরাং থোকখিবা থৌদোকমখৈ অমুক্তা লিয়ু ঐ তাগে।" পুম্নমক শুগাইনা লিরবা তুংদা বাণীনা মখা তানকই, "য়েংউ তামো তামোনা অশুক থিনা শোল্লবা অসি ফাওবদা তামোগীদমক য়ুম-দগী কনা অমত্তা লাকতে। তামোগী চান্নথোইরবী বীনোমালা

ফাওবা....।" বানীগী রাঙাং ত্থাবগা শান্না শাওনিংলঙ্গ ওজগী মথক্তা শরক চাম্মা হেন্না শাওনিংলক্লে। খুদক্তা রানীবু মংক মেৎতুনা হান্দোক্লকশিবা ফাওবা খল্লুবে। অদুবু রাখল ওংনা থম্মোইগী অশাওবা অদু থেমগৎতুনা থমে। তপ্পা হায়রকই— চম্মী রানী অনাবা তাদবা মংমদা ঐগীদমক নং নংনাবনি, অমত্তা নৈতে। নংদি এগী পুন্সিগী, থম্মোংগী রানীনো নাং। খংলবা— ?

ওকেনবু থাংনা থিল্লম্বগী কেশ অদু ঙমিদনি। ওকেনস্ত হৌগৎতুনা চৎপা ঙমলে। বীচার লোয়শঙ মমাঙদা কেশ কারকপা মা পুম্নমক কম্নতুনা লৈ। ওকেনদা থাংনা থিনি কায়তুনা ফারিবা লৈ। অদুম্ভু য়োক্কলে। বীচার হৌগদোরে। অহানমক্তা রমেশনা কোথোক্লুনা অহল অদুনা ওকেনবু থাংনা থিল্লি হায়বগী প্রমান, শাক্ষি পিননবা মকোক তাংলবা মবো লৈরবা মাং অনিদনা বনেশনা য়েংলগা জবাব না হুকুম হোরকই। রমেশনা খুম্নক্লম্মী - "অংখ্রমনরি অহল অনিনা থিরনি। অহানবা অমুক থিনবগী তুংদা অমুকশু থিনগদবনি হায়নৈ মতম অদুদা ইকৈমা বানী চেপ্তোবক্তুনা ঐখোয় অনিনা অহল অসিবু ফাজৈ। অদুদগী থানা লোইশঙদা চৎতুনা থানা অনিগা লোয়ননা লাকতুনা অহল অসিবু মখোয় অনিদা শিন্নজৈ।" রমেশকী রাঙাং মখুংইন্না রাজাদা অচুম্বা হায়না জত্তুনা হংই। "সার, পুম্নমক অচুম্বনি।" অহল অদুগীদমক কনামত্তা নৈনদে। অরোইবা ওইনা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মরমদা অখংবমথৈ

হায়ননবা ওকেনলোমদা ওনশিল্লকই। অমম্বা অহিং ওইবনা মাবু অরাবা তাহল্লম্বা মাশক অদু ওকেন খংহৌদ্রে। অদুম-ওইনমক মাশক অদুবু খংনবা উপাই অমদি লৈরি। ওকেন্না হায়রকই ; ঐবু থাংনা থিল্লম্বা মপা অদু ঐনা পাররিবা ফুরিৎ অদু অসি লিৎপনি। মহাক্না ঐঙোন্দা থাংনা থিল্লকপা মতমদা উপাই লৈএদুনা নাগী ফুরিৎ খুদাং শেওগদুনা ঐনা হাপচিন-ডহৌবনি।” রমেশনা—, “ফি অদু ঐ খাঙে— ফুরিৎ অদুমক অহল অসিনা লিৎলকপনি— শকখ দনবা হায়দুনা ফুরিৎ অদু পোথোক্লগা সডকী নাকলদা ল থোক্লম্লগা চেনগদবগী হোৎনরম্বনি। ফি অদু হৌজিকশু তাদুনা লৈরমখিনি।” রমেশনা লমজিংদুনা পুলিস অনিগা শোয়নন। ফুরিৎ অদু যিবা লাক্রম্মী। শোকফম মপামকত্তা ফি অদু তাদুনা লৈবম্রে। জজ্জগী মমাংদা ফুরিৎনা শাক্ষি ওইদুনা অহল অদুবু মতম খর জেলদা লৈকনবা য়াথং পিরকই। য়াথং অদু তাবদা রমেশ হরাওবগী ঙমখৈ লৈরমদে। বাংা ইবেম্মশু অদু মহাক, থম্মোই পেম্না খোইকম মোমোন নোকচৈ। অদুবু নোল্লখ, মাংথোং অদু ওকেনগী ৱাডাং তাবদা ইমক মকশিন্দুনা মক্ত লুকথখি। জজ্জগী য়ারেপ অদু থৎলদুনা ওবেম্না হায়জরকই “জজ্জ সাহেব ঐগী রা লোংদ্রি। ঐঙোন্দা থাংনা থিলম্বা মীদুগী অকন্নবা খুদম অমা লৈরি। ঐনা ফুরিৎ য়াম্নদুনা শেংদৎখিবা খুদাং মপাদা খুজিন্না খোৎখিবগী মখি শোয়দনা মী অদুগী য়েৎথংবা খুদাংদা ডাক তাবমগনি। জর্জ্জ সাহেব অহল অসি নগে—।” ৱাডাং অদু তাবদা রমেশ

চেনগদবগী হোৎনরম্মী অদুবু মরাইবক থিবদগী পুলিসনা ফারে। ওকেম্না খোৎথিবগী চাওরবা খুজিন ময়ি অদু ময়েক লানা তাদুনা লৈরম্মে। হৌজিক্তি ওকেনবু থাংনা থিল্লম্বা গুপা অদু ফারে চেনবা য়াদ্রে। রমেশকী পুন্সি অদু মতম খর জেলগুংদা পোথাক্লখিবা তারি।

বীচার লোইরদুনা মীয়াম সভা কায়নরে। রমেশ বাবু শেল লৌবিরোইদবা পুলিসকী গাড়ীদা কাখত্তুনা চৎখ্রে। ভারা য়াওদ্রবগু ভারা পিয়ু হায়রক্লরোইদবা পুলিসকা হরা গাড়ী অদু কল্লা থৌদুনা জেলগী মাইকৈ পাংখ্রে।

অরোম্বা পূম্নমক থংগ্রবদা নিংবা কায়বগা লোয়ননা রাণী তপ্পা হৌগৎতুনা মপান থোকখ্রে। ওকেনবু ঐগী ওইগে খনজরম্বা পূম্নমক অরেম্বা তারেকো খল্লুবদা খম্মোই গুংডাইতনা রাণী ইবেম্মা ময়ুম তম্না থাংনিংদবা খোংথাংগা লোয়ননা লেংথোক্লক্লে। রাণীনা খনজরম্বদি ওকেনবু সেবা তৌজরগা, পুন্সিচুপ্পা মাগী ওইজবা অসিনি। রমেশতা রাণীনা শিম্নখিবগু অদুক থিনা শোক্লবদি নত্তে। রাণীনা ওকেনবু হাৎকে খন্দে। করম্বা মওংদা তৌরগা ওকেম্না মাবু মাগী তালোইশিংদা চলহন্মীদুনা ময়ুমদা পুশিন্বিগদগে হায়বা রাখল অদু খন্দুনতা লৈজবী রাণীনি। মাগী ক্ষহানবা পোলিসিদি বীনোমালাবু খায়নহন্বা অসিনি। অমরজিৎকী মচিন্দগী বীনোমালাবু মাংখ্রে তাবদা রাণী ইবেম্মনা মাগী পোলিসি প্রোগ্রাম মথং মথং চত্থগদবগী হোৎনবা হৌজরক্লবনি অদুবু অহানবমক্ত মাইথিরদুনা মাগী পাক চাওরবা আশা অদু অরেম্বদা মাংবা তাখরে।

ওকেন হৌজিক্তি পুম্নমক ভাব তারক্লে। মাবু থাংনা থিম্বা, মাগী বানো মাংখিবা পুম্নমক অসি রাণীগী থোইনশিন্দগী থোকপা ভাক্তনি হায়বশে ওকেন তশেংনমক খংলক্লে। রাণীগী মচিন্দগী থোকখিবনি অদুনা মরম পুম্নমক মাদি খংলমগনি— বানোগী লৈফম খংফম থোকই। মহোন্দগী পাউ লৌদবা য়াত্রে। অহান্বদা থেমদুনা হংগনি— মদুদা য়াত্রবা, তাক্লকত্রবদি রাণীগী আম্বা কদায়দা লৈগনি? ওকেনগী শকুম উবদা রাণীগী মশা পুম্নমক হুমাং অনশ্নী কারে। মওোন্দা তোরগদবা ফিভম পুম্নমক উরে। ওকেনগী অশাওবা মতৌ অদুদা রাণী পাখত্তবা ভমদে। ওকেন্না রাণীবু থেমদুনা মরম পুম্নমক হংলে অদুবু খুমত্রে। "ঐ খংদে, ঐদি করিমত্তা খংদে, শুকখং খংদে।" ওকেনগী মমিৎ কোরিদগী হেম্না ভাংত্রে। অকথা খোল্লাওনা লাওরকই, "হায়য়ু কদায়দা লৈ?" "খংদে, শুকখং খংদে।"

হায়দোকহৌরো হে সতা সীতাগুম্বী
কেম্বা তারে নংগী পুন্সি লমখাংদা।
তমথোকত্রো অরোনবা নংগী পোৎসিসি
হাইদোক্লো যুখল— লোইরবনি নংগী মতম,
পুন্সি কল্লু রাণী— নংগী পুন্সি ॥

মওকশমদা মেৎশিনখিবদুদা রাণী বা ভাংবা ভমত্রে। শুর ফুল্লে, য়াম্না রানা হায়জরকই— "থাদোকপিয়ু হায়জরগে।" পুক-নুংদা ভংবা অদু ওকেন্না তাবা লৈখিত্রে। অশাওবনা থুমহৎখিদুনা পায়শিল্লিবা খুৎ থাদোকপা লৈত্রে। 'নংমক্তা হাম্বোক্লগা লোইরে'

অসি হায়রদুনা রাণীগী মঙক থাদোকপা লৈত্রে। পাওখুম অমত্তা পিবা নংহৌদনা রাণী ইবেম্মা সংসারগী মীনম্বা লোইরদুনা লাই-রৈবাক্তা অমুক মীনমলুগদবগী সংসার থাদোক্কনা চৎখ্রে। রাণীগী অশিবা হকচাং অদুবু মুন্না য়েংলগা "করি থোকই তৌগম্বী?" অসি হায়রম্লগা ওকেন পন্থবা লৈতনা মপান থোকখ্রে। মকম খংদনা মাংখ্রবা মাগী থম্মোইগী বীনোমানা অমদি মনাও অমর জিৎপু থিবা থোরক্লে। অদুমওইনমক কদায়দা লৈরমগদগে হায়কম খংদে অদুগা থিরুফমশু খংদ্রে। নুমিৎ তরেৎ নিপালনি হেক্তিল্লগে মখোয়বু উদবা। ওকেম্মা চাব থকপা কাওবমখৈ খা অরাং, নোংপোক-নোংচুপ নাইকৈ মরি চত্তুনা থিবা হৌরক্লে। অয়ুক-নুংথিল নুমিদাং অরেপ্পা লৈতনা থিরি চংলি। মতৌ অশুম্না মতম কুইনা চথরবদি ওকেনগী ফিভম য়াম্না ফরক্লোই। হায়রিবা অসিমক মশাশু খঙৈজ, অদুবু করিমত্তা নাচুংবা লৈতনা মথৌ পাংথোক্লবা হোৎনরি।

নোংমা অথেংবা অহিংনি। নুমিদাংগী বারো মখায়রোম তারকপা মতমদনি। নুমিৎ অদু নোং থিক্লি থিক্লি চুরি। মম্বশু য়াম্না মম্মী। অরেপ্পা লৈতনা চৎপতনা চোকথরবা ওকেনগী হকচাং অদু উখোং অমদা ঙাদুনা ঙাইহাক্তং তুমথরম্মী। তুমজৈ হায়বতা মঙাইরে, পোম্থাবা লৈত্রে। মমঙদা বীনো অমদি অমর-না ন্বানা খাংলিবা পুম্নমক উরে। নোং মরিক মরিক্লা মশা পুম্নমক পুমচোৎ চোৎলে। হকচাংদা অইংবা খজিক্তং ফাওরকপগা ওকেন মিৎকপ থোরক্লে। মিৎকপ হেক থোকপগা অরাপ্পদগী

মীরাখোল অমা য়াম্না পিক্লা তাখিবগুম তৌই। ওকেন চিংনবগা লোয়ননা ফুক হৌগৎলি। অদুগা মখোল তাখিবা মাইকৈ অদোমদা খোংকাপ লাওনা থাংদুনা প্রপ প্রপ চংশিনখি। অশুম লাকপনা চীংয়া য়ৌশিল্লক্লে। খজিক্তুং চৎলগা চীং অনিগী ভাইনফম চীং কারক অদু য়োরে। মফম অদুদা মৈ থান্নগী মঙালশু লাপতক্লা উই। মী লৈ হায়বা খংলদুনা ওকেন য়াম্না চেকশিন্না-তুমিন্না মফম অদু তানা চ শিল্লক্লে।

ইস। অঙকপনি মফম অদুগী ওকেন্না উরিবা দৃশ্য ময়াম অদু। হুরান্বা, ডাকু, মীহাৎপা, কাংবু কয়া নোক-খেদুনা ফম্লি। রারী শাব শারদুনা অরংবা লিক্লিদগী থৌনাফবী শকহেন্বী অমুত মবুকথন্না থন্না থক্লি। খরনা তাস শান্নদুনা লৈরি। থোং ময়াদা নোংমৈ পায়বা অমা অনিশু গার্ড তৌদুনা থোং ঙাক্লি। অহিংচুপ্পা কনামত্তা তুম্নদ্রমাল্লে। ইস! হুরান্বগী সংসার— য়েংউনে মনাক্তা লৈরিবা ময়ামশে।

নোংনগা পংকন কন্না চুদবনে, মখোয়না লৈরিবা মফম অদুনগা চীংগু হুৎ ওইনা হৌবনে অদুনা মরম ওইদুনা মপান্দা নোং চুরি হায়বা খংদে, মপানগী কিভম অমত্তশু উবা ঙমদে। য়াম্না চেকশিন্না ময়াম অদু তানা চংশিল্লম্মী। থাওমৈগী মৈঙান্দা উরে, লংলং-লংলবা, য়েংবদা তু-চুংলবা—থাংপাক মচিন তুম্লবা তা কয়া থম্লি। পুম্নমক অদুগী মথক্তা খুদক্তা লোইশিন্না তুম্লবা রিভোলবর, পিস্টোল মশা মশাদা লোইনা য়াওনরি। গ্রেনেড খরশু তাদুনা লৈ। ময়াম অদু উরগা কিরোইদবা মী লৈতে।

ওকেনগী থম্মোইদগু তৌবিবা ফাওদবা নত্তে। মথন্তা খঙ্জে করিগুম্বা উথিবা থোক্লবদি এহিবদি লাইরদনা হকচাং মচেৎ অমা ফাওবা ঙবা ঙম্লোই। মীওইশিং অদুগী মরক্তা মানা থংবা মী থরগু য়াওরি। মখোয়শিং অদু উরগা ওকেম্না থাজবা অমগু লৈ মতুদি মফম অদুগক্তা মাগী নুপী অমদি মনাও শোয়দনা লৈরমগনি। য়াম্না তপ্না লোন্না তুমিন্না ওকেন ময়ামগী মনাক নকশিল্লক্লে। মাগী মনাকমক্তা লৈরিবা মোঙশোং অদুমক লৈরম-দ্রবদি ওকেম্না মফম অদু য়োনা চংশিল্লকপা ঙম্বগী শক্তি লৈতে। মোঙশোং মরুমদা লুমদুনা য়েংলিঙৈ মতমদা ময়াম মরক্তগা নুপা অমনা তোর্বলাইত অদু কাপ্পুনা কোইয়েং য়েংলকই। লাইবক ফবদগী চান্নবা হৈবা ঈশ্বরনা চান্নদুনা— মীনুংশি থবী ইমা মোঙশোংনা ওকেনগী হকচাং পুম্নমক থনজিন্নিখি। চৌংগী নুং মরুমদা লুম-লুমদুনা তপ্না তপ্না চংশিনখিবনা ময়াম অদুদগী ঙনা য়াম্না লাপথোকখ্রে।

মখোয় ময়াম্না লৈরিবশে মপান ইথং থংবা কাদনি। হৌজিক অনিশুবা কাগা তাইনফম রাল অদু য়োশিল্লক্লে। হন্দকমুক্তি ওকেম্না কা অদু কানশিন্দুনা চংবা ইরাই লাইনা ঙমগনি নিংদ্রে। চংফম অদুমক্তা সন্ত্রি অমনা ঙাকশেন্দুনা লৈ। অদুম ওইনমক ওকেন চংদবা য়াদে। মনুংগী অয়োনবা পুম্নমক থংদোক্কে হায়বশে ওকেনগী লেংদ্রবা অনিংবনি। অদুনা লেপ্না লৈতনা চংশিল্লকপনা সন্ত্রি অদুগী মনাক য়াম্না নকশিল্লক্লে। সন্ত্রি অদুনা হম্না য়েংগে হেক তৌরকপদা ওকেনগী থৌনা

ফরবা মপাঙ্গল অদুনা চোংশিনখিডুনা সন্নি অদুবু মঙক্তা কোন-শিন্দুনা মন্নুং-মপান চিংথোক-চিংশিন শান্নরম্বা শরু মরী অদু থদংপিরে। খুৎলৈ থুনা অশিবা মশা অদু মকুম অমদা চিংশিন্নগা মশাগী ফি-রোল পুম্নমক ওকেন্না শেৎচিন্দুনা সন্নি অমগুম মাশু ঙাইহাক্তং শাংলবা রাইফল অদু পায়দুনা লেপই। অদুদগী প্রপ প্রপ কা মন্নুংদা চংশিল্লম্মী। ফনা শাম্না চংশিল্লবা তুংদা ওকেন্না উরে মদুদি যুম্বী অমদা নুপা অমা থৌবিনা ইকোয় কোয়না পুনশিন্দুনা লৈ। খোংলৈ থুনা চংশিল্লবদা নুপা অদু মশক খংলে। ও ! ওম্ভোরুশু রানা লেপ্লেদকো –। য়েংউনে –, হে সংসার— অস্তক থিনা ওৎ নৈরিবশিবু করম্বা মখলগী পাপ লংজখিবননোনে? নুপা অদু শরু হোন্নি হায়-বমখৈদি খ ই অদুবু মশা পুম্নমক পুঙপং পঙথরে ভাব অমত্তা তাদ্রে। নাক য়েত্তা য়ে লম্লগা পুনশিন্নিবা থৌরি অদু ওকেন্না লৌথোকপা তোংলৈ। লৌথোকপা লোইবমদাই অদুমক্তা মপান্দগী মী অমনা কবেম্নবকই, "হো বাবু সাহেব, নংত নি হেবো কৌগদবা— অহিংচপ্পা থৌবীগা তুম্মিন্নবা ঙম্বা— ঐথোয়শু মিৎকুপ অমত্তং পোত্থাখিগেকো—।" জুরার শান্নরম্বা ময়াম অদু খোন হৌনা রা রা নোল্লম্লগা চেপনখ্রে। কৈনা তুম্বা য়াও — চেপ্না তুম্বা য়াও, মথন মথন তুমথনখ্রে। তাঙ্গা ফংলবদা পন্থবা লৈতনা ওকেম্না থৌরী অদু থুনা লৌথোক্লে। লৌথোকপা লোইবগা মী অদু পোপ তুথরবই। তুথরকপগা ওকেম্না পমখৎলি অদুগা মমাইদা মথুৎনা শেং শেং থাদুনা নুপা অদুবু হৌদোকই।

মিৎকপ থোক্লকপনি হায়গদ্রা— ভাব তারকপনি হায়গদ্রা খংদ্রে— মুপা অদুনা অশুম্না হায়্‌কই, "পেন্দ্রিবা— ক্লখো, কল্লক পেম্না—, ঐবু শিদ্রি ফাও ফুবিখো।" মাগী ম্বাঙাংদগী ফত্তবা শঙ্গু ময়াম অদুনা মাবু ফনা থিনা ওৎশিরে হায়বশে খংবা ঙম্লে। "হৈ অমর – অমবজিৎ – ঐনিনে— ঐ, নংগী তামো ওকেন—" মশা নোমদুনা মুপা অদুবু হৌদোকচৈ। হৌজিক্তি নিংথিনা ভাব তারক্লে। ইঙক ঙক্লা মাগী তামোবু কোনশিনজরদুনা হায়রকই, "তামো— তামোদি মফম অসিদা করম্না য়োরক্লিবা— অদুগা শেৎলিবা দ্রেশ অদুনা কদায়দগী— ??" ওকেম্না মখা তারকই, "ম্বারী শানবগী মতম নত্রে অমর— ঐখোয় অনি তুমিন্না, চেকশিন্না থবক চংবা তাই খংলত্রা – ?" "ইহৈমশু থংনবা কাদা শোয়দনা লৈবমগনি — মাদু লৌথোকলুনবা হান্না হোৎনখিশি—।" অমরনা মাগী তামোবু থংনবা কা অদোমদা মখুৎ পায়দুনা চিংই। "নত্তে, নত্তে— মদু শোয়রে— অহানবদা ঐখোয়না তৌগদবদি মপান থংবা কাদা তুম্লিবা মীয়াম অদুগী মশাদা য়াওরিবা খুৎলাই ময়াম অদু লৌথোক্কদবনি।"

ঙাওশিন্নরবশু ওকেন— হৈ-শিংলবা মী অমনি। মীৎনা শিংদবা নত্তে। মাগী হৈ-শিংবা মত্তৌ অদুমক্তনি— ইন্সপেক্টর চন্দ্রশেখরনা ওকেনবু এস, আই, ওইনবা এস, আইগী, ইণ্টরভিউ ম্বাওননবা কম্না থেম্লিবদো। চন্দ্রশেখরনা খঙই মদুদি ওকেন হায়রিবা মুপা অসি পুলিস অমা ওইবদা ওস্থোক্লা মস্তিক চাই।

মশা মউ ৱাং-চাউই, মখোং-মখুৎ য়াম্না ৱুই, মমিৎ-মনা শিংই। পুন্নমক অতুগী মথক্তা ৱা ঙাংবা য়াম্না শিংই— অচুম চুমদ বাচার তৌবা নিংথিনা হৈগনি। শম্না হান্নরবদি মহাক অনি মাংক চাবা অফবা মানি।

নুংৎ লোক কোক ওৎলম্লগা ওনেম্না মনাংনু লমজিংজনা মীহাৎপা ডাকু ময়াম মতুগী মনাক য়োৱরক্রে। মখোয় লোয়নমক নাখোঙ্গনা তুমি। কপ্না কপ্না মশা মশাদগী খুৎ নাংশিংদা লৌথোক্লে। মচিন মনাওনা রিভোলবর অমমম মক থন্না থন্না হাপচিনগা পাইশিল্লে। অনেম্বনি ওতুংবা মদ-মচাক থুন লোইনা লৈথোক্লগা মকাৎপশি ওতুদা অমুক য়াংশিনবিরে। থাং-তা ময়াম অজনা চেংশো মবক্তা লোৎশিনদুনা থম্লে। মখুৎ চাবা থাং তমা খএগা অমরনা পাইশিজ্জনে, চেনেও মখি মতোংশু কাপচিল্লে। মপানা লৌগদবা পুন্নমক লোইবতুনা মচিন-মনাও বীনোমানাবু খিবা চংলক্রে। ওঙ্গোক্লবু ফজৗরদা তুরাঙ্গী কেথুং অসি। খদ্রেদা মসিবু ফজৈ হায়গদ্রা নত্তগা কিজৈ হায়গদ্রা— ? য়েংখি য়েংখিবদা অকিবগী অকিবমক্তা। মী লোৎফম তুইরমে— চীংগু অতুদগী মতুং মতুং মখুন কয়া উরি। হায়রিবৈঙমক্তা লোনৈ পায়বা নুপা অমা মখোয়নিগী মনাকমক্তা লেপ্তুনা লৈরম্বদু উবে। মখোয় অনি হায়ফেত্তুং লৈশিল্লগা চীংনুংদা চাংমাংদা নপ নপ্তুনা লৈ। থাঙ্গা ফংলতুনা ওকেন্না হঙ্গৎ হন্দা চৎলিবা নুপা অতুদা চোংশিনখিতুনা মঙক্তা কোনশিনখ্রে। অমরশু খুদক্তা চোংশিন্দুনা নুপা অতুদগী নোংমৈ

মুনখ্রে। লাওগে খনজরম্বা ন্নপা অদু সাউণ্ড বোক্স কায়রমাম্লে রা-ভাংবা থোকখিদ্রে। মাবু মচিন-মনাওনা লোইশিল্লম্লগা অমুক মখা তানা চংশিল্লক্লে। হান্নগুম হন্দকমুক্তি ইকোম কোম্না চংবা য়াদ্রে। কদোমদা চংগদগে হায়বা খংদ্রে— থোং পান-ফমগু খংদ্রে। অকোয়বা অদু ফক্লাংগী ফক্লাংমক্তা ওইনা তৌই। ওকেম্না ফক্লাংদা মা-মাত্তনা থিরে অদুবু চংফম লৈদ্রে— হন্দোকপা নত্তনা উপায় লৈত্রে। অদুম ওইনমক থিবদি লেপ্তে। অমম্লনা কৌরকই, "তামো— ংসিদা লৈবে—।" স্নইচ মপা অমদা কিৎ নমত্তনা থোং হাংদোবহল্লে অদুগা মচিন-মনাও পন্থবা তৌদনা চংখ্রে। কা অদু লানশিন্নগা মখোয় অনি মশা মশাগী তৌফম থোকপা মথৌ চথবা হৌই। হন্দকমুক্তি মখোয় অনি কা অমমমদা চংনরে।

মতম কুইনা অম্রা-মৈশা খাংলকপা অমদি অকম্বা চৈক্ত চৈনা খাংলকপনা অমরগী মশা অত্ত চোকথহনবদি লাইরদনা থোইনা হেন্নত্তম মপাঙ্গল হাপকৎখ্রে। অশাও মৈরিনা চাক্লুনা অমরগী হকচাংদা চেল্লিবা ঈরিক খুদিংমক অশাওবনা জম্ন তৌখ্রে। লৈরম লৈরম্বা পুম্নমক চোংশিন চোংশিন্দুনা লংনা থৌরবা থাংপাক অত্তনা লোইশিনবা হৌরক্লে। মী হাৎপগী চিংনবা করিমত্তা মশাদা পোকত্রে। থাংগী মমাঙদা নোংমৈগুলী লেপ্পা ঙমখিদরে। রাইফল পায়ত্তনা লেপ্লম্বা, চৎলম্বা হুরানবগী মিলিটরী কয়া মকোকা মশাগা তোংঙান তোংঙান তারে।

অমরোমদা ওবেনস্থ অকিবা লৈতনা মাগী হৈনবী খর

মরী থদংপা অদু তৌরি। মী কয়া মাগী মখুত্তা হাত্তোক্লকপনা মমৈদা হুরাম্বশিংগী খ্বাইদগী অরোম্বা কা অদু য়ৌশিল্লক্লে। অমরশু হায়রিবা কা অদুদা চংলক্লে। মমাঙমক্তা লেপ্লিবা মী অদু লোইশিল্লগে হায়দুনা থাংগী শক্তি পুথোকচরকই। অকম্বা খুৎহায়গা লোয়ননা থাং অদু কায়থরকই। মীৎ-না শিংলমত্রবদি মনাওগী খুত্তা ওকেন থরাই শোয়দনা থারমগনি। শঙম ফবদা ওকেন্না চোংখোকলমত্রবদি খুদক্তা ওমচাক্লরবা মাগী থরাই অদু লোইরমগদবনি। হুরাম্বগী ফিজেৎ অদুনা মমাম্বনি হায়বা খংলুদবদগী থাংনা ময়াম্ববু কক্কদবগী হোৎনকুরবা অমরনা খর থবেৎ থবেৎ হোল্লদুনা "তামো" হায়না কৌজে।

অরোম্বা কাদুগা হেক থংনবদা নুপীগী খোঞ্জেল য়াম্না পিক্লা তারি, "থাদোকঙ ঐবু— ঐবু শোক্কনু—।" চৈনা খাংবগী রারবা খোঞ্জেলগুম তৌই। মচিন-মনাও পুন্না মথং মথং কা অদুদা চংখি। মতৈমগী শক্তম উবদা অমর কপ্লদুনা "ইতৈমা!" হায়না কৌরগা পুনশিন্দুনা থম্লিবা মতৈমগী মনাক্তা চেনশিল্লি। করেম্নবগী মতৌগুম নোক্তুনা লৈরিবা নরেনগী মাইথোংদা মুন্না য়েংলগা ওকেন্না লাওরকই— 'নরেন'। ওকেনগী অশাওবা অদুবু হেন্নমুক মৈচাক হাপকৎপগী মতাংগুম নরেননা করেম্নরকই, "নথোনা লৈ হায়বা খংডরে ওকেন বাবু—, অদুবুনে ওকেন নংনা নরেন ঙমগনি হায়না খনগনু—।" অসি হায়রম্লগা ফাক ফাক নোকই। খুৎলৈ থুনা অমরনা থাং হায়গত্তুনা নরেনবু খুদক্তা লোইশিনগদবগী হোৎনজররকই। অদুবু লাইবক

থিবদি মখুত্তগী থাং মখলানা খংখে। তুংদগী কাপ্লকপা নোংমৈ গুল না পান্দুনা অমবগী য়েংহৌবা খুৎকী খুদা দা পাল্লে। অমা য়েংথোকখিবদা উবে— কা অতুগী অকোয়বদা নোংমৈ পায়বা মী কয়ানা মখোয়বু কোয়শিন্দুনা লৈরম্মে। উপাই লৈনদুনা ওকেনগী খুত্তগী রিভোলবর লৈমায়দা থাখি। অমবশু অশোকপা মফম অদু মখুৎ ওইনা পাযশিন্দুনা লৈনা খংজে।

ওকেন থাংনা শোকখিবা -, বাণী শিজ্জনা লৈরম্মা অদু। মথক্তা মচিন-মনাও অমদি ব নোমাপা মাংখিবা পুষ্পমক শা নদা চন্দ্রশেখর ভুমিন্না লৈথোকপা হৌদ্রে। পুলিস ইন্সপেক্টর হৌবা ওইনা চন্দ্রশেখর থবক্তা থমা চাংশিনবা মানি। ওকেনগ মনাওমক ওইনা নুংশি। চন্দ্রশেখর অমদি ওকেনগা মপা মচা লৈরিবৈ মতমদগী হৌনা ইমুং অনি অদু ককশিন্নবা হৌগ্রবনি। অহল অনি অদুনা মচা—মচা কৌনা লৈনহনশি হায়বা ফাওবা খন্নরম্লবনি। অদুবু হায়রিবা লোন লৈনবগী মবী অত্তমক্তি এহপ অনিনা লৈখিদবগা লোইননা কাওথোরম্লে। চন্দ্রশেখরনা ওকেনগাদমক মতম লৈবা খিবিও। খনবত্তা খন্দুনা লৈ। থোক্লিবা থোদোক অদু উবদা চন্দ্রশেখর চাবথকপা চখিদবে। মাগা নুপাশু অদু মঙাই। চন্দ্রশেখরনা ওকেনবু নুংশিবগুম মাগী নুপীনশু নুংশি। মখোয় অনিগী অমত্তা ঙাইজবী মচানুপী কুঞ্জরাণীশু মীনুংশিগী ঈ চেন্দবা নত্তে। মচিন-মনাও অমদি বীনোমালা মাংখিবগী পাও তাবদা কুঞ্জরাণী রাখলনা ফুম্বংনবীনি। মশাগী চহি ১১/১২ শুরকপা মতমদা অমরজিৎপু

অহানবা ওইনা উখি। অহানবা উনবদুদগী হৌনা মাগী থম্মোইদা অমরগী মমি তাবা হৌথ্রবনি।

চন্দ্রশেখরনা লুচিংদুনা পুলিস য়াংখৈগা লোয়ননা ওকেন—মচিন-মনাও অমদি বাঁনোমালাবু থিবা হৌরক্লে। নোংঙাল্লম-দাইগী শজিক্লা নোংপোক থংবা অভিয়াদা ইরং-লংনা মোমোন মিনোরদুনা চন্দ্রশেখরগী লম্বী তাকপিবগুম তৌরি। তম্পাক্তা থিবা লোইরদুনা চীংয়া চীংখোংদা থিরকপা মতম্নি। চাং অনিগী কারক্তা হুৎচিন্দুনা চংখ্রিবা লম্বী অদু তুংইন্না জিবশিং অদু মথং মথ' অরেপ্পা নৈতনা থৌজিনখি। গাড়ী মখোল তাবদা মপান্দা ভুম্লম্বা মাহাৎপা কাংবু অদু ফুক ফুক হৌগৎলি। পুলিস ময়াম লাকপা উবদা মীপাইনরে। মশা মশাগী ফিভম শেম্রদুনা লোৎফম য়েং-য়েংদুনা নৈনখ্রে। চন্দ্রশেখর থোইদোক্লা হৈ-শিংবা পুলিস অমনি। লুচিংবা অমা ওইনা মতিক চারবা মীশক অমনি। মশাদা অকিবা মরিক অমত্তা নৈতে। চন্দ্র-শেখরনা মাং থাদুনা পরপ পরপ চংশিল্লি। মনাকমক্তা লুম্লম্বা মা অমনা চন্দ্রশেখরবু রিভোলবরনা তমলকই। অদুবু লাইবক থিবদি মাগী রিভোলবর অদু মক্ন য়াওরমদ্রে। ওকেন অমদি অমরনা হান্ননা লৌখোকখ্রবনি। চন্দ্রশেখরগী রিভোলবরনা পাওখুম পিদুনা মী অদুবু হাত্লোক্লে। হুরান্বা পাটি ময়াম অদু মশাদা বিভোলবর য়াওজরবশু মরূদি য়াওদ্রবনিনা উপাই নৈত্রে। অদুমওইনমক মখোয়শিং অদু মথৌনা নৈতবদি নত্তে—শিবগীদমক চিংনদ্রবা মাঁওই ঙাক ওইনা তৌই। নোংমৈ গুলীগী

মমাংদা চোংশিন্দুনা পুলিস খব হাণ্ডোক্লে অদুগা লোয়ননা মখোয়গী থৱাইশু থাবে।

মপানগী নিল-খোংবা— নো মৈ মখোল তাবদা নবেন চিংনদবা ঙমদ্রে। খুদক্তা মচিন-মনাও তমদি বীনোমালাবু কা অমদা পুশিল্লগা কাগী খোং পুম্নমক থিংজিল্লম্লগা থোকখ্রে। কা অদুদা নুংশিৎ চংফম শম্ন অমা ফাওবা লৈতে। অচৌক শাথিরবা মতমদুদা মখুন অমদগী মৈখু ফ্রু ফ্রু কামশিন্নরে। কা অদু মৈখুনা পুম্নম মল্লে। মখোয় অহুম্ভু তমথিরবা কা মং, অদুদা ইনশিল্লম্লগা নরেন মাগী পার্টিগা লোয়ননা পুলিসকী মায়োক্তা চোংথোকখ্রে। নাকল অনিমক থিনা থিনা শোক্লরে। পার্টি অনিগী অকম্বা লানফমনি। মমৈদা পুলিসকী ফোস না, হেনজিল্লক্তুনা হুরান্বা কা বু অদু লেপ্পা ঙম্নবে। চাংদুংদা নোংমৈ কাপ্পবগী খোঞ্জেন্না খোন্থা মৈদুনা পুমনিল নিল্লে। যুমদা লৈবা কয়াশু খোঞ্জেল অদু তাবদা কবি থোক্লগবা খঞ্জানন্না য়াম্না রানরে। মাপাইচাওবী চন্দ্রশেখরগী নুপীনি। ময়ামদগী মানা রাবগী চাং অসি খবদি হেল্লম্বা তাই। করি থোক্লমগদবা খন্দুনা য়াম্না রানা মপুবোইববু ঙাইদুনা লৈরি।

নুমিৎশু নোংপোক চীংদোন লিৎখৎলক্লে। মীপুম খুদিং য়াহৌনদুনা নোংঙাল্লমদাইদা কাপ্পখিবা নোংমৈ মখোনগী রারী শাবা হোনরক্লে। নুমিৎনা চী থক লাম্থোরক্লবদা উপাই লৈত্রদ্রুনা নরেন ময়ামদগী নাম্থোক্তুনা লোম্না চেনখ্রে। নরেন নত্তনা লৈহৌবা হুরাম্বা অয়াম্বা পুলিসকী নোংমৈ গুলীনা পান্দুনা থরাই

থানখ্রে। হুরাম্বা পুম্নমক শিরবদা চন্দ্রশেখর— ওকেন মচিন-মনাও, বীনোমালাবু থিবা চংলক্লে। থিংজিল্লিবা থোং অদু হাংদোক্লুনা মৈখু মরক্তগী ম্রান্থদুনা লৈরিবা মখোয় অহুম্বু মপান্দা পুথোকপিরে। মপানগী অশেংবা শুংশিৎ ফংবদা, রান্থাংরবা মখোয় অহুম্মক ভাব তারক্লে। ভাব তারকপদা চন্দ্রশেখর অমদি পুলিস ময়াম লৈরম্বা অদু উবদা পুংঙক থক্লে। মতৌ অদু খংবদগী রাবোল পুম্নমক তম্লদুনা অঙকপা পুম্নমক কোকহল্লি। চন্দ্রশেখরগী মখোঙদা তুরগনা ওকেম্না হায়জরকই, "তামো— মামোগী মীপুংশিদগী ঐখোয়বু কম্বিরে। মদুগী লমন এখোয়না করিনা শিংগনি— ?"

"শে, শে হোংগৎলু— কৈদৌনা থম্মোই পিকথবিবনো— করিগী লমন - শে হোংগৎলো।" অসি হায়দুনা চন্দ্রশেখরনা ওকেনবু চিংখৎপিনি। মচিন মনাও অমদি বীনোমালা চন্দ্র-শেখরগী মীপুংশি অদু উবদা মমিতগী ঈবা শিন্থবকখি। মখোয় অহুম পুলিস ময়ামগা লোয়ননা মযুম তম্লা গাড়ী থোরক্লে। চন্দ্রশেখরগী মচিন্দগী নরেন নাম্থোক্লুনা চেনখ্রে তাবদা মম্না ক্রক ক্রক চিক্লদুনা ময়াম মনাঙদা লাওরকই, "নরেন— নংনা ঙসি নাম্থোকতুনা চেনখ্রবশু নোংমদি শোয়দনা থেংনরকখি-নিদনা— ঐনা ম্রাশকখ্রবনি— নং অমদি নংগী নপাল-নউ-চার তুম্না মাংহনগে খংলব্রা— শা।" চন্দ্রশেখরদা ওনশিন্দুনা, "তামো— ঐগী ম্রাশক অসি নি বা থুংহন্বিয়ুকো।" "শুকশোয় শোয়দবনিনে ওকেন— ন গী খুত্তা নরেন লোইবশে শোয়দ্রবনি।

নরেনগী থরাইদি ওকেন নংগী খুত্তা লৈরবনি। নোংম-নিনি চোম্ববগী রাতনি।"

য়ুমগী গেট হেক য়োবগা চন্দ্রশেখরনা হায়রকই, "ফরে ওকেন লৈহৌরসি— হয়েং অমুক উনরশি।" অসি হায়রম্লগা গাড়ী অদু থোখ্রে। মখোয়না গেট লানশিল্লকপগা মাইবা মধু চেনশিল্লক্কুনা মখোয় অহুম্বু তরাম তরাম্না ওকপিখি। অহল অদুনা য়েংশিন্নিবদগী য়ুম অদু অতেক অকায় য়াওদনা লৈবল্লি-বনি। নুমিৎ কয়ানি চারক-থক্ল ক্কুবনা চোকথরবা হকচাং অমদি চৈনা খাংবদা রারবা দেহেশিং অদুনা পম্ববা তৌদনা থো হাংদোক্লগা ইমুং চংখ্রে। ইস য়েংউনে— কয়াদা চোকথরবা হকচাংনোনে— চংখিবগা অমোনবা হিপফম মথক্তা পোপ-পোপ তুথনখ্রে। মখোয়না তুম্লিনৈদা অহল অদুনা হীদাক শেম শেমদুনা অশোকপা মফম পূম্নমক য়েং য়েংদুনা হীদাক মখল কয়া অদু তৈবিরি। পুংখাইমুক পোথানরুরবা তুংদা মখোই অহুম্মক হৌগৎনরক্লে। মখোয়না হেক হৌগৎলকপগা অহল অদুগী নুপী চান্দনীনা মখাং কোলি কোলি তৌনা চাক পুশিঞ্জরকই। মখোয় অহুম্বু য়েংলদুনা হায়জরকই "ইচাশা— চৎলো, চৎলো চিন-রা শেংদোকলুরো। অদুগা চাক খরা খরা চারগা পোথাশি— চৎলো থুরো— নখোয়গী নশা অদু য়াম্না চোকথরনি— ।" অহল অদুগী মত্তৌ উবদা ওকেন মচিন-মনাও অমদি বীনোমালা শুৎ শুৎ কপ্লক্লে। শিন্থরকপা পিরাংনা মমাই মমিৎ পুমথুম থুক্মাৎখ্রে।

ওকেনগী থম্মোইদা নরেনগী শক্তম তোয়না উরি। নবেনবু লোইশিনবা হায়বশে লেংদ্রবা ৱাশরি। নরেনবু থিননবগীদমক ওকেন মশামক পুলিস অমা ওইবনা খুদোং চাগনি খল্লদুনা ঙাঙ্গা ফংলবদা এস, আইগী ইণ্টরভিউ য়াওশিনগ্রে। ওঝা ওইবনা মাগী আশা, ৱাশক অদু মপুং ফাবা ঙম্মোই নিংদুনা ওঝা ওইবা তোকথোক্লুনা পুলিস চংলে। পোস্ট অমগীদমক মী চা কয়া ইণ্টর্বভিউ তৌদুনা খন্নরবা হৌজিক্কালগী চৎনবীনি। অদুগা ইণ্টরভিউগী অর্থদি করিশু নৈতে। ঐনা চাও-শাংই, লাইরিক লাইশু হৈ হায়দুনা চংনিবা, ওইনিংবা পোস্ট অমা হেক ফংবা য়াবা নত্তে। নিয়মগী হায়কররবদি মতিক চাবা মীদা থবক পিননবগীদমক মীয়াম পুন্না ইণ্টরভিউ তৌরিবনি। মতমগী চৎনবী মতুংইন্নদি মতিক চাবা মী কনানো হায়রবদি শেঙ্গাও পায়বা মী অদুবুনি হায়বা তাই। শেল নৈররবদি থবক ফংলে— শেলনা ঙমদবা করিমত্তা নৈত্রে। লুপা লিশিং লিশিং পিদুনা ৱানোম্নরবা মতমসিদা ওকেনগীদি শেল নৈতে— লুপা পায়দে। অদুবু চন্দ্রশেখরগী মতেৎদগী লুপা লিশিং পিজদুনা ৱানোম্নরবা মী কয়া ওকেনগী মাঙদা মাইথিবা ফংনখরে। থবক ফংদ্রবদা— ৱানোম্বদা

চংখিবা শেল অদু হন্দোরবা কন্না তরুবশু য়াওনরে। অবোন্না শেল লৌশিল্লুবা মীওইশিংনা শেল হন্দোকপা ঙমদ্রবদুনা মথং অমুক ইন্টরভিউদা হোৎনগে— শোযদনা থবক পিগে হায়না থেয়্রে। লৌশিল্লুরবা শেল অমুক হন্দোক্লিংদ্রবদুনা ব্যাবহার য়াওবা ঝাঙাং শিজিন্নদুনা মাঙোন্দগী শেল পুরগা পিরকপা মীওইশিং অদুবু থেম্নি। ওবেন এস, আইগীদমক থা খব ত্রেনিং চৎলুম্নবা তুংদা এস, আই, অমা ওইনা থবক তৌবা হৌরক্লে। ফুবিৎ থাগী মথক্তা ষ্টাব অনি নপ্পবদুদা বোডি গার্ড ওইনা লৌচি পাযবা পুলিস অমা অনিশু মাগা লোয়নবে। থাগী থোংগ্রাউ নাকলদা রিভোলবর মক যাওদবা অমা য়ানশিলে।

মতম খর লৈরগা ওকেন অমদি বীনোমালাগী মচান্নুপা অমা ফজরে। মখোয় অনি মচাবু য়েংলগা হরাওনা নোকচরি। মমা-মপানা অঙাং অদুগী মমি রোমে হায়না থৌম্বিরে। ন্নুমিৎ অসিমক্তা নরেনগী ন্নুপা সাবিনিশু মচান্নুপা অমা ফংজখি। নরেনদি মযুমদা হল্লক্তবা কুইরবনিনা মচা অমা ফংজরে হায়বদু খংদ্রি।

হুমনিশুবা ন্নুমিৎনি। ওকেন ওফিস মতম ওইরদুনা প্রপ প্রপ লাকই। মাবু উবদা অহল অমনা হায়বকই, “ওকেন বাবু ওফিস কাবিরিব্রা— অদু খুডা রা অমত্তা নিংশিংজগে হায়রবু ইবুংঙোগী মতম থেংশ্রগদ্রা— ?” “তাকপিয়ু কৈনো খুডা— |” “খুডাদা শাওগনুকো— হন্দক ফংজরিবা অঙাং অদু ইবুংঙোগী নচা নত্তে— মদু নবেনগী ঈনি....... .... |”

অহল অদুগী রা লোইদ্রিবৈদা "করি হনুবা" অসি হায়রদুনা অহল অদুবু গলাদা পায়দুনা চিংই। অহল অদুনা মখা তারকই "অমুক্তা তাবিখো খুড়া রা হায়খিগে— ঐনা খ'দুনা হায়জবা নত্তে, নরেন্না ঙরাং অহিং ঐঙোন্দা নিংশিংলম্বনি। অদুগা অমশু হায়রম্মী মদুদি নরেন অঙাং অদুগী ষষ্ঠি পূজা নুমিৎতা লাক্লনি অদুগা অঙা' অদুবু লৌরগনি। অসি হায়রম্লগা মযুমদা চ'লমদনা হনখি। ওকেন বাবু শাওনু খুড়াদা— ঐদি পাওথাং পুজরকপনি। করিগুম্বা অঙাং অদুবু নরেন্না মুনখিবা থোক্লবদি হিংগনি হায়বা থাজদে। অদুগনে ইবুংঙো নবেনগী সাবিত্রিশু মচান্নুপা অমা পোক্লবনি। হায়রিবশে নরেনদি খংদবনি। ওকেন বাবু ঐনা নংবু ইচাগুম নুংশিজে অদুনা পাও অসি তমজর-রিবনি। 'ভাব তাও ওকেন— নরেনগী অচা অদুনা নংগী খুৎলাই ওইনৌ— নচাবু কল্লু—।" অসি হায়রম্লগা অহল অদু চৎখ্রে। অহল অদুগী অবোইবা রাঙাংদা ওকেন ভাব তাবে। "তৌফম থোকপা পুন্নমক ঙসিদগী পাংথোকপা হৌরগে—।"

মঙানি শুবা নুমিৎনি। ষষ্ঠি পূজাগীদমক শিল লাংবা লোইরে। অঙাংগী মপোৎ মচৈ তম্বা ওইনা বীনোমালাখোয়গী অহল-লমন, মরুপ-মপাং কয়া পোৎ-চৈ পুদুনা ওকেনগী যুমদা থুংলরে। মাইক্কী মখোলনা অদুরাইগী অনকপা য়ুম খরদি পুমনিল নিল্লে। নুমিৎ ময়ুম চ'লক্লে। পূজাগীদমক শেম-শাবা লোইরদুনা বামন অদুনা মন্ত্র থিবা হৌরক্লে। মন্ত্র থিনা থিনা

পূজাগী তৌফম থোকপা পুম্নমক লোইনা তৌরে। পূজা লোইরদুনা দান থাদবা হৌনরে। দান থাদবা লোইরমদাক অদুমক্তা নোংমৈ পায়বা মী অহুম লাক্তুনা পূজা অদুবু থুগাই-ররে। অহুম অদুদগী খরা রাং-চাওবা ম্নপা অমনা অঙাং অদুবু মন্নাম মরক্তগী চিংখৎখ্রে। অদুগা ময়াম মমাঙদা লাওরক্লে, "ঐ নরেন্নি— অঙাং অসিবু লৌবা লাকপনি— মরমদি অঙাং অসি ঐগী ইচানি— ঐমক্কী ঈনি— ময়াম্না থাজবিদ্রগা বীনোমালাদা হংবীয়ু—।" রাঙাং অদু শাবদা অঙাং উনবগী হকচাং ইচোক চোকথনা লৈরিবী ব নোমালনা রাম্বদুনা লৈমাইথক্তা হাইথখি। মখুত্তা নোংমৈ পায়খিবনা তিল্লমলিবা মীয়াম অদুগী উপাই লৈখিদ্রে; নরেনগী খুদোলা অঙাং মুন্না ঙম্নদ্রে। মরমদি মী হায়বশে মশা মশাকপু নুংশিবা— মশাদগী হেন্না নুংশিবা অমত্তা লৈতবা জীবনি। নোংমৈগী মমাঙদা কনানা চংলুগনি—? ওকেনশু তৌফম খংদ্রদুনা চপ লেপই। নবেন্না মখা তাবকই, "নচা কন্নিংলবদি লুপা লিশিং তারা পিবা তাই নত্রবদি ওকেন বাবু নমাংমক্তা অঙাং অসি হাত্তোক্কনি—।" মীয়াম পূম্নমক তৌফম খংনদ্রে। অদুক য়াম্বা শেল অদুদি কনাদগী লৌরুনি—? ওকেন্না লাওরকই, "হুরাম্বা— ডাকু— মীহাৎপা— শাগী লমচৎ চৎপা নরেন নংঙোন্দা ঐনা শেল পীবা হায়বশে পুন্সিসিমগী ওই-থোক্লরোইদবনি খংবা— লুট তৌবা নখোয়দা শেল পি পিদুনা হুরাম্বা য়োকখৎলুবগী করি দরকার লৈ? —নঙোন্দদি তিল

শিৎচিন্না নত্তনা কবিমন্তা ফংলোই।” অসি হায়রম্নগা নবেন তম্না চোংশিনখ্রে। অদুবু লাইবক থিবদি নোংমৈ পায়বা মী অমনা নোংমৈ কাপ্লক্কুনা ওকেনগী ওইথংবা মখোংদা পাস্রে। মনাক্কগী অহল খবনা ওকেনবু কোনখৎপিরি। নবেন্না অমুকশু লাওবক্লি. “ওকেন বাবু— নশানা য়াম্রবনিনা নচা অসি লোইশিন্না তাবে।” “যেংডনে-- নঙে-নঙে, অঙাং অসি অঙাং অসি—” ময়াম্না লাওনরকপগী মখোলনি। ও। ঙরাংতা তাইবং মংলান ফাওজরকপা ববিশু খংজদ্রিবা অঙাং অসিবু নোংমৈ শুলীনা— হস। • য়েংউনে কয়াদা মিন্ন শি খংথিদ্রবা জীবনোনে মখোয অহুম অসি নোক নোঙুনা চেনখ্রে—।

ইস। ওঙোরশু অমথিদবো
মাণুংশি মবিক অমত্তশু চেন্দ্রবা— হে ম ওইবা।
কবি লিচৎপু কৌশিগেনে— হে তাইবংপান ॥

যিংমম অদু উবদা মীয়াম পূম্নমক পুঙক ঙক্লবে। মীহাৎপা অহুম অদু চৎখ্রবা তুংদা ওকেনগী অশোকপা ঙকচা অদু নিথিনা পুনশিন্নিবে। বানোমালাশু ভাব তারক্লে অদুবু অমুক হন্না য়াম্নখ্রে। অশিবা অঙাং অদু উবদা মিপাইচাওবী কয়া হুমাং অকুপ্পা কানরে। তৌরিবা মতৌ অদু উবদা চন্দ্রশেখর ঙক্কবা ঙমদে। মযাম্না চমন্নদুনা লৈবিঙৈদা ওকেন্না মীয়াম মমাঙদা লেপখৎলগা লাওজরকই, “ময়াম পূম্নমক করিমন্তা নাচুংবিগনু— হৌজিক হাত্তোক্লম্না অঙাং অদু ঐগী ইচা নত্তে— নরেনগী থাঙ্গৈশেংবা ঈনি। অদুগা ঐগী ইচাদি ইমুংদা লৈরি—

কৌজিকমক ময়াম মমাঙদা পুথোকচরক্কে।" অসি হায়রম্লগা ইমুংদগী অঙাং মচা অদু পুথোরক্লে। অঙাং অদু উরগা ময়াম অদু হান্নদগী হেন্ন মুক ঙক্লগ্রে। অঙকপা অদু কোক্লনবগীদমক ওকেন্না ময়ামদা থোকখিবা ৱারী পূম্নমক লিজৈ— শিরিবা অঙাং অসি নরেনগী নুপী সাবিত্রিগী মচানি— নরেন লাকনি খংবদগী ঐনা সাবিত্রিগী মচা গুত্নুনা পুরকপনি-— অদুগা মচাবু মপামক্লা হাৎহন্ননি— ঐনা ৱাশকচখিবা 'মপান-মউ-চার' তুম্না মাংহনগে হায়বদুগী শরুক খরদি ঙসি পাংথোকচরিবসিনি। ওকেনগী লৌশিং অদু উবদা থম্মোই পেল্লহনা চন্দ্রশেখর হায় ফেত্তং খোইরুম মোমোন তৌই।

অমরোমদা সাবিত্রিদি মচা মাংখিবগী কেথাদুনা কপ্পি। ও! মরা ফত্রবশু নুপীদি মীনুংশিগী ঈরা শিন্তরেদে।— । কৈরোই লৈকাইগী মৌ নহা অমনা "নংগী নচা নপুরোইবনা হান্তোক্লম্লে" হায়না তম্লবদা সাবিত্রি ৱান্তদুনা পুন্সিগী য়াহিপ তানখি।

সাবিত্রি লৈখিদ্রে তাবদা ওকেনগা থম্মোইদা নংঙাংতবা খরদি ফাওখি। অদুবু মীনুংশি খংদ্রবা নরেনগী থোইনশিন্না পূম্নমক্কী ফত্তনবা ওইরক্লবদা সাবিত্রি লৈখিদবদু খর হেন্নদুম করে। হৌজিক্তি ওকেন্না পাংথোক্কদবা থবক পূম্নমক লোই-শিল্লক্কদৌরে। নরেনগী নুপী লৈখিদ্রবনিনা নরেনগী চার কদাইদগী লাকনি— লৈজরম্বা অনৌবা চার অমশু মশামক্লা ফুক্তৎপ্রবনি—। ওকেনগী ৱাশক্কী মতুংইন্না মানা পাংথোক্কদবা অমত্তা ঙাইশিল্লক্লে। নরেন মশামক থেংনরগা ওকেনগী অরোইবা ৱাশক পাংথোক্ক-

দৌরিবনি। অদুনা ওকেন্না নরেনবু লোয়া থিবা হৌরক্লে। মীঙোন্দগী পাও লৌ-লৌদুনা নরেনগী অহিং য়ারেকফম থিরি। অদুগা য়ুমদনা কমদৌরি................? নরেনগী ৱাহৈ খরনা বীনোমালাগী মশা অদু লাইমন ওইখিদুনা অনাবগী মহিক্না চিকপা হৌরক্লে। নোংমা নোংমগী অনাবা হেনজিল্লক্লে। থা অমা অনি মথং মথং হৌখ্রে। বীনোমালাগী হকচাং-হকচাং নপ্রে। শক্বদা উনশাহনা কুপ্রে। নোংমা নরেন্না মঙোন্দা 'হায়য়ু বীনো - অঙাং অসি কনাগী মচানো— নরেনগী ঈরা - ?' হায়না হংখিবা ৱাহং অদুনা বীনোমালাগী অনাবগী চাং অদু থিনা হেনগৎহনখি। মমৈদা ওকেন মশামক্তশু কৈদৌনা হংলুরবনো খঞ্জরকখি। অশুম লৈনা লৈনা থা তরুক ফাজিল্লক্লে। অদুবু বীনোমালাদি ফবা কোবা হৈখিদ্রে। 'থা তরুক লুমিৎ তুম্নি' শুরকপা কালেনগী থাশি লুমিংনি। বীনোমালানা অমর-জিৎপু কৌরদুনা হায়রকই, "ইতৈমগী ইবুংঙো অমর— নতৈমগী ইরাল পূন্নমক ঙাকপিয়ুকো - থোকখিবা থোদোক পুন্নমক নংদি লোইনা উরিবনি— ৱাবোন পুন্নমক অমত্তা চিংথদনা নংগী তামোদা তম্মুকো ইতৈমগী অমর।, আ......... আ......... আই,............ অ ম....র— এই য়াম্না ৱারেদা— নতৈমনা ইনাওগীদমক করিমত্তা ঙৌঙমদ্রেনে অমর—।" নত্তে ইতৈমা নত্তে - করিগীদমক এঙোন্দা— ইতৈমা —।" কপ্পা নত্তনা উপাই লৈখিদ্রে অমর। "কপকনু অমর— করিগী কপ্লি— ইতৈমনা ঙসি সংসার থাদোক্লমদাই মতমসিদা কৈদৌনা কপ্লি—

নম্ভে অমর— নোকউনে অমুক্তা— নোকউনে অমর— কপ-কন্নুনে অ····ম····র।”

ওকেনগী মিৎলু নাপোম অনিমক পিনা থুক্নৎখ্রে। মপুরোইববু য়েংলগা তপ্না হায়জরকই, “েল্লবী ননাইবু রাবৌবি নুকো— ঐনা লানখিবা পুম্নমক ঙাকপিয়্কো— ঐনা শে না হায়জরবশু নহাক্না থাজবিগদবা লৈত্রে— অদুবুনে ইবু'ঙো ‘মীহাৎপা নরেনগী বা লৌবিগনু— মানঙ্গা মাগী বা’ থাজবিগন্ । অদুমওইনমক ঐগী ইরাদি মশি থিঙমদনা লৈবমখিনি ঐবু অমুক্তা ঙাকপিযু ঐবু অমুক্তা ঙাকপিয়ুনে ইবু ঙো ”

মপুরোইবগী মখো' থম্বালবু অমুক্তা শোকচগে হায়দনা নোঙ্গরকই। “বীনো— থম্মোইগী মালা— শে— করিগী কপ্লি— নংগী নবাল লৈত্তেনে বীনো— লাল্লিবদি শা ঐনিনে ঐ। শে-কপকনু, কপকনু হায়বা— নংনা কপ্লগা ঐ খাংবা ঙমদে।” শন্দা উনশাত্তনা কুপ্লবা হকচাং অদুবু তপ্না নাম্বারদুনা ওকেন্না বীনোমালাবু পোথাহন্নবগীদমক হোৎনজৈ। মিৎলুদগা শিঙ্গবকপা পিরাংনা বীনোমালাগী হকচাংদা তৎ-তৎ তারি। অমরগী মমাই-মমিৎ ইপোল পোমখৎলে। ইতৈমা হায়বদগী হেন্না কবিশু হায়বা ঙমজদ্রে।

অহিং নোংয়াই য়ৌশিল্লক্লে। মতম অদু ফাওবা ওকেন অমদি অমর তুম্বা লৈখিদ্রে। নাহেখোল তাবদা থম্মোইদগী ঈ চুপখিগদৌরে। অমরনা মতৈমগী মখোং তপ্না তপ্না নাম্বিরদুনা মতৈমগী অনাবদু ফরকপা ঙাইজরি। ওকেনশু অদুনি চত্থোকপা লৈত্রে। লৈকাইগী মাইবা অদুশু মশা নুংঙাইত্রে হায়দুনা

মযুমদা হনখ্রে। অনাবা শেন্নবদা মচিন-মনাও চাবা-থকপা বাওবে। ইথং খ হৌদনা তুন্নম্বদগী বীনোমালা কুক হৌগৎলকই। মতৌ অদু উবদা অমবনা মতৈমবু তপ্না শৌগৎপিরদুনা পোপা-ননবা হায়জবকই। বীনোমালা চোইরোন লোন্না হৌরক্লে। অমুক অমুক জ্ঞান তারকপদা ওকেন অমদি অমববু কৌরগুনা কপচৈ। ও! অৱাবনি তাইবংপান— হৌজিক্তা শাৎলম্বা লৈরা অদু লৈমাইদা কেন্দুনা তাখবে। লৈশাৎ ভমখৎলকপদা ডাক্টৰশিব লৈবাংনা লৈমাইথক্তা কেন্দুনা তাখ্রবদা— অমুক কন্না লৈশাৎ ভমকপা হায়বদো থাজবগী রাংমদা লৈখ্রে। য়াম্না ৱানা হায়জবনি, 'ইবুংঙো ঐবু ৱাবৌবিক্তকো— অ....অ.... ই.....ম.... র না.. তৈ.... ম বু .... ।" বীনোমালা ৱা লোইশিনা ভমহোদ্রে। লেংলম্বা মশা লেখিদ্রে— পাংলম্বা মাৎ উইশিনখ্রে। মতৌ অদু উবদা মতৈমগী মাইথোংবু মমিৎ পেন্না য়েংজরগা কেংথাজবকই, "ইতৈমা— ইতৈমা— ইতৈমনা ননাওবু ভন্দোব্লম্নগা কদাযদনো চৎলিবা - হায়যুনে ইতৈমা— ইতৈমনা সংসাব থাদোক্কুনা চৎখ্রবদা ঐনা কনাগা লৈহৌগদো।রিবনোনে ইতৈমা— ইতৈমা ননাওনা কৌবশে অমুক্তা তাবিযুগবা— ।" ওন থোইনা কপ্পুনা মতৈমগা মাইথো বু অরোইবা ওইনা অমুক্তং য়েংজবকই। মতম অসিদা— ওকেন্না করম খাংলমগনি— করম্বা পোৎলুম পুদুনা চৎকনি? থম্মোই শোক্না তেংথাজরকই, "ব নো থম্মোইগী মালা, নংবু কদায়দনো— হায়যুনে বীনো নংবু কদায়দনো— ।"

মীওইবগী মপোক্কি— অমুক পোকপা, অমুক শিবা
ঐশু, নংশু, মাশু, মথং মথং
নোংমা নল্লগা নোংমা— শোয়দ্রবনিনে শোয়দ্রবা—।
অদুবু:— মতম চাদ্রবদি--
পুন্সি মপুং ফাদনা সংসার রাংমা লাল্লবদি
অরাবা কৌনৈ সংসারশে মীওইবা॥

"চৎলোকো ইতৈমা চৎলোকো— ইতৈমনা ঙসি চংখিগনি— অদুগা ননাওনা মথং। মথং মথং মীওইবা ঐখোয় লোইনা চৎখিনি, মাংখিনি। শান্নরুরো স্নগী লাইয়াম মরক্তা— নোক্লুরো থম্মোই পেন্না— কপকনু লাইরৈবাক্তা তেংথাদুনা পোত্থারুরোকো ইতৈমা—।"

"বীনো, থম্মোইগী মালা— চৎলো, চৎলো রাকরনু। ঐ লৈহৌরি অঙাংগীদমক— কাওগনুকো বীনো। ঐনা শেমগনি মপুং ফানবা— নংনা শেন্নস্বা লৈগী চার ঈশিং চাইনি ঐনা— চিংনগনুকো বীনো। নংনা স্বর্গ য়োরগা তেংথা তেংথা কল্পদো ঐ খন্বদা ফুস্বংনৈ। কল্পগনুকো বীনো— তেংথারুরনুকো থম্মোইগী মালা—।"

বীনোমালাগী তৌফম থোকপা পুন্নমক লোইশিনখ্রে। ওকেনশু হান্নগুম পুলিস এস, আই, ওইনা ওফিস কারে। অদুগা পিক্লিবা অঙাং মচা অদুনা মনাও অমরনা শেন্নদুনা লৈরে। কলেজ নিংথিনা চাং-নাইনা কাবা ঙমদ্রে— মুমিৎ হুন্নিগী মনুংদা অমুক অমুক্তমক কাজরে। অমরগী হন্দরক্লা বি, এ,

অরোইবনি। তৌরিবা ফিভম মতা অদুনা পবিক্ষা পাস তৌগনি হায়বা থাজদ্রে। মচিন-মনাওদা তারিবা দশা অদু উবদা চন্দ্রশেখর য়াম্না নুংঙাইত্রে। মচিন-মনাওদা খর কোম্লনবা হায়দুনা মচানুপী কুঞ্জরাণীবু ইমুংগী থবক ইনখাং নোম্বদা মতেং পাংহল্বিরে। অয়ুক ঙস্তা লাক্লগা নুমিদাংগী পুং ৭/৮ দা অমরনা কুঞ্জবাণীবু ময়ুমদা থিল্বিরি। অশুম লৈরকপসি থা অনি খর হেনজিল্লক্লে। হান্নদগী মমি তাথ্রবা অমবগী মাইথোং উংদা কুঞ্জাবাণী থম্মোই পেন্না খোইকম মোমোন নোকচৈ। কুইনা অশুম লৈমিন্নবকপদগী ব্রা ঙাংবা হঙ্গোইব্রকনে। হায়নিংবা পুম্নমক হায়দোকপা ঙম্লক্লে। নহাল মখৈ লোত্তুনা থন্নকপা মাগী থম্মোইদা নিংজবিবা আশা অদু ফোংদোক্কে খল্লক্লে। অদুবু অমরদি হৌজিক হৌজিকমক নুপী নুপাগী মরীদা করিশু থৌশাদনা উবি। কুঞ্জাবাণী ফোংদোক্লিংবা আশা অদু ফোং-দোকপা উমদ্রে। অমবজিৎকী মাইথোং হেক উবদা হায়গে খল্লম্না পুম্নমক হেক্তা কাওথোকখি। লাইরিক লাইশুগী মরমদা হংবদি করিমত্তা চিংনদে — শৎ শৎ হায়দোকই, অদুবু ঙমদ্রেনে মানা হায়দোকচনিংবা অদুমদি। অশুম হায়দোকপা ঙমদনা লৈরকপনা থা ৫/৬ লানশিনখ্রে। অমরজিৎকী পরিক্ষাশু লোইখ্রে।

পরিক্ষা লোইবা নুমিৎনি। কুঞ্জারাণীনা হায়জৈ, "তামোচা নংগী পরিক্ষা লোইরে হায়দাই। অদু .... তামোচা সিনেমা য়েংলুশি হায়ববু করি হায়বগে?" "সিনেমা য়েংলগা করি

কান্নগদগে ?" "কান্নে হায়বগী নত্তেয়- চুম্না য়েংলুশি হায়বনি অদুদা তামোচানা য়ে নিংদ্রবশু বরিমন্তা হায়দেদা--।" 'ফরেনে য়েংশুবশি- অদু বনি সিনেমাবু য়েংশুসিগেনে ?" হোল মবি মডা লৈরিদবু কবিনো— চৎলগা নুংডাহদো মানবা অমা হেক্তা য়েংলুশি।" "অদু ঙাইখোনে— নখোয় বাবানা অমদি এখোয় তামোনা য়ারক্লবদি কমদৌনি ?" "তামোচাশু তামোদা হায়নত্তো অদুগা ঐশু বাবাদা থেমজগে।" ওকেন অমদি চন্দ্রশেখরনা হরাও হরাও য়াবিরক্লবদুদা কুঞ্জাবাণী পংবা চেদনা শয়াবা তৌবা হৌরে। মমাই-মমিৎ, মশামদা চৈংবা য়াব, লক্সা য়াংবা, থোম্বা য়াবা হামুক-হানৈ বয়ানা মনায় তেক অদু সেবা তৌবে মমিৎশু হান্নদগী খরা হেন্না লাঙথোকপশুম তৌবে। যেঁচন ফনডুম ফজবে— মখজাই, মচিনবান ঙাওক ঙাংডব— হস থুমগদবা মানত্রেদা—। হেত্তবদি নত্তে কুঞ্জবাণীশে। ফনেক শেৎপকাতো পোজ নিংথিনা তাবে। অদুক নিংথিনা ফজনা তৈয়ারি লোইববা কান্দা মাগী ফেসন অদুগা চানশা মখোদা উপ্পনবা শেগুলদি লৈরমদ্রে— মানা পামজারবদি খুন্নি য়েৎচুমমুক তুম্বা শেগুল অদুনি। উপাই লৈত্রদুনা মাগী তামোচাদা য়েংলগা মরৈ তিংথোক্লুনা ঙাইহাক লেপ্পী। মতৌ অদু উবদা ইশি শিনা নোক্লদুনা চন্দ্রশেখরনা ফাগা তৌরকই, "য়ারে য়ারে ফজবেদা চংখোম্বী— শেগুল য়াওদ্রবশু অক্লম চৎলো—।" অমরজিৎশু মতৌ অদু উবদা মচিন খুমদুনা নোকই। খুদক্তা কার থোদুনা অমরজিৎনা বাটাদগী খুনিং ব্রাংডক্ক তৌবা মওমগী ফিলম ষ্টার

শাবিবি না পাম্লবা শেণ্ডুল অমা লৈকদুনা পুবক্লে। তৌগদবা যটাইল পুন্নমক লোইরদুনা মখোয় অনি কার খোঙ্দুনা থোরক্লে। মখোয় অনিনা লোনখিবদু য়েংজনগা চন্দ্রশেখর নোক্কুনা লৈহৌই। চন্দ্রশেখরনা অমরজিৎপু ভগে নমন পোকনিংবা মনাওগুম ওনা ক্লেই। অদুনা চন্দ্রশেখরগী কাব অমদি জিপ গাডী অদু দনবার [illegible] মক্ৎদা [illegible]জিৎনা পুদুনা [illegible]খিবদা অপঙ্গা, অথিবা [illegible]। [illegible] — এগী পোই নংগী পোন হায়বা [illegible] নন [illegible]নিবা কুশি [illegible] চন্দ্রশেখরগী [illegible] দর্শা খৈই।

নান অদু [illegible] মপানা খাংই। [illegible] বুকি [illegible] দেখ [illegible]গী টিকেট অমি [illegible]। সিনেমা [illegible] চাবদুনা মখোয় অনি হোল মবক্তা [illegible]। মখোয়নিনা হেক [illegible]বগা [illegible] হেবে। অমরজিৎ [illegible] য়েংদুনা লৈবি। কুঞ্জবা [illegible] শুকবে [illegible] — [illegible] লৈবে। অমরজিৎক [illegible] থিজবব [illegible]। অদুগা য়েংদবগী সিনেমা হো[illegible] বনুবানি। ইদিদি [illegible] থম্মোই-নুংগী মমল য়ামনা বাৎ [illegible] অদু [illegible] মফমদা ফো দোকদৌবি। মাগী মক্তৌ অদ চবদা অমরনা হংই, সিনেমা য়েংগোদি হায়দদনা নানিং অমদা অমুক য়েং অমদা অমুক য়েং— বরি য়েংলিনো ?” কুঞ্জবালানা খুমইজ, “করি য়েংইবা — কনাদা য়েংইবা— ?” এদি বনাদশু য়েংদে। তামোচাদা

য়েংববু য়াদ্রবা— ?" অমরনা কুঞ্জরাণীগী মশমদা কক্ চিংলগা হায়রকই, "ঐশে অচাপোৎলা— চাবশু য়াদবা ঐঙোন্দা য়েংবগী করি কান্নরিবগে— ??" হায়দোকহৌরগে খন্দুনা কুঞ্জরাণীনা মখা তারকই, "ঐনা লাক্লিবশে তামোচাদবু য়েংগে হায়বগীনি। অদুগনে তামোচা— ঐনা তামোচাদা হায়জগদবা রা অমা লৈরি।" করি রানো কুঞ্জ ? "থম্মোইনুংগী রা।" অদুবু হায়বা করিনো হায়মি— ? "থম্মোইনুংগী রা।" হায়য়ু হায়রমক্ত— কিন্না কুঞ্জগী মকোক্তা কোক লাওনা থিল্লি। "হায়বগেশে— হায়রগেশে— ঐনা হায়জরুবগা তামোচানা য়াবিরকখেদি কম দোবা— ?" য়াগে হায়রো হায়বা—। "অদুবুরো নখোয় য়ুমদা লৈনিংই হায়বনিদা—।" হৌজিক লৈরিবদুদি—। "এ অদুদি অয়ুক্কুগী নুমিদাংবাই ফাওবদবু— ঐনা হায়বদি নুমিদাংশু— " ইনা কুপ্পা য়ুমদা লৈনিংবা মীশু য়াওবোইরে—। "অশেংবনি তামোচা— ঐ নখোয়দা লৈরগে— ?" কৈদৌনা লৈদৌরিনো— ? "খর লৈমিন্নশি হায়বনিদা—।" চেক্নী দুংদলান্দা শাংপা লৈরাংনা হাপু হানৈনা শাবা য়ুমদা লৈনিংই তাবদা ঐদি নোকপু নোক্লিংই। "তামোচা নোকউ হায়বা নত্তেয়ে। থাঙ্গৈশেংনা হায়য়ু তামোচা— নং ঐবু নুংশিদ্রা ?" করিগী নুংশিদনি— মবুংনা মচনবু নুংশিনবা হৌনবা— ? নত্তেয়ে তামোচা, অদু নত্তেয়ে— মবুং মচনগী খুৎনুংশিনা অদু নত্তেয়ে—।" অদু ওইরবদি করম্বা মখলগী নুংশিববুনো— ? "অদুবুরো……………………।" করিনো— অদুবুরো হায়বদি— ? "তামোচা নং বি, এ, ছাত্র

অমা নত্রা ?" মান্নি কৈদৌরগে — ? তামোচাদি য়াম্না পংইনা চাওদৌ ৱাৎলি, অঙাং ওইরি — ।"

কুঞ্জরাণীগী ৱাহং ময়াম অদু খুম্নবা হোৎনরিবৈদা সিনেমা শুকয়েং য়েংহৌদ্রে। ইন্টৱভেল থাবগী ময়াম মপান্দা হকচিক লাংবা থোক্লম্রে। পেম্মা নংগী ৱা তাবিবৈদা সিনেমকা করি-মন্না য়েংহৌদ্রে — হয়েংখৈদি সিনেমা য়েংশি হৌরক্লগুকো — নঙে নংবু চাকীকা থক্লিংদ্রাও — লাকও হোটেল চংডবশি — । "করিমন্না চানিংদ্রে — লৈবিবক্লম্ন — তামোচানা লৈবা পোৎ শংকচা চাররোই — ।' "হঁস। ওন্তোক্লশু শাওগল্লিদা — লাকও ছায়বা — "

মখোয়নি অমুক হোল মনুদা চলে। হায়গুম হন্দক-মুক্শু সিনেমা য়েংদ্রে .... ৱারী .... ৱাবী ... । "ঙাইখোনে পেম্মা — নংবু ঙসি ঐখোয়নিনা য়েংলিবা সিনেমা অসিগী মমিং খংলবাও ? করি পিকচর য়েংঙকই হংলব্রবদি করি হায়না খুমনি — ?" "তামোচা অদুগীদমক করিগী ৱাক্লদৌরিনো — চিন্দগী থোকপা অমা হেক খুমগা লোইরেদনা — অদু — তামোচা ঙসাই ঐনা হায়খিবদো য়াররোইদ্রা ?" করিবুনো — ? "খ দ্রেদা — বি, এ, অপংবদা করি হায়না ফোংদোক্কবা - তামোচা নংশে অশুক য়াম্না পংলিবা করিগীনো — ?" নংঙোন্দবু শিংই হায়থ্রবরনে ? "হোয়নে হায়ববুদি হায়দবা অদুদা পংময়সিনা করি তৌগদনো খংদ্রেদা।" ও। ভাব তারে, ভাব তারে — নংগী ৱাশিনদি ঐঙোন্দা 'তামোচা' কৌররোই হায়বনিনে -- ?

'[illegible]মোচা [illegible]বনবুদি ([illegible] - [illegible] .... ।"

[illegible]দা [illegible]বা? "[illegible]দা [illegible] বাদিবসিং [illegible] হায়গদবা [illegible] [illegible]।" [illegible] — [illegible], এ. [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হানবা [illegible] [illegible]। '[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ... .। চাখোয় যুমদা [illegible] ই— [illegible] — [illegible] ... [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] খনিবা আশা [illegible] [illegible] [illegible] ... [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] খল্লুবদা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ... [illegible] এনা [illegible] অবেশ্যা [illegible] [illegible] কজ্ঞ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] থোল্লবদি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অহল-লনমা [illegible] চম্না খল্লিবা পুংমা অসিগী [illegible] বমগদবনিনে [illegible] ।

ওইথোকপা য়াবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] সিনেমা লোইবনে। নেসনেল [illegible] [illegible] অচুম্বদা সিনেমা লোংবে হায়বা [illegible]। সিনেমা [illegible] চৎলগা সিনেমাশু য়েংদনা [illegible] শানবগা [illegible] [illegible]। সিনেমা লোইবদুনা [illegible] অমদি [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] ময়ুংলোমদা

থোরক্লে। "য়েংঙোই কুঞ্জ, ঐখোয় অনিগী অশেংবা, অরেপ্পা কয়া তায়ন-থংনদুনশু পুম্নমক অরেম্বদা তারগদবা ঙাঙ্গনি;" "তামোচা হায়য়ু— করিগী অরেম্বা ওইগদৌবিবা? ঐনা তামোচাবু থুংশিজবগুম তামোচানশু ঐবু নুংশিবিরম্বা থোক্লবদি পুম্নমক অরেম্বদা তাফম থোক্লে।" হে অপাবা— নংনা খল্লিংলুদগী শকক চা হেন্না খজিবনিনে। নংগী মত 'থম্মোই শেংনা নুংশিনরবদি কনানশু অপম্বা পিবা ঙম্মোই—' সিনিনে—, নত্রাও……? "অশেংবমক্তি তামোচা— ঐখোয়নিনবু থাঙ্গশেংনা নুংশিনরবদি ঐখোয়বু থিংগদবা কনামত্তা লৈরোই।" নত্তে, কুঞ্জ— মাহু খরাপ্পা রাখলনি। নংগী রাখল অদুনা চুম্নমগদবসি করিংগুম্বা। ঐনা মতিক চাবা মী অমা নত্রগা ইনাক খুম্না উমুগা মচা ওইবম্নবা মতম অতুঙদনি। থম্দুনা য়েংঙু কুঞ্জ লাইরবা ইমুংদা নুংশিদিগদবা কনাশু লৈতবনি সংসারদা। ইনাকখুবনা ইনাকখুম্নগা শঙ্গ ওইনিবা হায়বসে শোয়দ্রবনি। ঙসি নখোয় বাবা অমদি ইমানা ঐখোয় তামো অমদি ঐনু তরাম ওরাম পৌবিরি, নুংশিবিরি; অরৈ লৈত্ত পুম্নমক য়েংশিন্বিরি। মখোয়না নুংশিবিবদগী মচাপুম্বা লৈশাবা অমশু ঐখোয়না তেংবাংবিরি। নখোয় বাবা চন্দ্রশেখরদি মীগী অরাবনু য়েংঙমদবা, মীগী ফরগা ঐগীশু ফবনি খঞ্জবা মীওইনি। মখোয়গী মাগ্ন শিদগী ঙসি ঐখোয়না হিংহুনা লৈবা ঙমজরিবনি। ঐখোয়বু নুংশিবিরিবশে মচাগুম— মনাওগুম য়োকপি-থাকপিদুনা শেম্নবিবনি। করিগুম্বা মখোয়গী রাখল অসি লান্না ঐখোয় অনিনা

চথরকপা তারবদি পুম্নমক মুংশিবগী রাংমদা লৈরক্কনি। অদুনমে কুঞ্জ— ঐবু ৱারোগসু— নংনা ঐবু মুংশিরম্নবশু নবুং অমগুম মুংশিবিয়ু অদুগা ঐনশু নংবু ঐগা হেক পোকমিম্নবা ইচল অমগুম মুংশিজগে—।

কুঞ্জরাণী রা ঙাংবা থোকত্রে। অমরদা হঙ্গৎনা য়েংবশু ঙমজদ্রে। মাগী মতৌদগী খংলে, কুঞ্জরাণী শুৎ-শুৎ কপ্লি। মমিত্তগী তারকপা পিরাংনা অমরগী খুদাংদা পপ পপ তারক্লে। "শে অঙাওবীশিদি,— কৈদোনা কপ্লিনো? শে নিংথিনা লৈয়ু হায়বা। ইকৈ অঙাং মানখ্রেদা—।" চোৎলবা মাইথো অদুবু তপ্না থাঙ্গৎপিরদুনা মাগী তামোচানা শিন্দুরিবা পিরাং অদুবু তৈথোকপিরি। কপ্না কপ্না হায়জরকই, "তামোচা— ঐবু লৌশিন্নিররোইদ্রা— ?" অঙাওবীসিদি কপকনু হায়রগা —। "হায়য়ু তামোচা ঐবু মুংশিবিররোইদ্রা?" ঐনা নংবু থাদোকপা হায়বশে মপোকসিমগী ওইথোকত্রবনি। ঐগী থম্মোইদা নংগী শক্তম্বু ময়েক লানা য়েক্তুনা থমগ্রবনিনে কুঞ্জ। অদুবুনে কুঞ্জ, ঐনা নংবু লৌশিন্না ঙমগনি হায়বদি থাজদে। অদুম-ওইনমক ঐগী আত্মানা হিংদুনা লৈরি মখৈ নংবু থাদোকপা ওইথোক্ররোইদবনিনে থম্মোইগী কুঞ্জ—।

মুংশি ঈপাক্কা তাওরবা— যবন মতম য়োরবদা
কনানা থিংগনি লম্বী— ?
মুংশি মশুং লাংগীনি— অশুক রানা খাংলিশে
শিব ফাওবা কিদনা— ॥

ইস। ওন্থোক্নশু কল্লিদা ন্নুংশি ঈচেল।

হোরন মখোল তাবদা ড্রাইভর ইমোচা চেন্থোরক্লুনা লোনশিল্লিবা গেট হাংদোকচৈ। গাড়ী অদু তপতক্না থৌজিল্লি। চন্দ্রশেখরনা, "ও, ফরে ফরে য়ৌরক্লব্রা— নত্তে অমর গাড়ীদু পুশিনলুখিন্নু— হোবেন নং অমুক থিন্দবা য়ারোই— শুমাংদা থম্মো, থম্মো।" মোলি মোলি গাড়ীদগী কুমথখিদুনা কুঞ্জরাণী কাদা চংখ্রে অদুগা মফি হোংদোকপা হোৎনরি। অমরনা হল্লগে হায়রকপদা চন্দ্রশেখরনা চা থকখিশি হায়দুনা খাম্লে। চাকশঙদগী মমানা কৌরকই, কুঞ্জরাণী থুরকউ— নংগী তামোচাগী চা পিরো লাও— ।" কুঞ্জরাণী ৱাখলনা ফুম্বংনরবীনি। ঙসাই মানা কপ্লুবগী মমিৎ মমাই ইপোম পোমখৎপদু মমানা উথোকখ্রে। মমানা হংই, "কৈদোরে কুঞ্জরাণী— নমাই নমিৎ ইপোম পোমখৎলিবশিদি— হায়য়ু ৈকদোরগে— ?" রা অদু তাবদা অমরজিৎ শ্বাই লাওই, মিহুন তিং তিং চোংই। করিমত্তা থৌশাদখৈ হায়রকই, "ইমা নোয়শু য়েংউচো— শোয়দনা এদোনা মিৎ-মাই পোমখৎকনি।" মমানা মখা তারকই, "সিনেমাদবু কপই হায়বনে ? করি সিনেমানো ইচানা থম্মোই চাক্না কপ্পা ঙম্লিবদুবো ?" "আ ·······আ········ মমিংদুবু করি হায়য়ে········ তামোচা ঙসাই সিনেমাদুবু করি ···· ?" অমরজিৎ খংপ্রেক খংই। ইফিং ফিংনা খুমখি, "সমাধী।" ইতৈমা অচুম্বনি অশাপরেখ অমদি ধরমিন্দরনা ৱাখিবা মতৌ অদুদা কুঞ্জদি পংকপ্তা কপথ্রবনি। হয়েংখৈদি মাগা য়েংমিন্নরোই, ৱাম্না

ইকাইজৈ। মীনা মুন্না মুন্না য়েংশিল্লকই।" রাজু তাবদা মমা ইবেম্মা, চন্দ্রশেখর অমদি ইমোচা ফাক ফাক নোকচৈ। চা থকপা লোইরদুনা ইমোচানা অমরবু থিন্দোকপা থোররে। নহালমখৈগী হায়রুরবদি কুঞ্জরাণাদো চেংখোল্লক্তুনা ইমোচা হায়না লাওরক্লগদবনি। অদুবু ঙসিদি থোংনাও পতা হায়দোক্তুনা হাইফেত্তুং য়েংবা নত্তনা রা অমত্তশু ঙাংখিদ্রে। চন্দ্রশেখরশু চৎলো চৎলো অমর হায়রম্লগা ইমুং চংখ্রে। ইমোচানা অনরবু মখুন ফাওবা থিখিরম্লগা গাড়া অদু খোঙনা অমুক হনখবে।

কুঞ্জরাণা অহিংচপা হু থবা লৈখিদ্রে। রাখলনা চমন্নহুনা লৈরে। কুঞ্জরাণাগী নি থিচরবী হকচাদা ন্নংশিবগা মহিং। চিকপা হৌরক্লে। চাব-থকপা পুক্লিং চংদ্রে। নংশিবগী মতিং। খজিক্তুং চিকপা হৌগ্রবদি মী অদুনা ন্নংশি মশক অশেবা অদু খদ্রি ফাওবা ন্নংশি লায়নানা নাহুনা লৈরগদবনি। কুঞ্জ রাণীদো তৌফম খংদনা লৈরম্বদগী কবি খন্নুরবনো খংদে চে, কলম লৌথোক্তুনা কব্রিনো খরা ইবা হৌরক্লে। মীত্তগী তারকপা পিনা চেথক্তা তাবদা মুক অদু ইচাই চাইরে, ময়েক পাবা থোক্লে; চে অমদমুক ইবা হৌই। ইবা লোইরদুনা ফজনা থুপচিল্লগা মশা নানগ্রবা ইনভেলপ অমদা চে অদু হাপচিনজরে। চন্দ্রশেখরনা 'কুঞ্জরাণী হৌজিক ফাওবা তুমদ্রিব্রা' হায়রকপদা অফিং-অফাই ওইনা ইনভেলপ অদু মোন মখাদা ইনশিনখি। অশোমদশু পোংখাফম খংদ্রে মা অমা। অমরজিৎ রাখলনা কং ঙাওনরি। নহালমখৈদি ফোংদোক্লরুদবনা থোইদোক্লা খন্থরুদে।

অদুবু ঙসিদি তুমিন্না লৈথোকপা ঙমদ্রে। অমরনা থাজবা অমা লৈ মতুদি কুঞ্জারাণী মাগী ওইবা ঙম্লোই। চন্দ্রশেখরগী আশা চাওই অদুগা মাগী মুপীশু মচাগীদমক য়াম্না খন্বী মুপীনি। অদুনা মচানা লৈগ্রগা রাগদবা ইমুংদা মচানুপী থাজগনি হায়বা থাজদে। মমা ওইবা খুদিংমক্কী মফমদশু ওইথোক্লবোইদবনি। মশো অশুন্না অমরগী থম্মোইদা মুংশিবা হেক হৌরকপগা নিংবা কায়বগী লায়নানা জয় তৌবা হৌরকপগুম তৌরি।

মথং মুমিৎনি। নহালখৈগী হায়করবদি কুঞ্জরানীদো ঙসাইনা অমরখোয়দা য়ৌরক্লগনি। ওকেন্না মনাওদা হংই, 'অমর কুঞ্জদুবু ঙসি লাক্লোই হায়রকপ্রনে—?" করিশু হায়রক্তে তামো।' "অদুদি করিগীনো লাকত্রিববো........ নত্তে, মাবু লম্বাদা ফত্ত-নুংদা থোক্লবনে....... ? ফি শেৎচিল্লগা ঙাইহাক চত্তুনা য়ে টু লম্বাদা থে নদ্রবদি ময়ুমদা হংলকউ—।' কুঞ্জ লাক্তবগী মরম খংলবশু মাগী তামোগী য়াথং হিক্তোকপা য়াদে—। মানা চৎকে হেক থোক্লকপগা গেট মপামক্তা গাডী খায়গা কোরকই, অমরজিৎ-অমরজিৎ—," "কৈনো খুড়া?" "কুঞ্জদো ঙরাং সিনেমা য়েংলুবা হল্লকপদগী চাকশু চাদ্রে— মকোক চিকই হায়হুনা চথোকপা ঙমদ্রে। অদুনা ঙসিদি লাকপা ঙম্নরোই হায়রকই। ইমোচানা ওকেন উহন্দনা অমরদা ইনভেলপ অমা লোম্না লানশিল্লি। "ফবে ইবুংঙো, খুডা য়ৌগ্রগে—।" অসি হায়রম্নগা গাড়ী থৌগ্রে। অমরজিৎনা মাগী কা মনুংদা ইনভেলপ অদু হাংদোক্লুনা য়েংই। চে অহুগী মরোল মথং ২ শাথরকই—

তামোচা,

ঐ চাবা-থকপা মফম মরাং খংজদ্রে। তামোচাগী অশেংবা য়াব্রা অমত্তং তাদ্রিমখৈ তামোচাবু উনবা ঙম্মরোই। নহাক্না ঐবু হুন্দোকপিগে খল্লবগু অশেংবা অদু ঐঙোন্দা অমুক্তা তস্বায়ু। অদুগনে তামোচা— ঐগী লেংদ্রবা বাশক্তি 'করিগুম্বা নহাক্না ঐবু লৌশিনবিদবা থোক্লবদি হূ চাদুনা ইথস্তা আত্মাঘাট তৌ জখিনি।' অশেংবা অমা ঐঙোন্দা খংহনবীরকউ। নিংজবা আশানা থুংদ্রবদা হিংদুনা লৈরুবগী করি কান্নগনি ? আশানা থুংদ্রবদা মমল য়াওদ্রবা দেহে অসি হিংদুনা লৈফম থোক্তে; ঐনা শিগ্রগা অদোমগী অপেম্বগু ওইবা য়াই। তামোচানা ঐখোয়দা য়োবিরক্লবদি শোয়দনা উবিগনি— ঐগী কাদা, ইনাকমক্তা লৈরিবা লিক্লি অসি। নহাক্কী পাওথুম ফংলগা লিক্লি অসিগী তৌফম থোকপা মথৌ তৌজগদৌরিবনি। তামোচানা ঐবু নচল অমগুম নুংশিবিবদু ঐদি শুকপাম পামজদে করিননো হায়ববু ঐনদি নহাকপু ইবুং অমগুম নুংশিদে। ঐনা তামোচাবু নুংশিজবদি সংসারগী অৱা-নুংঙাই পোৎলুম অসি ঐখোয় অনি পুন্না পুমিন্নদুনা পাক চাওরবা তাইবংদা হি হোনমিন্নবা অসিনি। অদুনা তামোচা য়ারবদি পাও খর থুনা য়োহন্বিরকউকো। ওস্তোক্লগু মপোক থিনা পোক্লক্লেদকো ঐহাক অসে।

নহাক্কী লাইবক থিরবী—
কুঞ্জরাণী দেবী।

চিঠিগী মরোল অদুনা অমরবু নিং-তানা ফম্বা ঙমহনদ্রে। পাবা হেক লোইবগা অমরজিৎ খুদক্তা কুঞ্জরাণীগী নাক্তা য়োরগে খল্লক্লে। নুপী হায়বা নুপীসিদি মথম্মোই য়াম্না পিকই। অদুনা কুঞ্জরাণী শোরদনা আত্মাঘাট তৌখিগনি হায়বশে অমরনা শ শংনা উবা ঙম্মী। পন্থবা তৌদনা কুঞ্জরাণীবু থেমদবা য়াদে। ঐগী পাও তাদ্রবদি কুঞ্জরাণী ওক্তোকপা ফিভম অমা ওইখ্রগনি। শিবনা নুংশিবগী পোলোইনি হায়দুনস্ত হৌরকপগা শিবা হৌনদে। নু শিনবা হৌরকপগা শিবা থোক্লবদি সংসার অসি করি ওইরম-গনি ? পন্থবা তৌদনা কুঞ্জগী মনাক্তা চৎখ্রে। অমরবু উবদা কুঞ্জগী অৱাবগী শরুক অদু হেন্ন হেন্নদুম হাপকৎখ্রে। মমা ইবেম্মনা অমরবু কৌজরদুনা— চংঙকউ চংঙকউ ইবুংঙো— কৈনো খংদ্রে নচন্না মকোক চিকই, ঙাওই হায়দুনা হোগৎনেনে অমর। ইবেম্মা নমাই শোমদা লৈথোবকউশে—। য়েংউ নমাদা কনা লৈ— য়েংউনে নৈ তামোচা লাক্লে। ইবেম্মা নৈ তামোচাগা ঙাইহাক লৈরমখো, ইমা— তোম্বীখোয়দৈ শেল খর লৌশিল্লুখিগে। অমর লৈরমখোকো। "ফনি ইতৈমা- ।"

মমা ইবেম্মানা থোকখ্রবা তুংদা অমরনা হংজরকই "করিনো কুঞ্জ নংনা তৌরিসিবো...... ইমুংনা খংখ্রগা করি ওইদৌরিনো.... অঙাং নক্রে, ভাব তাব কৈদনা.......।" কুঞ্জরাণী তুমিন্না লৈ। "ইমুংনা উখ্রগা করি থোক্কনি খংদ্রা— কদায় য়েংগে— শে পিরকউ হায়বা—।" "তামোচাগী অশেংবা অমা খংদ্রি মখৈ পিরবোইদবনি অদুগা ঐদি হিংশু হি নিংদ্রবনি। মমল লৈত্রবা

ঐ শিখিবগীদমক ৱাবীগদবা কনামন্তা লৈতে।" "শেনে অঙাওবীসিদি— কৈদোনা নিংবা কাইরিনো— ? ঐনা নংবু থাদোক্লরোইদবনি কুঞ্জ। ঐনা নংবু পুন্সিগী ওইনা অশুম নুংশিদুনা লৈরগদবনি। নংনা লৈত্রবদা ঐনা হিংলুবগী করি কান্নগনি.... কপকন্নু কুঞ্জ.... ঐনা নংগী নিংজবা আশা থুংহন্নমক ঙমদ্রবশু অঙম্বা পাঙ্গল পুথোক্তুনা ঐগী অমদি নংগীদমক ফননবা হোৎনজগনি। ঐগী আশাবু নশাক্লা থুংহন্নিবগীদমক য়াম্না নুংঙাইজে। 'তামোচা' হায়রদুনা কুঞ্জরাণীনা মাগী তামোচাবু চেৎনা কোনশিনজৈ। চোৎলবী মাইথোং অদুবু তপ্না তপ্না নাম্থোকপিরদুনা অমরনা কুঞ্জবু মথান্নুংদা চেৎনা কোনশিল্লি। থম্মোইগী অশেংবা কয়া হায়ন-তন্নদুনা অমর অমদি কুঞ্জ ঙাই হাক্তুংগী ওইবা পুন্সিদা হবাও নুংঙাইনা পোথামিন্নরি। "তামোচানা ঐগী লেংদ্রবা থরাইনি।" "অশেংবনি কুঞ্জ নংদি ঐগী পুন্সিগী লোইনবী ওইগদোরিবীনি। অদুবুনে কুঞ্জ পুন্সি হায়বশে মতম কক্লা হায়বা য়াদে। ঐখোয়না হিংলিমখৈ পুন্সি কোৰা তাই। ঐ, নংনা হিংলিমখৈ নংগী তামোচা অমদি ঐগী কুঞ্জদা য়েৎলবা ঙমগদবা কনামত্তা লৈরোই। ঐগী পুন্সিশে নংগীদমক হিংবনি। অদুননে কুঞ্জ কপকন্নু— কপকদবগী শরুকপুদি নোকপনা হেন্না ফৈ।

ও! অরাবনি— অমর অমদি কুঞ্জরাণীগী পুন্সি। ওন্থোক্লশু লাইবক থিদকো মখোয় অনিসে। অদুক য়াম্না নুংশিনজরবা মতমদা কদোমদগীনো ইখং খংহৌদনা পাক চাওরবা অকম্বা

ঈশিংগী ঈথক ঈপোম অমনা মখোয় অনিগী 'নুংশি বন' অদু নিংখাইহনগদৌরে। মমা ইবেম্মগী আশাদি মতিক চাবা নুপাদা মচানুপী কুঞ্জরাণীবু থাজবা অসিনি। মতিক চাবা ময়া অমা ফংজবনি মানা পামজরিবা। হন্দক থোক্কদৌরিবা থৌদোক অসিশু মানা পামজবা অদুমক থোক্লে। মচা নুপী কুঞ্জরাণীবু মবুংগী মচা রমেশতা থাজগে নিংখ্রে। মবুং-মচন তানদুনা মচা-মচা লৌন-লৈনহনবগী রা লোইশিন্নখ্রে। কুষ্ঠী ফাওবা লোইনা য়েংবা লোইখ্রে। নুমিৎ লেপ্নদ্রি হায়বতা মঙাইবে।

রমেশ হায়রিবা নুপা অসি অদুডৈ ওকেনদা থাংনা থিল্লম্বা মিশক অদুনি। ইনাক খুনবা ইমুংগী মচা-মশুদি কুইনা ফাজিন্দুনা থম্না ঙমদে। মরমদি শেলগী জগত্তা শেলনা ঙমদবা লৈতে। মতম খরগীদমক থাংনা থিল্লুবগী জেলদা লৈকম থোক্লবশু শেলগী মগুন্না, লুপা ১০০০ গী উপাইনা বমেশপু জেলদগা খুদক্তা লৌথোকখি। বমেশ থোইদোক্লা মবুকচেন ফজ্রবস্তু মহৈ-মশিং, মতিক চানা হৈ-শিংলবা মী অমনি। অমর অমদি রমেশ মখোয় অনি পিশক পিক্লিডৈদগী লাইব্রিক তম্মিন্নরকই। হন্দক-মুকস্তু মখোয়নিমক বি এ, থামিন্নরিবনি। রমেশতি বি, এ, শিনি। পরিক্ষা হায়দোক্লকপা মতমদশু মেথমেটিক্স ওনরস ফংলি-বনি। অদুগা অমরনা ডিষ্টিংসন —। হেক হৌমিন্নরকপদগী মখোয় অনি তান্নদুনতা লাকপনি। মমাংদা থোকখিবা থৌদোক অদুনা মরম ওইদুনা অঙাং ওইরিডৈদা তিন্নরম্বগুম রমেশ অমদি অমর হৌজিক্কি তৌদ্রে। উনবা মতমদা কৌনরবশু

চৎমিন-খোৎমিন্নবুনা রারী রাঙ্গাই শা থনদি শানদ্রে।

রমেশকী মপা চন্দ্রহাস খাশা চাওবা ইনাকখুন্নবা নুপা অমনি। মন্নামদগী মালা হেন্না হায়না মঙ্গলা নাপল অমদি লৈতম লৈবা-খিবিক্তা শকথা থাদে। রমেশকী মনক মতিকচাবা নুপী অমা থিরগা মমৌনা পোংবা চাক থেংনা হাওনা চাগে খনিনা চন্দ্রহাসনি। মতিক চাবী মনো ঙনা ঈশ্বরনা মাগীদমক শেমখিবগে। মচন নুপী তনৌগী মচানুপা পাঙবা বু মমৌ ওইগে লেপখ্রে। তনৌনশু হায়রিবা মবুংগী রাফম অদুক য়াবিবে। মখোয় অনিনা খন্নরিবা বা অদু চন্দ্রশেখরদি য়ানিংদে। মরমদি লৌন-লৈনবা য়ারবশু ওশুক নরুবা মরম মঙ্গাদা। মচাবু থাজ য়োঙ্গবা হায়বশে ফজবা রাফম নত্তে, মাগা মপা মন মচনগা মচা লৌন-লৈনহনবা হায়বদো শুবপাম পামদে। চন্দ্রশেখরগী রাখলদি মশানা পামজবা নুপাদা মচাবু থাজবা ঙসিনি। মচানা পামশু পামদবা নুপাদা মচা পুহো বা হায়বত্তা পাপকা মশকি হায়না লৌই। চন্দ্রহাসনা মচাবু থাজবগী মরমদা হংলকপা মতমদা চন্দ্রশেখরনা খুমখি, "মশা মশানবু য়ানরবদি করিগী লৌন-লৈনহল্লোইদগে- শোয়দনমক্কী ওচাবু পিজগনি। অদুগনে করিগুম্বা অঙাং মশেল য়ানদবা থোক্লবদি ঐঙোন্দা ফত্তে হায়বিন্য, ইবাইগা ঐগা শোয়দনা য়েংথিনরক্কনি— ।"

মমা ওইবা হায়বাশিদি মচাগা ওইরিবা ফিভম মুন্না খংবানি। মচানা করি তৌরিবা, করম্বা শাজৎ চৎলিবা পুন্নমক লোইনা খংলিবানি। মচানা লৈশারবদি মমাশু লৈশাই হায়-

নবিবনি। তনৌ থোইদোক্লা শিংবা মমা ইবেম্মনি। কুঞ্জরানাগী মতৌদা খংলোইদবা করি লৈ—? অমর অমদি কুঞ্জগী মরা মুন্না খংলবানি। তনৌগী ফজ্রবা রাখল অমদি লৈ, মানা নি জরিবা শাশা অদু থুংবতনা মাগী অপেন্বনি। মীগা অন্নাবা মা খদে। মানা নুংঙাইরগা মীশু নুংঙাইগনি খল্লরিবনি। থোইদোক্লা লোশিং লেবী নুপা ওইবনা কবম্না অমর অমদি কুঞ্জগী মনা অদু থংকদগে হায়বদো খংই। মখোয় অনিবু খাৱদোরইনগে হায়না লেপথব, তনৌনি।

লোম্মা অমরনু কৌশিল্লগা লোম্না হংই অমর ঙসিদি ইতৈমনা নঙোন্দা রা অমা হায়গে। "য়ে ঙোই নচল কুঞ্জনানীশে মপুং নানা চাওশাংলক্লে, চহিশু ২৭ হেনক্লে। মমা পাম্বগা মতমশু চপ চারে নি ইনে ইটৈমদি। ববিগুপ্প মসিদগা থেথখিবা খোক্লবদি কুঞ্জরানা ময়ুম পাম্বা খন্দবা, লৈশাবা শবি শাদুনা লৈঙোবা শোয়দর্বনি, মানশু লোরবক্কানি। অদুংনে কুঞ্জরানীশে কেনা খনবা তৌরশি হায়নবু করি হায়বগে ?" "যাম্মা ফবা রানি। মতম চাবিটৈঙদা লুপ্পো পোকহৌগদবানি। অদগা ইটৈমা নুপানা কনা........ ?" হেবা কনাশু নদোদা নংগা পিশক পিক্লিটৈঙদগা কিন্নছুনঙা লাংবা নংগী মরূপ রমেশনিনে, রমেশ। নাচৌগা ঐখোয়নি ঙানদুনা নহোংবগী রা লোইনখ্রবনি। অদু করি হায়বগে ?" রা অদু তাবদা অমবজিৎ খাই লাওই, মশম চপ য়ুংখৎলি। থম্মোইনুংদা নুংঙাইতনা রাখল জাৎ জাৎ খন্দুনা লৈ। অমুকশু হায়রকই, "হায়রু অমর— রমেশতা

কুঞ্জরাণী থাজবশিবু পামদরনে— ?" "ইতৈমা, করিগী পামদনি — মখোয় অনিদি ওন্থোক্লবু পক্লশ্রে। রমেশ অফবা মীনি অদুগা কুঞ্জরাণীশু থোইদোক হেন্দোক্লা চংখোম্বী মুপীনি। মখোয় অনি লুহোংলবদি মীয়াম মমাংদা ইতৈমখোয়গী থোইদোক্লা লেমজনফম্নি।" "অদুবুনে অমর— ইতৈমনা হায়রিবা রাকম অসি নচলদি তাদ্রিবনি। অদুননে নংনা য়াননবা মাবু খরা থেম্মু, থেম্মুকো—।" 'ফনি ইতৈমা' মচিন্দগীদি থুমদোকখি। অদুবু থম্মোইনুংদদি········ ·········। "ঐনা করম্না········ করি হায়না কুপ্তবু থেম্নগনি ? রাকম অসি হেক নিংশিংলুবদা কুঞ্জ শোয়দনা············। অদুগী শরুকপুদি উনদনবা মখোয়গী য়ুমদা চত্তবনা হেন্না ফৈ। অমুক হন্না মীনমত্তনা মাবু অরা-পোৎলুম পুহম্বা ঙম্রোই।" রাখল নুংঙাইতনা অমরজিৎ ফুম্ব নত্তুনা ফমথখি। চমম্নত্তুনা নৈরিঙৈদা অমুক্ত রাখল অমনা খংনোক নোকহনখি। "মমাদনা ইতৈমা হায়বা অদুগা মচান্দা ঐঙোন্দা তামোচা কৌবা— কারন চৎনরেদা মিঙ্গোশে —।"

মতম্না কনাবুশু ঙাইবিরমদনা নোংমা নোংমা হৌখিবনা থাবুম কয়া লানখরে, চহি কয়া হোরক্লে। লোয়ননা পিক্লম্বা অঙাং চাওশিল্লক্লে। ঙরাংতা 'অঙা-অঙা' কপ্লম্বা রোমেনি। উপ্পা, যণ শাবা, ফম্বা, লেপ্পা মথং মথং হৈরক্লুনা রা ঙাংবা ঙম্লক্লে। "বাবা-কাকা" কৌবা হৈরক্লে। মাগী কাকা অমরনা ইংরেজী মশিং থীবা তম্বীত্তুনা 'রান-টু-থি্র-ফোর' মথং মথং হৈরক্লে। মরক মরক্তা মরোন্দি শেংদনা 'মা দার কল' হায়না

মাগী কাকাবু কৌজে। মানা হায়জরিবনা 'মায় ডিয়ার অঙ্কল।' ঙাংথোকপা হৈতবদগী শেংনা হায়বা ঙমদ্রে। অশুম তৌনা লৈরকপনা মথং মথং চহি অমা অনি লান্সিনখ্রে।

মচাগী মাইথোং উরগা ওকেন্না বীনোমালাবু তক্তুনা নিংশিংলক্লি। মচাবু কোল্লদুনা মিত্তগী পিগী ধারা শিন্দরি। মচানা 'বাবা করিগী কপ্লিনো' হংলকপদুনা হেন্নমুক মৈচাক হাপকখ্রে। পূন্নমক নিংশিংলুরগা ওকেনগী থম্মোইদা নরেনবু লমন খুন্নিংবগী ইরাং ফাওরকই। বীনোনা সংসার থাদোক্তুনা চৎখিবশু মানা শিন্নদগনি, মবম পূন্নমক মাননি। হৌজিকমক চত্তুনা নরেনবু খুদক্তা থেংনবা পায়ক্লে। মাগী তামোগী অশাওবা অদু অমর খংদবা নত্তে। অমরনা কয়ারক হন্না খামজদুনশু ওকেনগী অশাওববু নমথবা ঙমদ্রে। পন্তবা তৌদনা নরেনবু থিননবগীদমক মপান থোকখ্রে। অমরজিৎনা মাইবা মধুদা রোমেবু শিন্নরগা হায়রকই "খুড়া, ঐখোয় তামো— অশাওবা মৈরিগা লোয়ননা অদুগৈ থোকখিবা থোদোক অদুগী লমন খুমগনি হায়দুনা চৎখ্রে। ঐনা কয়া খামজৈ অদুবু খাম্বা ঙমদ্রে। অদুনেে খুড়া— ঐশু তামোগী তুং ইন্নরুদবা য়াদ্রে।" "চৎলু চৎলু— নংগী তামোবু তান্নৌ।" হুরাবগী মহুম চংলুগৈদগী হৌনা ফত্ত-লৌশিং খংগ্রবা মচিন-মনাওনি। মখোয় অনিমক্কী ফুরিৎ মমুংদা রিভোলবর অমমম য়ানশিন্দুনা চৎলিবনি।

অদুগৈ মচিন-মনাও অমদি বীনোমালাবু ফাজিন্দুনা থমখিবা মফম অদুমক্তনি। চিংলক অদু ফাওদুনা মচিন-মনাও

চৎলি। হান্নগুম মফম অদু শেমজিন-শাজিল্লগ্নে। হুরান্বা কয়া শিগ্রবস্থ হুরাম্বগী চার মুৎপা নাইদে। ফরবা মী খম্বা নাইদে। মচিন-মনাও মাং-তুং লাকপা উবদা হুরান্বশিংগী মরক্তগী অমনা মনুংদা চেনশিনখিতুনা হুরান্বশিংগী লিদর নরেনগী মফমদা পাও তম্লরে। য়াথং ফংলবদা মচিন-মনাওবু অথিংবা লৈতনা নরেনগী মমাংমক্তা পুশিল্লক্লে। নরেনবু উবদা ওকেন ঈ কারে। নরেন্না করেম্মনা নোক্তনা হায়রকই, "ওকেন বাবু — করিগীনো অদুক য়াম্বা শাওবিরিবদুবো— নংনা শাওরিবা পুম্নমক ঐ লোইনা থংই— অদুবুনে— ওকেন বাবু— ন না নবেনগী মথক্তা লমন খুম্বদি মপোকসিমগী ঙম্লরোইদবনি। নচিন-ননাওনা লাক্ষ কয়া হৈ-শিংদুনস্থ নরেনবু মাইথিহনবা ঙমগনি হায়বদি খজ্ঞরুম্নু। নংনা ঐগা থেংনবা পাম্লবদি 'আই এম রেডি।' ঐখোয় অনি থেংনশি হায়রবোইদি ওপন চেলেঞ্জ তৌনবা তাই। ইশাদা য়াওবা খুৎলাই লৌথোক্তনা ময়াম মমাঙদা লাম্লেংনগদবনি। ঐখোয় অনিনা লাম্লেংনরিভৈ মতমদা কনামক্তনা করিমত্তা তৌবা য়ারোই।" পন্তবা তৌদনা মশাদা য়াওরম্বা রিভোলবর মনাওদা পিশিল্লি অদুগা ওকেন্না নরেন তম্না চংশিনখি। নরেনশু অদু-মক্লি। খুৎলাই লৌথোকপা লোইরদুনা ওকেন অমদি নরেন ফিভম শেম্নরে। কাগী মাইকৈ মরিমক মীনা ইকোয় কোয়-শিল্লি। মচিন মনাও নত্তনা অতৈদি নরেনগী মী ঙাক্তনি। হুরানবা ডাকুগী লিদর নরেন ওম্পোক্লা ফুন-থিন্নবদা হৈ-শিংই। চোংখত্তনা কাওই হোৎচিন্দুনা খুৎতুম্না থিল্লি। অমর য়েংবা

ঙম্লক্রে। মাইকৈ মরিমক্তগী মচিন-মনাও তম্না খাক্লা খাক্লা নোকশিল্লক্লি। নত্তে, শিবা তারে ওকেনসে। য়েংঙনে মখুৎ অমুক্তস্ত হম্বা ঙমদ্রেনে। ওকেন্না হৌগৎলকপগা নরেনগী খোং-পাক্লা কাওথুখ্রে। ওকেন ফনা য়াম্না শোক্লে। অদুমওইনমক ওকেনগী পাঙ্গল হন্থবা লৈতে। নরেন্না ওকেনগী নমযা'দা অমুক্তং নেৎথগে তৌরকপদা ওকেন্না চোংথোকখিবনা হানখিদুনা মথন্তা লৈমাইদা শুজিঞ্জরে। তপ্না হৌগৎচরগা "কেরেট" কী পোজ শেমদুনা লৈ। নরেন্না থিল্লকপা মখুৎ অদু খুদক্তা 'জুদো' গী খুৎফানা ফাদুনা য়েৎথংবা মখুৎ খুদাং প্রোক লাওনা লৈথেকই। খুৎ লৈথেকপা লোইবগা পন্থবা তৌদনা নরেনগী মমাইদা "জিউ জিদশু" গী খুৎথিন্না হন্না হন্না থিনখ্রে। শফু কল্লবা চৈনা অদু খাংবদা নরেন য়াম্না রারে। মবুকচেন শেংদবা নরেন্না খুদক্তা থাং শক্তোক্তনা ওকেনবু থিনগদবগী হোৎনরক্লে। ময়াম্নগী'দমক খনবদা অমর শ্বর থবেৎ থবেৎ হোনজরবশু অমরগী থম্মোইদা অকিবদি মরিক অমা ফাওবা পক্কে। ময়াম্ননা ঙমদ্রগা মাশু চোংশিনগনি হায়দুনা লৈরিবনি। নরেন্না শফু কন্না থাং অদুনা ওকেনবু থিল্লি। অদুবু ওকেন্না ইরায় লাইনা থাং অদু "এক্স ডিফেন্স" তৌদুনা ঙাকথোকখ্রে। খুদক্তা থাং অদু থোমদোকখ্রে। অশাও মৈরিতনা মথৌ হাপকৎখ্রবা ওকেন্না অমুক্তং চোংখৎলগা নরেনগী থবাক্কী লংশ মপাদা শ্বর ফুনব-মখৈ কাওরে। হন্দকমুক্কী খোংগাও অদুদা নরেন বাবু খাংবা ঙমদ্রে। মখাদগী ঈ খ্রোক খ্রোক ওথরক্লে। গতি লৈত্রদুনা

হুরানবগী মরক্তগী অমনা নোংমৈনা কাপকদবগী হোৎনজরকই। খুৎলৈ থুবা, মমিৎ শিংবা অমরনি। মখুৎ য়েৎ-ওইনা রিভোলবর অমমম পায়রগা ময়াম্বু এম তৌরিবা হুরানবা অদুবু হাত্তোক্লে। হুরানবা অতৈনা খুদক্তা নোংমৈ শত্তোক্তুনা অমর অমদি ওকেনবু লোইশিনগদবগী হোৎনরকই। অদুবু পূন্নমক অরেম্বা তাখি। অমর মথস্তগা মখোয় মন্নামগা লান্না তৌনবা ঙমখিদ্রে। ওকেন য়ুম্বী নরুমদা চোংশিনখি। অমরনা খুৎ য়েৎ-ওই পুন্না কাপ্তুনা হুরানবা তুম্না হাত্তোক্লে। মরাইবক ফবা অমা অনি মফম অদু থাদোকতুনা চেনখ্রে। ওকেন্না নরেনগী মশমদা চিংখৎলগা হায়খি, "কে হুরানবা নংনশু এবু লংজরি— নংগুম্বা ঙরাংগী ডাকুনা ঐবু লাকচগনি খল্লম্বা শারি। হা............হা .... নরেন—।" অসি হায়রম্লগা ঈ ওদুনা লৈরিবা নরেনগী মমাইদা খোংউপ বুটনা অমুক্তং কাওরকপদা নরেনগী অরোইবা শ্বর হোনখি। নংগুম্বা মীগী নুপীবু হুরানবদি মপোকসিমগী য়ুগ য়ুগকী ওইনা তুম্না মাংল-গদবনি খংলব্রা— ? অমরনা ময়াম্বু শম্লদুনা মপান থোকখ্রে।

নুপীগীদমক হিংবনি— নুপীগীদমক শিগনি—।
মীগী নুপীবু পাম্বরবা— পুন্সি লোইরবনি পুন্সি॥
অদুগৈ মোইরাংদা— চিংখুবা মহারাজগী মমোম্লোই
লায়র'মচা খম্বগীনা চান্নবী ; থোইবী মশুং লাংগীদমক,
নুপী তরেৎকীদি মপু ওই ; খম্বগীনা মতাওনি,
নোংবান কোংয়ানবা শিখিদো॥

অমনা— রামচন্দ্রগীদি [illegible]নৈ, দশরথ[illegible] মখোনি,
[illegible] ইমাগী [illegible]; [illegible] [illegible]গীদ[illegible],
লঙ্কা [illegible] [illegible]খিদে; রাবন [illegible] [illegible] কেনখিদে॥

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] রাজবে। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] রাবন [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]॥ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] কাইনা [illegible]—।

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]; [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], অমবশু [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible]

তৌই। তদুবু অথকপী নুপী ওইরমবশু জ্ঞান তারক্লবদা মথন্তা ৱাখল ফাথজত্তনা য়াম্না ইংবী. পুকচেল তপ্পী অমা ওইনবা কুঞ্জরাণী কন্না হোৎনরক্লে। অদুম ওইনমক মাগী তামোচাবু কাওবা লৈতে, খল্লশু লেপ্তে। মমা মপানা য়ুম পানবগী ৱা নিংশিংলক্লবদি য়াম্না শাওই। মখোয়না পাম্লিবা নুপা অদু অমর ওইরমদ্রবদি য়ুম পানবগী আশা লৈতে হায়বসিনা কুঞ্জগী লেংদ্রবা আশানি, থম্মোই য়াওনা লেপখ্রবনি। অদুগা অসিমশু মানা থাজৈ, মদুদি মমা মপানা খল্লিবা মাশক অদু অমর নত্তে, কনানো হায়বশু খংদে। নিংজবনা খুংদ্রবদি হিংলুবগী কান্নদ্রে খঞ্জরবীনি। অমরনা মাগী অহানবা অমস্তুং অরোইবা নুংশিজবনি। হায়বা ইনবী কয়া ওইরক্লুনশু নুংশিবগী লম্বাদদি মমা মপাগী থৌশিন মথাদা থবক তৌরোই হায়বসি কুঞ্জরাণীগী অচেৎপা ৱাশক্লি। "ঐগা নুংশিনরিবা মীওই অদুবু ইমা-ইপানা নুংশিদে। হায়ত্তুনা ঐনা ঐগী নুংশিববু হোংগদবা লৈতে। মী খুদিংমক ঈশ্বরনা শেম্লকপগী মতুংইন্না মিৎ অনি অনি পাল্লক্লবশু ঐগী নুংশি আশাদদি মিৎ অনি শুজরোই, লম্বা অনি লোংজরোই নুংশিববু অক্রম অয়াং ওন্দুনা মী অনি চাংদম্নবগী দরকার লৈতে--" অদুবু মতমগী মতুংইন্না হৌজিক হৌজিকমক চৎনরিবা নুংশি ঈচেলদি কাচি-কারোং য়াম্না পাল্লে। "নুংশিনবনা অমগা—কোইনজবনা অমা— সিনেমা য়েংমিন্নবনা অমা— মশানা পামজবনা অমা— অদুগা য়ুম পানবনা অমদা—" অসিগুম্বা চৎনবী অসি থম্মোই শেংবা নুপা নুপীগী মফমদদি ওইথোকফম থোক্তে।

অতুবু থম্মোই শেংবা মী লৈতে। মশা মশাবু মমল লৌদুনা লুপা ১০০০/১০০০ দা য়োন্থোক্লরে। ইনাকখুনবা, শেঙ্গাও পায়বা কাংবুনা নুপী তরা লোম্নরে। তলব চাবা ওফিসারশিংশু সেকেণ্ড রাইফ থম্নরে। "মবুকচেন লেপ্তবা— মিৎ করাম্বা নুপা নপা পৃম্নমক ঙম্না শিগ্রবদি পেল্লনিদকো ; হে তাইবংপান।"

ইস। করিগীনো অথেংবা অহিংদা কুঞ্জরাণীনা চেল্লক্লিবশে অরা মৈশা খাংডমদ্রবী কুঞ্জশে— মমা মপানা তান্থোকপিরক্লমাল্লেনে, লাক্লে শোমদা। নত্তে, নত্তে অমরগী কান্দা চংখ্রে। মমাগী য়াথ হিক্তোক্লুনা নুংশি মশুং লাংগীদমক মথুম থাদোক্লম্নগা কুঞ্জরাণী অংরগী মনাক্তা লাক্লে। মযুমদা হল্লু হায়বা য়াখিদ্রে। মখোয় অনি পুন্সিগী অরা-নুংঙাই মাইরোং য়ামিন্নসি হায়দুনা থম্মোইগা থম্মোইগা শিন্নখ্রে।

ও। অরাবনি তাইবংপান—

অদুগৈ নুংশি চাংয়েংনবদা খম্বা থোইবী শিমিন্নখিদো। নুংঙাইবা হায়বা শরুক্তো মখোয় অনিদা তমখিদ্রবোই। লৈমিন্নরবা মতুং নুমিৎ খরনি ফাওবা হরাও নুংঙাইনা পানখিদ্রেনে খম্বা থোইবাদো। অশিবনা নুংশি পন্তুং ওইখ্রে। ঙরাংতা লাকচবী কুঞ্জরাণী মতম কুইনা হিংউ তম্নমদ্রবোই। মাগী থম্মোইগী তামোচাবু থাদোক্লম্নগা চৎখ্রেনে সংসারগী রাংমদা— 'ইস! ওন্থোক্লশু ফত্তেদকো-- হে ফত্তবা—।'

অশ্যাম্ব মাং

অফিস চৎনবগীদমক শয়ারা লোকচংনা হৌদা চৎপ

অকেন হন্নু দগী থোকচরকই। সাহেব বিভোলবর কাপথোক্তনা

হন্নু দা লৈকোবে। খংনি লিংকি লাকপগা হন্নংলোন দা খো কাং

তমা অনি কানশিনখৈ। খুদক অচুনক্তা লেংগী রোমেন।

মখোল হেন্না লেবকক, "বাবা, হো বাবা," হন্না য়ে থোক

খিবদা মচা লোমেন্থু ডরে। হেডন ভক্তা রোমেন কবিনো—

স্কুলদা চংহিবং, ডাইরি— হন্নক্রবদি কৈদোরবনো হায়বা— ?"

রোমেন বা ভা বা থোক্তে। মপাগী নাক্তা শুং শুং কল্লা

হৌরক্লে। মচাগা মত্তৌদা অকেন ভাব তাবা ভগদ্রে। মচাবু

কোল্লতুনা হংত, "হায়যুনে রোমে ইচান কনানা ফুরকপগেনে—

হৌজিকমক ইচান ফুরকপা মা অচু মনম তংপখৈ ফুকগে—

হায়য়ু কদায়দা লৈহৌই— ?" মপাগী ভকশমদা কল্লা কোনশিল্লগা

হায়জরকই, “বাবা, বাবা— বাবানা খল্লিবদো নত্তেয়ে— ঐখোয় কাকা অমর...................।” হা ঙাংবা ঙমদ্রে কপ্পুনা লৈরে। “করি, হায়যুনে রোমে— নংগী কাকা কৈদৌরবগে?” “ঐখোয় কাকা অমর লম্বীদা ....।” “গাড়ীনা শোক্লে অসি নত্রা..........?” “নত্তে বাবা— লম্বীদা মশক খংদবা নুপা অমখক্না কাকাবু থাংনা থিল্লম্লগা চেনখ্রে............।” কন্না পাওরকই, “করি থাংনা— ?”

জেনেরেল হোসপিটালদনি। ডাক্তরখানাগা অকোয়বক্ত লাবা, অপোবা, অশবা, মঙ্গা মচু মখল কয়াগী লৈরাংনা পিক থল্লি। নিংথিজববা য়েংবদা পুক্নিং হুনবগী মশক ওইরবা মনম নুংশিরবা লৈরাংশিং অতুনা মকা ফন্না মনাক্তা পাইবল্লিবা খোঙম্পুশিংবু কল্লকইনগে হায়বগী মতাঙ্গুম মোমোন মোমোন নোল্লদুনা হায় হুনি। লৈরাংশিংগী নুংঙাইববু মতেং পাংবা ওইনা মালংবশু লৈরাংগী লৈনারক্তা বেকু লোৎপী শান্নরি। করিগুম্বা মতমদা মালংবনা লৈরাং লৈনম পুখিত্তনা ডাক্তরখানা মনুংদা লৈরিবা অনা অয়েকশিংবু ঙাইহাক্তং পোৎথাবা পিবিরি। অনাবশিংগী অরাʼ নাহেখোন তারগা মখোয়শু নুংঙাইতবা ফো দোল্লি। ময়ামগী অরা-অনা য়েংলিংদ্রে হায়বগী মতাঙ্গুম হৌজিক্তা হায়-হুমদুনা শাৎচরম্বা লৈরাং কয়া লৈখোক্তগী কেন্দুনা মালেমথক্তা তিনখ্রে।

ডাক্তরখানা অদু ফিঙৌ শেৎপী শক্তা-চুদা রাণ্ডবা নর্শ নুপীনা পিক থল্লি। মকোক্তগী খুকউ মথক ফাওবা য়েংবদা

ঙৌরোক ঙৌই। ওস্তোরুশু ফজৈদা মখোয়গী ইউনিফোর্মশে। মখোয়না হঙ্গৎ হন্দা চৎপা অদু লাপতরূা য়েংলবদি ককচে° ময়াম্না মরুম পুদুনা চৎপগা চপ মান্নে। অদুক য়ামগ্রবা নর্শাশং অদুগী মথক্তা অমুকশু এম্বুলেন্স গাড়ী মনুংদগী নর্শ তরা-কুন কুমথরক্লনা ডাক্তরখানাদা চংখ্রে। কা খুদিং চংলগা তত্তনা হংলি, "খরা ফরবা? করি তৌরকই? গুলী চারবা? ইস করিগীনো ফি লৌথোক্লিবা?"

লোইরমদাইগী খোঞ্জেল্লী। অতাবা মী খুদিংমক থম্মোইদা থুক লাওবা অমদি শোয়দনা পোক্লকনি। তাও কাকাগী নিংঙমদবনা থল্লবা খোল্লাও, "কাকাগী রোমে— হো ইপাগী রোমে কাকাদি ইচাবু হুন্দোক্লম্লগা চৎপা তারেনে রোমে -।" "কাকা কপকনু— কপ্লবদি পোত্থাবা য়াররোই, কাকা কপকন্নু তোক্লোশে।" অসি হায়জরগা রোমেনা চোৎলবা মাইথোং অদুবু তপ্পা তৈথোকপিরি। তৈথোকচৈ হায়বতা মঙাইরে- রোমেগী মিৎলুশু পিরাংতনা থুক্ষৎখ্রে। "ইপাগী মুংশিরবা রোমে- থব্রাইগী মণি— নংগী কাকানা হায়রিবশে মুন্না তাওকো- নংন্না হয়েং চাওরক্লগা কাকাগীদমক লমন..........।" অসি হায়রম্লগা তুমিন্না লৈখ্রে। কপ্লদুনা হায়জরকই, কাকা-কাকা. শে মিৎ পাংথোকউ— কাকানা ফরক্লগা মরম পুম্নমক নচাদা মুন্না তস্বীয়ু— হৌজিক্তি কাকাগী হকচাং পোত্থাননবা তুমিন্না লৈবিখো।" "রোমে, কাকাগী রোমে য়েংউনে নন্দোমচামা কৌরক্লিবশে .... নংবু উদ্রব্রনে রোমে........ নমানা লৈরাং পরেং

পরেং চাইথরক্লিবশে— তু য়েংউনে রোমে— নমানা নিংথিজরবা লৈগী দোলাইথক্তা তোংদুনা ঐবু কৌরি— ঐবু কৌরি— রোমে কাকাবু খাম্লগন্নু, ঐ চৎলগে, ঐ চৎলগে।" তেংথাজরদুনা খুমজরকই, "কাকা করিনো কাকানা হায়রিশিবো কদায়দগী ইমা— কাকা, শে চোইরোন লোনগন্নু হায়বা।" মপা মচাগী মতৌ অদুদা ডাক্তবখানা মনুংগী অনা-অয়েক পূম্নমক হিক্লা হিক্লা কপ্লরক্লে। থোদোক অদুমক মখোয় মখোয়দা থোকপগা চপ মান্নখ্রে। সেবাগীদমক চংজরকপী নর্শশিং অদু ময়ামগী সেবা তৌবদি লাইরদনা মশা মথন্তা লেপচবা ফাও ঙম্লক্রে। মিৎলু নাপোম অনিমক পিরা না পু'থুম থুক্কৎখ্রে। রোমেগী মতৌ য়েংবা ঙম্বরক্রে। মাগী কাকাগীদমক রাজবা উরগা হেন্না হেন্নদুম থম্মোই পুবা ঙম্বরক্রে। লৈকোনম্নুংগী লৈরাংশিং অদুশু হিক্লা হিক্লা তেংথানরক্লে; "ইস। অরাবনি মীওইবগী পুন্সি——।" হিক হিক কপ্লদুনা হায়জরকই, ডাক্তর বাবু ঐখোয় কাকাবু অমুঙ্গা কন্বিযু— কাকাবু কন্বিযু।" ডাক্তর বাবু অদু ওম্লোকপা দশা তারে। থাংনা থিল্লম্বগী চৈনাখোল অদু কোক্লনবা হাদাক তৌবতা ওইরম্লবদি খর মখৈ ফরমগদবনি। অদুবু থাংগী মতেক খরা তোংশা মনু'দা চাকথাও ময়াদা য়ৈশিন্দুনা লৈখ্রে। ওপরেসন তৌদ্রবদি মতেক অদু লোথোকপা য়াররোই। অমরোমদা ওপরেসন তৌবা হায়বশিশু তরাই তরাইবা থবক নত্তে, শিবা চংবা তম্বা ঙমদে। পূম্নমক ঈশ্বরগী থৌজাল মথাদা লৈরে। জগৎপু শেম্বিবা ঈশ্বরনা

চান্বিরবদি শোয়দনমক্কী ফগনি—।

ঙসি কাকাগী ওপরেসন তৌগদবা ন্নমিৎনি। ওপরেসন থিয়েটর মমাঙদা রোমে অমস্তং মাগী বাবা ওকেন ফমদুনা লৈ। মাগী কাকাগীদমক খন্বদা কপ্পা নত্তনা উপাই লৈদ্রে। ত্তনা নিংশিংলকই মমাংদা থোকখিবা ৱারী কয়া। নো মা ন্নমিদাংৱাইনি। কাকা ওফিসতগী য়াম্না থুনা লাকই। ঐবু উবদা নোক্লদুনা কৌরকই, "কাকাগী রোমে— হো রোমে।" "করিনো কাকা?" "য়েংঙোই রোমে— হন্দক নখোয়গী ক্লাস ফাইভকী কমপিটিশন পরিক্ষাদা ইচানা ফাস তারে- ঃ, ঃ য়েংউনে ইরিবশে--।" খবর অদু মচাবু য়েংহল্লি। "কাকাগী রোমে— নংনা হয়েং ক্লাস টেন পাস তৌরবা তুংদদি কাকানা ইচাবু আমেরিকা, জাপান, ইংলণ্ডনচিংবা মঁ রৈবাক্তা থা-থাদুনা লাইরিক তমহনগনি। অদুগা ঐনা ইচাগীদমক চাওথোক্না নাপল কাজগনি। ইচানা মীরৈবাক্তগী নহৈ তম্বা লোইদুনা থোব্লক্লবা মতমদা কাকানা ইচাবু পুদুনা লৈকাইগী ইচিন-ইন্নাও, খুড়া-মামা কয়াগী মমাঙদা ইচাবু য়েংহনগনি—। অদুগা ইচানা কলেজগী প্রিনসিপাল ওইরবা মতমদা কাকাদি ন্নুংঙাইনা ফমদুনা ইচাগী মপাল চাদুনা লৈগনি—। অদুননে রোমে হৌজিক্তগী হৌনা লাইরিক তম্বদা থৱাই য়াওগদবনি—। খংদবা পুন্নমক ওঝাশিংগী মফমদা খংননবা হংগদবনি—।" "ইসে ইকাও কাওই হে রোমে।" "করি কাওরম্লবগে কাকা—?"

"কাওরম্লে হায়বা নত্তে, কাওরুরে হায়বনি। কাকানা

ইচাগীদমক মিঠাই অহাওবা লৈরকপনি ঙসাইমখৈ কাওথোক্লুরে অসিনি রোমে নৈ কাকাই বুদ্ধিশে—

"কাকা, কাকাখক্তা নত্তে— মী থুদিংমক কাওনৈ।"

ঐগী রা তাবদা 'চুম্মী রোমে' অসি হায়না ঐবু পমথৎ-পিরদুনা হন্না হন্না চুপচখি।

হৌখ্রবা রাবী কয়া নিংশিংনা মঙলৈবাক্তা তাওদুনা লৈরিবৈ কল্লবা খোঞ্জেন্না লাওরকই, "বোমে কাকাগী রোমে।" রোমে ইখং খংই, মশমমনা চপচপ যুংখৎলি, তু খ্যাও-খ্যাও চুংই। রোমে কপ্লদুনা খংলাও লাওজবকই, "কাকা।" অমুকশু লাওরি, কাকাগী রোমে, লাও চংশিল্লকউ কাকাই নাক্তা লাও অমুক্তা কোল্লমগে, কাকানা স সার থাদোক্লমদাই মতমসিদা ইচাবু কল্লক পেন্না অমুক্তা কোল্লমগে "রোমে···· রোমে···· কাকাই রোমে।" খংহৌদনা রোমে ওপরেসন তৌফম কা অদুদা চেনশিনখি। "রোমে চংশিল্লকউ— কাকা কোনগে লাও।" রোমেগী মিৎলু নাপোম অনিমক পিনা পুমচোৎ চোৎলে। "কাকাই রোমে কপকনু— করিগী কপ্লি" অসি হায়রম্নগা মচাবু চেৎনা কোন-শিনখ্রে। তঙাং তঙাংলবা মাইথোং অদুবু হন্না হন্না চুপ্লগা হায়খি "কাকাই রোমে— কাকানা ইচাবু আমেরিকা, জাপান, ইংলণ্ড য়োনা থাবা ঙমহৌদ্রেনে রোমে। —লাইবক থিরবা ইচাগী পুন্সিনি। নৈ কাকা ঙসিদি চৎপা তারেনে রোমে— অদুগা কাওহুকো রোমে কাকাগী লমন··· ···।"

মনাক্তা লৈরিবা ডাক্তর বাবু অমদি নর্শ পূন্নমক উপাই লৈদে। থাং অদুনা পুকনুংদা লৈগ্রবশু ওপরেসন তৌরগা লৌথোক্লবা তুংদা ফগানি খনজরম্বনি। অদুব থাং অদুনা চাক খাওগী ময়াইমক্তা ইঞ্চি মবিবোম শা না য়াৎখাইখিবা অদুনা মখোইগী গতি লৈখিদ্রে। হিংলবোই হাযবসে মখোইগী থম্মোং না শং শংনা উৱবনি। অদুনা মখোয পূন্নমক নিংবা কায় । তৌকম খংদনা চপ চপ লেপ্তুনা লৈরে।

অবোইবা শ্বর হোল্লমদাই মকমদা অমুক্তং মচাবু কপ্পা কৌজবকই, "বোমে— কাবাগী বোমে···· ঐ ··· বাবা। ।" অসি হায়বয়গা য়াঙাংবা লেপখ্রে। পা লম্বা মিৎ উইশিনখ্রে। কোল্লম্বা খুৎশু লেকথখ্রে। মাগী কাকাব চেৎনা কোল্লগা কপ্পা হন্না তেংথা তে থাহনা রোমে ওন্ন থোইনা কপখ্রে। ওকেপ্পা মচাবু কোনখৎলহনা থেমজরকই, "কপকনু বোমে কপকনু। নংগী কাকা লৈত্রবশু ঐ লৈরি-নংগী বাবা হিংলিনে বোমে। ঐখোয় মীওইবা খুদিংমক নোংমা নত্রগা নোংমদি শোয়দনা শিরগদবা ডাক্তনিনে রোমে, কপকনু। ঐশু নংশু নোংমা শোয়দনা মাংখিগদ-বনি। মতম খরা অহান অকোনগী রানি। শে তোক্লো শে কপ্লগনুনে রোমে — ।"

মনাক্তা লেপ্তুনা লৈরিবা ডাক্তর অমদি নর্শশিং অদুবু য়েংলগা হায়রকই, "ঐ' কাকাবু নখোয়না হাৎপনি···· মীনুংশি খংদ্রবা হিংচাবা-হিংচাবানি নখোয়শে···· নখোয়গী খুৎলায় ময়ামশে মী কন্নবা নত্তে, মী হাৎননবা হায়দুনা থম্বা ঙাক্তনি। ডাক্তর বাবু

কাকাগী থরাই লাম্বিবগীদমক হন্না হন্না থাগৎচরি। ইচে (নর্শ) নখোয় ময়ামশ্ং কাকাগী থরায় লাম্বিবদা মতেং পাংবিবগীদমক হন্না হন্না থাগৎচরি। অদ্গা— অদুগা···· হিংচা য়াইত্তমগী মীহাৎশঙ অসিদা মপুন্সি লোইখিবা মীওই কয়াগী নিংঙমদ্রবা অরা তেংথা অদুদি তাগনি তঙনা মীতাৎপা নখোয়গী মীনুংশি খ দ্রবা পাপ্তুনা থল্লবা নাকোংদা···· অদুগা···· উগনি মঙ হা ওইনা অশিবা হক-চা শিং···· নিক্কনি নখুৎ অদু মী হাৎলুবগা····। অসি হায়রম্লগা বোমে রা ঙাংবা থোরখিদ্রে, হমিন্না লৈখ্রে। ওকেম্না মচাবু পোক্ত অদুবু খুমখিদ্রে। মমিন্তি ইবং লংনা পাংদুনা লৈ। হঙকপা মতৌ অদু উবদা ময়াম পুম্নমক তৌফম খ নদ্রে পুংঙক থেরখ্রে। ঙান তাননবা কন্না হোৎনৈ অদুবু গাকি লৈরে····রা ঙাংখিদ্রে। পু খাইমুক্কী ভুংদা খংহৌদনা খংনাও লাওরকই, "কাকা কাকা···।" য়োমেনু উবদা মা খুদিংমক খাংবা ঙম্লরক্রে, মীৎলুদগী পিবাং শিন্তবক্লে। নুংদগী হেন্না কল্লবা থম্মোই ফাওবা প্রেমগী ধারা শিংহল্লি।

চৎলোকো-কাকা- চৎলেকো,
কাকাগীদমক নচানা—পাথোক্কনি ইথৌ মপুংফানা॥
"ঐনা হয়েং চাওরগা—কাকাগী লমন"

বোমেনা মাগী বাবাবু মনুংশি খদবা মীনি হায়না লৌই। মাগী বাবা পুলিস ইন্সপেক্টরনি। বোমেনা খল্লি, “পুলিস খুদিংমক মীনুংশি অমত্তা থংদে। মখোয়না নুং শিবদি চিরোন তৌদুনা অরোম্বা শেল পিবকপা মী ওদুখক্তনি। থাঙ্গৎশংবদি মী অদুবু নুংশিবগী নত্তে, শেল অদুতবু পাম্ব গীনি।” মখোয় অসিশু মীহাৎপা কাংবু অমনি হায়না বোমেনা লৌই। চুম্মী ওকেনগী থম্মোইদি নূংদগী হেন্না কল্লি। ইমুং মনুংগী অৱা অনা কযানা মাগী থম্মোইবু থোৎহন্বা ঙমদে। মপাম্মোংগী শক্তম অদু ৱোংলবদি বোমেনা খল্লিবা অসিমক অচুম্বনি। অদুম ওইনমক ওকেনগী থম্মোইনুংদি মপান্দা উবিবা দৃশ্য অদুগা য়াম্না খেন্নে। মহাক অসি থম্মোই শেংবা, মীগী ফনবতা খন্বা মীনুংশি থংবা মীনি। অদুগা মাগী কন্থি অমখক্তংদি লৈ মদুদি মীনা মঙোন্দা তৌরকপা অদুগী মতিক মানশু মী অদুদা তৌগনি। ‘চেঙ পুরগা চেঙ শিং, ফৌ পুরগা ফৌ শিং, হায়বা অদু চপচানা পাংথোক্কে খন্বা মীতানি।’

ওকেনগী রাখলদি রোমেনা খল্লিবা অদুগা য়াম্না তাম্নখ্রে। ওকেনগী মত্তি অসিনি— মীয়াম মমাংদা মিৎলুদগী পিরাং শিন্থরগা তেংথা-নাওইদুনা অতোপ্পশিংগী থম্মোইবু শোকহল্লোই-দবনি। কপ-লাওদুনা অরাবা ফোংদোকপগী মহুত্তা নুংদগী হেন্না কল্লবা থম্মোই চেম্বা মী অমা ওইনা ময়ামগী সেবা তৌগদবনি। কপ্পগী মহুত্তা কপ্পুবনা হেন্না ফৈ। কপ্লগা অরাবা কোক্কনি হায়রবা রা লৈতে। কপএবশু নুংশিবগী চাংদি হন্থরোই। অদুনা কপ্পুনা অমদি তেংথাদুনা অনাবশিংগী অমদি অরা-অনা তারবা মাওইশিংগী সেবা তৌরোইদবনি। কপ্পুনা 'সেবা তৌরবদি অনাবা অদুশু থম্মোই হেন্না হেন্না নুংঙাইরক্লোই। মরমদি কপ-লাওদুনা তেংথাবগী অরা মৈশানা মাওইবগী হোংদোক হোংজিন নাহবা থম্মোই অসি থুগাইদুনা ঈ চুপ্পা ঙম্মী, মৈশানা চাক-থেকহন্দুনা উৎ ফাওবা ওলহনবা ঙম্মী—।

ওকেনগী লেংদ্রবা রাখলদি— "মপাম্বোংদা মীহাৎপা অমগী শক্তম লৌবা অদুগা থম্মোইনুংদনা মীনুংশিগী থবক তৌবা অসিনি। মানা খল্লি, কপ-লাওদুনা তেংথারগা মী অমনা মী অমবু নুংশি হায়বা হেক্তা য়াবা নত্তে। করিশু লৈত্রবা জল মচা অমনা মিৎ মনুংদা চংখিবা মতম ফাওবদা পী ওরো ওরো তাহম্বা ঙম্বা মীওইবগী তৌশিন্ন-হৈবা মিৎকা কুম্মৈনি। মীগী অরাবা উরগা ঙাইহাক্তং মতেং পাংবা ওইনা কপশিন্নরুবনি। কপলিবদো নুংশিদুনা কপ্পা নত্তে, কপশিন্নবনি। লাও-খোংদুনা তেংথারিবা অদুশু চিম্বাম্বোংগী ড্রামানি। মরমদি থাঙ্গেশেংনা

কনাগুম্বা অমনা অৱাবা তারবা মী অমা নত্রগা লৈখিদ্রবা মী অমবু নুংশিরবদি মহাক অদুগী থম্মোইদা কপ-লাওদুনা তেং-থানবা মপাঙ্গল লৈরক্তে। কপলিবদো নুংশিবা ম্মোদবননি। অশেংবমক কবিগী কলমদগী ইথোকখিবা ৱারীগী লিলা শান্নবনি। তৌশিন্নবা লিলাগী অৱা-তেংথাখোন তারগা কপ্পা ঙম্লিবা মীওই-বগী থম্মোই অসিবু থম্মোই শেংনা নুংশিদুনা কপ্লিবনি হায়বা য়ারব্রা—? ঙাইহাক্তং কপ্লুবা, লিলা লোইরগা কাওথোকপা, কপ্পা তোক্তুনা নোকপা অসিবু করম্বা মথলগী প্রেমনো—? মরম অসিনা কপ লাওদুনা তেংথাবগা, কবিগী ড্রামা য়েংদুনা পী মরিক অমা তাহল্লগা মীওইবগী থম্মোইবু অৱাবা পিরোই-দবনি। তৌশিন্নববু ওইরবশু থাঙ্গৈশেংনা নুংশিজবগীবু ওইরবশু য়ারিবমথৈ কপ লাওদুনা অতোপ্পশিংবু নুংঙাইতনবা তৌদবা ফৈ। নোক্তুনা সেবা তৌই হায়দুনা অৱাবা খংদবা মী অমনি হায়না কনানশু হায়রোই। অদুম ওইনমক নোক-খেতুনা সেবা তৌ হায়বমক্তি নত্তে। ইমা ইপা শিবা মতমদা কপত্রগা ঐনা ইমা-ইপাবু নুংশিদে হায়বা য়ারোই। কপ্তুনা তেংথারিবা মানা ঐঙোন্দগী হেন্না মীনুংশি খংবা মীনি হায়বশু য়াদে। চুমই, হায়নবা ৱা লৈ— 'ফোংদোক্তবা অৱাবদি অৱাবগী মশক্নি।' অদুবু ঐনা থাজৈ মদুদি ফোংদোক্লগা অৱাবগী চাং হন্থবগী মহুত্তা থোইন থোইনদুম অৱাবগী চাং হেনগৎলকই।

জানুয়ারী, ফেব্রুয়ারী মথং মথং হৌখিবনা ঙসি জুন থাগী তারিখ ২৪ য়ৌরক্লে। ক্লাস টেনগী পরিক্ষা হায়দোক্কনি হায়বা

পাও ফংনবদগী ছাত্র ছাত্রিশিং অমদি মখোয়গী গার্জিয়ানশিংনা টেলিফোন এক্সচেঞ্জ ওফিস মমাংদা লেপতুনা মাগী মাগী রিজলট ঙাইনরি। খরনা ফল হংবিয়ু হায়দুনা মশাগী রোল অদু ইরগা ওপরেটরদা পিশিল্লি। ওপরেটরনা ঙাইহাক্তুং অদুদা চাওরিবশু অঙকপনি। লাইন য়াদ্রেবু হায়বনে— ফল হায়দোক্লিবু হায়বনে মীকুপ অমদা মানা চাওজরিবশু চিফ মিনিষ্টরগা চপ মান্নব্রে। ঙাইহাক্তুং লৈরগা রোল ময়াম অদু ফল্লাংদা নপ্তুনা থম্লে। পাস ওইবা কাংবুনা নোক নোক্তুনা চৎনখ্রি। অদুগা ফেল ওইবশিংনা ইমক মকশিন্না হন্নখি। থার্ড ডিভিজন্দা য়াওরকই হায়দুনা নুংঙাইতবশু য়াওনরি। পাস ওইবশিংগী মনুংদা রোমেশু য়াওই। অদুক হক্তা বাংদ্রবশু ফার্ষ্ট ডিভিজন্দদি পাস তৌজরে। পরিক্ষা পাস তৌরে হায়দুনা ছাত্র-ছাত্রি অয়াম্বা নোক-খেতুনা চৎনখ্রি। অদুবু রোমেদি ময়ামগী হরাও তয়াম্বা অদু য়াওনিংলুদ্রে। মাবু নুংঙাইতবা রাখল অমনা লমজিংবা হৌরক্লে। মাগী কাকা লৈখিদবশে চহি ৮/৫ রোম শুরক্লবনি। অদুবু ঙসি ফাওবা কাওবা লৈত্রি। মাগী কাকানা হায়রম্বা বা অদু নিংশিংলক্লি, "নংনা হয়েং ক্লাস টেন পাস তৌরগা আমেরিকা, জাপান, ইংলণ্ডচিংবা মারৈবাক্তা থাদুনা লাইরিক তমহনগনি।" অদুগা অমশু নিংশিংলক্লে "কাকাগী লমন।"

রোমেগী মকশিল্লবা মায়থোং অদুবু উবদা মপানা হংলকই, "কৈদৌরে রোমে— পরিক্ষা হায়দোক্লে হায়বদায়নে …. ??"

"অঙ বাবা, হায়দোক্লে। ঐশু ফার্ষ্ট ডিভিজন্দা পাস তৌজরে।"

“অছুনিদনা নিপা মচা হায়বদো। ছাত্রগী মগুণদি পরিক্ষাদা থংবা উম্মীদো। নঙেনে য়োমে নংনা মায়থোং ইমক মক-শিল্লিবতুবু করিগীনো —ফাষ্ট পোজিসন ওইদে হায়বগীরো—??” মিৎলুদগী শিস্থরকপা পিরাংনা য়োমেগী তনৌরবা মাইথোং অদু পুমচোৎ চোৎলে। নিংঙমদ্রবা রাবৈনা হাইজরকই, “বাবা—ঐখোয় কাকা কাওরব্রা?” মচানা খল্লিবা রাখল উরদুনা থেম-জরকই, ও অদুগীরা —খংলে খংলে—, হায় বুদু; কৈদোনা অঙাংদৌনা কপ্লি— নংগী কাকা লৈত্রবশু ঐ লৈরিদনা— ঐনা নংবু আমেরিকা, জাপান, ইংলণ্ডনচিংবা মফমদা থাদুনা লাইগ্রিক তমহনগনি— অদুগীদমক কৈদোনা কপ্লিবনো--? হায়যু য়োমে করম্বা লৈবাক্তা হান্না তমনিংই?” তপতরা, “অদুগী নঙে বাবা। ঐনা তেংথারিবসে আমেরিকাগীদমক নত্তে— জাপান্দা চৎনিং-বগী নত্তে, ইংলণ্ডগীদমকশু নত্তে।” অশাওবা মীৎয়েংনা মপাদা য়েংলগা “কাকাগীদমক করিশু খন্দ্রবা, হিংচাবা পুলিস মী কয়া কয়ানা থবক তৌরিবশে খল্লুবদা নচাগী থম্মোই অসি মৈদগী হেন্না শারবনি। নহাক পুলিস ইন্সপেক্টর নত্রা—? পুলিস অমা ওইরগা উসি ফাওবা কাকাবু হাৎলম্বা মী অদু ফাবা উমদ্রি—? হায়যু শেল কয়ানা মীহাৎপা অদুবু লোৎলিবনো? কাকাগী থবাই অদু লুপা কয়াদা য়োম্হোকখ্রে—? মনাও মুং-শিবদগী শেল পাম্বনা হেল্লবা থম্মোই অদু খল্লুবদা নচা য়োমেদি সংসার অসি থাদোক্লিংলবনিনে।” অসি হায়রম্লগা মখোল থোক্লা শুৎ শুৎ কপ্লক্লে। মচাগী মতৌদা ওকেন তৌফম খংদনা লৈ।

ইন্সপেক্টর অমা ওইরবশু ওকেন্দি শেঙ্গ-যুমজাদা থরায় য়াওবা মী নত্তে। মাদি মীঙোন্দগী অমদি মানা পিরকপা অরোম্বা শেল লৌদে। মীদগী শেল খরা লৌরুবা অদুনা মাগী নুংঙাইগনি হায়না খনদে। করপসন হায়বশি ইশা ইশানা শেমজবনি হায়না লৌই। ইশানা পিরুদ্রবদি মীনা লৌগে হায়রকফম থোক্তে। মীনা লৌনি দ্রবশু ইশানা লৌবিদ য়াদে হায়না থেমডুনা শেল পিবগা করি দরকার লৈ? অদুবু হৌজিক্কালগী 'রানোম শেল' হায়বা সির্মাদি থাবা য়ানদ্রে। রানোমদ্রবদি থবক ফংনদ্রে, পৈশা পিরদ্রবাদ এগীদমক কনামগুনা ফনবা শিংদ্রে। করিনো খদ্রে লুপা ১০০ তা ফংজবা কেরানী ফাওবা শেল চারবনিনে। থা অমদা লুপা ১০০ তা ফংজবা কেরানীদে। থা খুদিংগী য়ামদ্রবদা লুপা ৩০০ তাল্লবনিনে। চাওখৎলকপগী মতুংইন্না এনা থবক অমবু শিন্নিবা ঙম্লবদি থবক অদুগীদমক মাঙোন্দগী শেল লৌথোক্কবা য়াদে। অতুমওইনমক ওকেনগী রাখলদি মীনা লাক্ক কয়া শেল পিরক্কুনস্রু লৌরোই হায়বসিনি। শেল লৌবগী মতুত্তা শেল পিজগে থোরাংলিবা মী অদুবু থিনা থিনা চৈবা অদুনা হেন্না কৈ হায়না খনজৈ। খন্দুনা য়েংঊ-ইনাকখুনবা মাদি ইকোম কোম্না লিশিং লিশিং পিবা ঙমই অদুগা লায়রবা এদি লুপা ১ তানবদা হুমাং তারিবনি। অদুনা য়ারিমখৈ মীঙোন্দা শেল পিজরোইদবনি। পিজনিংলিবা অর্মাদ শেল চানিংলিবা অনিমক ফারগা জেলদা থমগদবনি। মদুগদা মখোয়গী হৈনবা অদু কোকখিনি। অমরোমদা ওকেন য়ামনা শিংবা মীনি।

মনাও অমরবু হাৎখিবা মী অদু খংদবা নত্তে, ফিভম্না হায়দোকপা য়াদবদগী মতম অশুক কুইবশি ফুমদুনা লৈরকপনি। ঙসিদি মচাগী মমাংদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মরমদা শুগাইনা লিদবা য়াদ্রে। "ইপাগী রোমে, মুম্না তাও; ঙসিদি ইপানা মমাংদা থোকখিবা নংগী কাকাগী বান্নী অদু লোয়না লিখোব্রগে।

চহি ২০ লোমগী মমাংগী বানি। মতম অদুদা ন'দি পোক্লি। নংগী কাকাগী মুপী কুঞ্জরাণী ইনাক-কৈবাক খুন্না চন্দ্রশেখরগী মচানি। ঙসি ওইরিবা নৈ কাকাগী থৌদোক পুম্নমকশে নন্দোমচা কুঞ্জরাণী অদুগী মরোদগী থোকপা ঙাক্তনি। নন্দোমচা কুঞ্জরাণীনা লৈশারকপ মতমদা লৈকাইগী পাখ থুদি মক্বা মাবু হেক উবমক্তা কল্লকপা—মিহৌবা পোক্লে। মতম অদুগী ওইনা নন্দোমচা অসি মশক মতৌ য়াম্না ফজবী মুপী অমনি। অহাম্বা চাওখৎলকপদা মুপী ওইবাগী হৌনশা মমিৎ মনা ইথক থক্লম্মী। অদুবু মমৈথ দা সংসারগী ইরাং খংলকপদগী অতৈ মমাম্নবাগুম লম্ব-সরক্তা নোক খেদুনা চৎখিদ্রে। কুঞ্জরাণী মশক ফজবতা নত্তনা য়াম্না ইংই। হৌজিককালগী লোম্না সিনেমা য়েংবা, স্কুল-কলেজগী ছাত্রী অখৎপী লৈশাবীনা মমিত্তা মিৎলাওবা কাজন; মমাইদা মাইরাওবী পোগুস, পাওদর, হেজেলিন; চিনবান্দা বারকী তয়াল লিপ্সতিক; মশমদা লেত্রিন মনমগী থাও, থুনা পোক হৌগনবা; মখল মথেল কয়া তৈশিন-থোমজিনবা অদু নন্দোমচাদি পাম্লক্তে। মাগী মত্তী 'ঈশ্বরনা শেম্লক্লবা হকচাংদা কৈদোনা হমুক-হনৈ তৈশিন্দুনা অচপ্পা মিৎপু লাওহনগদগে,অমুবা মাইবু ঙৌহনগদগে' হায়বসিনি।

নন্দোমচানা চন্দন ঙাম্মা থিনদুনা থোরক্নাদি কেবা লোইরে হায়নরিবনি। মশমদগু য়ুবীথাও নত্তনা থোক্নদোকপা অতৈ থোরলুদে। অমরোমদা মাদি পাখং-লৈশাবীনা বারী শানদুনা চৎমিন্নব। উবগা মথস্তা শাওজৈ। মানা খলি, লম্বী-লমজাও থোক্তুনা ম যাম মমাংদা ৱার। শানরগা নোক খেদুনা চৎপনা য়ুমগী অহল লম্মনশিংগী নাই খুগনি। অউবা মীনা 'নচা নুপা অদুদি ওহোঙ্গা তৌগুম্বা নুপানি শোয়দনা হায়খিনি। অদুবু চাওখংলকপগী খো থা মঙ্গংইন্না হৌজিক্কালদি মীয়ামগী, মমা-মপাগী মমাংমক্তা পাখঙ লৈশাবা ৱারী শানবে, পুন্না নুংশি িনোক তম্মিন্নবে গুমিদাং পু ৭ কা নিনেমা য়ে মিন্নদুনা লোংভাল্লমদাংদ হঞ্জিন্নরে।

কুঞ্জবানাবু বোইরবপা নুপা অসি ওন্দোক য়ানত্রে। পাখংতা ন৺না মচা নুপাগীদমক মমা-মপা ফাওবনা নন্দোমচাবু থেম্নরম্মী। অদুবু কনবুস্ত্র পাম্বা লৈরমদে, মনাক নকশিল্লকপা মা খুদমক থিনা থিনা চৈ। মমা মপানা ফাংবদা য়ুম পান্নগী ৱাবী শারক্রবদি ওনশিন্দুনা য়াম্না থিনা চৈরকই, অদুগা হায়রকই, "ঐসে লৈশাবী যাববীনি, অফ যত্ত মুন্না খংলে। হমা ইপানা ঐগীদমক কবিমণ্ডা ৱাবিফম থোক্তে। লুকমাইদা হাপ্তুনা য়েঙ্গাং নাপী য়োবগুম য়ুমথোং খুদিং চঙ্ডুনা নুপা থিবগী অবিকার লৈত্তে। ঐগীদমক মতিক চাবা নুপা অতুদি ঐ হশানা খংই। ঐগা পুন্সিগী লৈমিন্নগদোরিবা মহাক অতুগীদমক ইমাখোয়না ৱাকফম কন্রিশু লৈতে। ইমাখোয়না হায়নশিনবা নুপাদা য়ুম পান্বা শুকগুম ঙম্লোই, ঐনা পামদে। ইনাক খুম্বা, লাইরিক লাইশু

হৈবা লাক্ষা ওইসনু এৈনা পামদ্রবদি এৈবু লৌ ঙমগদবা কনামক্তা লৈতে। এৈগী পুন্সিদি এৈগা লোইনদুন্না লৈরগদবনি। অদুগা এৈগী পুন্সিগীদমক অফ-ফত্ত পূন্নমক এৈতনা খংগদবনি।” নন্দোমচাগী থম্মোইনুংদা নৈ কাকাগী শক্তম য়েক্তুনা লৈরম্লে। অদুবু ইনাক খুন্বা মচা ওইবনা মমা-মপানা ই·াক খুন্বা ইমুংগা শঙ্গ তৌনিংশে কৌনশানি। ইনাক খুম্বনা লাইরবগা শঙ্গ ওইনিংবা ওইথোক-তবনি। মচা নুপীবু ইনাকখুন্বা ইমুংগী মচা মশুদা থাজগে হায়বসে মমাগী অরেপ্পা আশানি। মমাগী নিংজবা আশাশু পুংলে; মশক মতৌ ফজবা ময়া অমা ফংজরে। হায়রিবা রাফম অসি মমা ইবেম্মনা শিন্না অরোন্বা পোলিসিনি। রা পূন্নমক কুঞ্জরাণীগী নাকোং য়োহল্লমদে। মাগা অরোম্বা পোলিসি অদু চন্দ্রশেখরদি য়াওরমদে। চন্দ্রশেখরনা হায়, “তনৌ ন ন। ঙোরিবশে হয়ে মশা খ·লগা নুংঙাইরোইদা— মশাদা হান্না নিশিংহৌবনা ফৈ।” অদুবু মচানা য়াদে খংবনা মমা ইবেম্মা তনোনা করিমত্ত ম..দা নিংশিংখিদ্রে।

নুমিদাংবাইরম্নি— মখুক্তা স্নাবুল পায়দুনা প্রোজেক্ট পুখী-দগী ঈশিং শোক্কদবগী য়ুমগী মো, লৈশাবী কয়া মথং মথং থোক্নরক্লি। নন্দোমচা কুঞ্জরাণীশু মখুৎ ওইনা স্নাবুল অমা চপতুনা পুখ্রী তম্না থোরক্লি। লম্বী ময়াইমক্তনি, পাখং অমনা হংজরকই, “কুঞ্জরাণী ঈশিং শোক্লিরা - ?“ “শোক্লুগে চৎলিবা।” “রা অমতা হায়জগে রারৌবিগদ্রা— ? ও অদুবুরো— এৈগা রারী শাবদা অদোমগী থোইনা কাম্নরোইদা, হন্নীখিবনা হেম্না

যরোইদ্রা— ?” “কুঞ্জরাণী নহাক্না থিনা চৈংবস শাওরবোই-দবনি। অদুনা অশেংবা অদু হায়দোকপা ত্তাবে। নংনা খংবি-দ্রবশু ঐনদি নংবু খনজরকপা য়ুগ কয়া ঙৌখবে। অদুগনে য়েংঙোই কঞ্জবাণী ‘ন ঐগী লুহোংগদবা নুমিৎশু খবতা ঙাই-রবনি।’ কুঞ্জবাণীগী অশাওবী হায়বদো খম ঙংলে। খোল কল্লগা “ঐসে কনানো শংলবা— ? রা যান্না ঙাংনিংদে— চোপনি দ্রবদি খরা খুনা লেংবিখ্রে। — নল্লবদি অদোমগী লেম-জনিংঙাই ওইবনা শক্তম অদু অবেম্বদা …. …. ।” নোৎরদুনা, “শাওশিন্নত্তনা নরিমঙা কান্নবোই কুঞ্জবাণী, কাওক্ত ‘ঐসে নগী ঈশ্বনি’ থাজো।” নন্দোমচা শাওবনা ঙৈম হোবে। মখুংগী পাখংবম্বা সাবুল অদনা নুপা অদু তম্না কনা লংশিন্নরকই। ওসাই মখৈ লেপতুনা য়েংলম্বা মৌ, নৈশাবী ময়াম অদু ফাক ফাক খবাক খুডনা নুপা অদু তম্না নোকশিন্নরকই। মাঙ্গা অদুদা নৈ কাকাশু সাইকল থোৎতুনা লাকই। মখোয় অনিগী মকোদা ঙব্রডনা সাইকলদগী কুমথবদুনা নুপা অদুদা ওনশিল্লগা, “ভাই বমেশ, অ….অ….করি কৌনরবগে ?” নুপা অদুনা খুম্বা নংদ্রিডৈঙ নন্দোমচানা “ইকাই খদ মাইথাবা নংগুম্বন। ঐঙোন্দা করেম্নবা য়াবা— ? করি থোক্লে হৌর্জিক্ত— ? ও…. নোকপু নোরিংইনে ঐসে নংগী ঈশ্বরনি।’ নৈ কাকানা কুঞ্জবাণীবু চৈরকই, “ঙাই-খোনে কুঞ্জরাণী— নত্তে নংনা হায়রিবদুবু ফজবিরা হায়মি— ? নংনা হেন্না ইকাই খ খিদ্রে। পাখং হায়বসিদি নৈশাবী উবগা লক্লবা, ফাগী তৌবা হৌনশানি। নখোয়না শাওরক্লবশু নোক্লক্লবশু

পাখংগী নুংঙাইজবনি। নংগী থাজবু ঙমজবা মায়থোং অদুনু উবদা তুমিন্না লৈবা ঙমগদবা জগলা লৈতে। চৎলো, চৎলো ঈশিং শোক্লুরো। ইস! খাবুল অসিশু ইকোপ কোপশিল্লেনেশে। অদুগনে কুঞ্জরাণী— ঙসি নংনা তাথিনা তৌরিবা নুপা আস বনানো হায়বা নংদি খ লমদবা য়াই। মাবু করেম্নবনা নংগী অমাংবনি, নখুৎকী মণি নাংহন্নবনি। চেকশিন্না তৌগদবনি। মুন্না খনজহৌ কুইদ্রবনি 'নখোয় অনিগী লিলা .. ....।' মহাক অসি এম, এ, ফার্ষ্ট ক্লাস ফার্ষ্ট ফংলকপা রমেশচন্দ্র হায়বদো। ইমা ইপানা নংগীদমক হায়ন শিংনদুনা থমথ্রবা নুপানি। নংগা দমক্তি মহাক অসি মমল য়াম্নবা মণিনি। মাদি নংগী ঈশ্বরনি। পুজা তৌদুনা লৈগদবনি। মঙোন্দা উশিন্নবা, থওইদবা তৌরোই দবনি, মখোং পায়দুনা সেবা তৌগদবনি। ফরে কুঞ্জ ঐ চৎলগে। ভাই রমেশ ঐ য়ৌথ্রগে, ঙাইহাক লৈবিহোখো— ।"

নংগী কাকানা কুঞ্জরাণীগা ডনদনবা হায়দুনা মতম কয়া কুইনা কুঞ্জখোয়গী য়ুমদা চৎখিদ্রবনি, হান্নদি নুমিৎ খুদিং চৎলম্বনি। অদুগা কুঞ্জশু নংগী নন্দোমচা ওইদ্রিঙৈদগী হৌনা ঐখোয়গীদা নংনা নরা ওইরিঙৈ অঙাং শেন্নবিনবা হায়দুনা তামো চন্দ্রশেখরনা লৈহল্লম্বনি। অদুন্ নংগী কাকাগী অনিংবা অপাম্বগা নন্দোমচাগী অনিংবগা খেন্নরকপদগী নংগী কাকা অমুক হন্না নন্দোমচাখোয় য়ুমদা চৎলুদ্রে। নন্দোমচাগা উনদনবা হোৎনদুনতা লৈরক্লবনি। অদুবু হায়রিবা নুমিৎ অদুদি চৎবা য়াদবদগী নন্দোমচাখোয় অরাংলোমদা লাপতক্লা লৈবা দিনেশকী য়ুমদা চৎলুবনি। অদুদগী

হল্লকপা মতমদা নন্দোমচা অমদি রমেশ মখোয় অনিবু থেং-নকুবনি।

কুইনা উরুদ্রবা নংগী কাকাবু অমুক্কং উনজবা অদুদা খংহৌদনা নন্দোমচাগী থম্মোইদগী প্রেমগী ধারা শিন্থরকখি। নংগা কাকাবু খায়দুনা, "অ....অ....তামোচা অমুক্তা ঙাইবিখো।" নংগা কাকা সাইকল ইল্লম্বা লেপ্লে। "করিনো কুঞ্জ— এ চৎলগে— নৈ তামো রমেশকা ঙাইহাক লৈহৌখো— ঙসিদি ঐ নংগী মাংদা লেপ্পা ঙম্বগী শক্তি লৈত্রে-- অদুগা দরকারশু ওইদ্রে। ঙসি নংনা রমেশনা তৌখিবা, থিনা চেখিবা, স্নাবুন্না থাখিবা পুম্নমক্কো ঐগোন্দনি হায়না খল্লো। ঐ চৎলে কুঞ্জ ঐ চৎলে।" কুঞ্জরানীনা নংগী কাকাবু খাঙ্গা ঙনহৌদ্রে, রা ঙাংবশু থোক্তে। নংগা কাকাগী রাজাং অদু তাবদা কুঞ্জরানী পু ঙক ঙরুম্মী। মথম্বা খঙ্গে, থাঙ্গৈশেংনা ঐবু রমেশতা....। নত্তে, মত্ত ওইথোকপা য়াদে।" মযুম হেক য়েংবগা মমাদা য়াম্না মুন্না হংজৈ। অদুবু লৌশিং লৈবা মমা ওইবনা মচাগী মওং খংলদুনা অশুপ্পা খুমখি, "মীনা পংহায় হায়নবা ওইরিনি। কৈদোনা ইচাবু রমেশতা থাজগদগেনে— মীনা হায়নবা লৌরুম্ন ইচাশিদি—।"

মশানা য়াদে খংল ফাওবা রমেশ নিংহল্লবা লৈত্রে। কুঞ্জরানীবু নমদুনা লোগনি খনখ্রে। রমেশকী মপা চন্দ্রহাসশু অদুমক্কি। মশানা য়াবা য়াদবগী রা লৈতে, ইশানবু পাম্নবদি নুপী অদুবু থেমদুনবু ওইরবশু ফোর্শ চলাইববু ওইরবশু লৌগ-

দবনি হায়বসি চন্দ্রহাসবী ৱাখলনি। থাঙ্গৈশেংবমক মাগী নুপীনা শাক্বিনি। মানা লৌবিবা রমেশকী মমা তিলোত্তমা অসিশু ফাদুনা লৌবনি। মচাগী অপাম্বনা মাগীশু অপাম্বনি। "ইচানা উমদ্রগা ঐনা ফাগনি" খঞ্জবা চন্দ্রহাসনি; খনগ্রবদা উমদবা লৈতে। কুঞ্জবাণীনা রমেশপু পামদে খংলবদা অরোম্বা থবক চঙনবা শিন্না হৌবক্লে। মচন তনৌগী মচা নুপী ওইবনা কনানশু থিংবা উয়োই। অতুগীশু মথক্তা মচম্নশু মচাবু রমেশতা থাজগে ৱাশক্লিবনি। ফরে পুন্নমক মমা ইবেম্মগা তানদুনা তৌবা তাই।

তনৌশু মদুংনা খল্লিবদুগা চপ মান্নৈ। মখোয় অনিশে মবুং-মচন্নি হায়বদা ওংগোরকবু নাইদ চানখ্রে। মচানা ৱাদ্রবশু নমদুনা মচাবু মীগী মচাদা থাজগে খল্লিবী মমা ইবেম্মানি। অতুগীশু মথক্তা মবুংগী মচাদা মচা নুপা থাজব, হায়বসে তাইদগী হেন্না পামজবনি। চন্দ্রশেখরনা অসিগুম্বা মবুং-মচনগী মচা মশু চারো মৌরোনহন্বা অসি ফজদে হায়বদা কবিমঙা থৌশাদবা তনৌনি। চন্দ্রশেখরগী মচিন্বু নমহন্না 'ঐনা থোকপা তৌনি' নিংজবী মমানি। অরোম্বা পোলিসি অমা চঙনবগীদমক চিরোন তৌনখ্রে। অথেংবা অহিংদা কুঞ্জবাণীবু ফাদুনা পুননবা ৱাম্না কুপ্পা চেকশিন্না ৱা তানখ্রে।

সুমিদাংগী পুং ১২-৩০ তারকপা মতমনি। কুঞ্জরাণী হান্নগুম নিং-তম্না তুমখুন হুল্লি। থোক্লগদবা থৌদৌ অদু য়েংনিংদ্রে হায়বগী মতাগুম হৌজিক্তা মোমোন নোকচরম্বা থাজদো নোংচুপ চীংয়া পাংখরে। মমা ইবেম্মা হৌগগুনা মপান থোকখ্রে।

ঙাইহাক্তং লৈরগা জিপ অমা শুমাংদা থৌজিল্লক্লে। পন্থবা তৌদনা মমা ইবেম্মা অমদি রমেশ মথৌ পাংথোক্লবা হোৎন-রকই। মনেতোনগী পোলিশি মতুংইন্না রমেশ—, কুঞ্জরাণীগী তুম্ফম কাদা লোন্না তপ্পা চংখি। ও। লাইবক্লা তমলমদ্রমা-ল্লেনে— রমেশ বাবু। কুঞ্জরাণী ঈশ্বরগী থৌজান্ননি হায়গদ্রা খংদে তুম্লম্বদগী মিকপ থোক্লে। মিৎ পাংথোক্লকপা মতমদা মনাকমক্তা লেপ্তুনা লৈরম্বা রমেশপু উবদা অকি-অখং ওইনা খংলাও লাওরকই "আ····আ····কনানো ?" পন্থবা তৌদনা খুদক্তা মোন মখাদগী চুড়ী অদু শক্তোক্লগা হায়রকই, "নথৱাই মাংনিং-দ্রবদি ঐবু শোক্নু— হৌজিকমক চথোকখ্রো —নত্ৰবদি—। হো বাবা, হো বাবা, হুরাম্বা চংলে।" মমা ইবেম্মগী মখাদা চপ্পবনা মরম ওইদুনা কুঞ্জরাণীগী হোৎনবা পুম্বা অরেম্বা তারে।

রমেশনা নোক্লদুনা হায়রকই, "কুঞ্জরাণী শাওন্নু শাওদুনা কায়রোই। ঐসে নংগী পুন্সিগী থানবা য়াদ্রবা ঈশ্বরনি। ঐনা হায়বা য়াও, য়াদ্রবদি নংগী অৱাবা ওইগনি।" "অশেংবনি রমেশ, ঐসে মপু লৈরবী নুপী অমনি। থৱাই মাংনিংদ্রবদি থুনা চথোকখ্রো—।" "কুঞ্জরাণী ঐসে নুপা অমনি কাওরব্রা-- নংগী অথিবা রাহৈ অমা অনিনা ঐবু মাইথিহন্না ঙম্লোই। তপ্পা ইংনা চৎশি হায়ৱিঙৈদা য়াদ্রবনিনা ফাদুনা পুবা তারেদো।" অসি হায়রগা রমেশনা কুঞ্জরাণীগী মখুৎ ফাখ্রে। মখুৎ ফাখ্র-বদুদা উপাই লৈত্রদুনা কুঞ্জরাণী কন্না কন্না লাওজে। কুঞ্জরাণীগী খুত্তগী থাং অদু মুনগদবগী কন্না হোৎনরি। ফনা কুইনা মুন্নরবা

মতুংদা কুঞ্জরাণীগী হকচাং ইচোক চোকথরক্লে। থাং নান্থোক্লুনা হিপফম মথক্তা তাখ্রে। চপ মান্ননা মখোয় অনিনা থাং অদু পায়খ্রে। অমুকশু হান্নগুম কন্না মুন্নরক্লে। রমেশনা কুঞ্জরাণীবু শুপকোন কোনশিল্লগা থাংগাদবগী হোৎনরক্লে। অদুবু চোং ফম্বদগী ফাবা ঙমদ্রে। কুঞ্জরাণী নান্থোক্লুনা চেনখ্রে। তন্না তান্নদুনা ফারে, হিপফম মথক্তা মখোয় অনিমক তুশিন-মিন্নখ্রে। কুঞ্জরাণী ম্রাবগী ঙমখৈ লৈদে, মফি মরোল মখোং মরম খংদ্রে। ফনা কুইনা মুরুববা তুংদা রমেশ "অ... অ.... কুঞ্জরাণী ..।" হায়রন্নগা লৈমাইথক্তা হাইথদুনা তাখ্রে। কুঞ্জরাণা ইঙক ঙক্না ঙাইশাক য়েংদুনা লৈ। "ইস। এনা মী হাৎলবা .... ঐ ঐবু.... মীহাৎপা নত্তে ....। ঐনদি রমেশতা থা না থিনখিদেনা অদুগা মাগী নঙ্গনমক্তা থাংদি য়ুংদুনা লৈরি। কা অসিদশু ঐগা মগতনি। মানি ঐনা হাৎপনি, হাৎকে হাৎ-পনি।" অসি হায়রন্নগা কুঞ্জরাণী মপান্দা চেন্থোকখ্রে। মমা ইবেম্মাঃ ঙরদুনা ইমুংদা চেনশিনখি। চৌরন্নিবা ফিঙম অদু উবদা মিপাংরে। নিংজবা আশানা ওন্নরবদা মমা ইবেম্মা তৌফম খংদ্রে। মপান থোক্লুনা য়েংলুবদা মচানুপী কুঞ্জরাণা লৈরমদ্রে। অশুম ময়ুমদগী চেন্নকপনা নংগী কাকাগী মনাক য়োৌরক্লে। অথেংবা অহিংদা কুঞ্জরাণীবু উবদা নংগী কাকা য়াম্না ঙক্লম্মী। থোকখিবা থৌদোক পুম্নমক তন্নবা মতুংদা কুঞ্জরাণী ম্রান্থখ্রে। নংগী কাকানা তপ্না কোনখৎপিরদুনা কা মনুংদা পুশিনখ্রে। নুমিৎ অদুদগী নন্দোমচা ময়ুমদা চৎলু হায়বা য়াখিদ্রে,

নংগী কাকাগী নাক্তগী চথোকখিদ্রে, মখোয় অনি লোয়নদুনা অদুম লৈখ্রে। নন্দোমচানা নংগী কাকাগী মনাক্তা লাকপা অমদি থোকখিবা থৌদোক কয়া অদুবু তারগা ঐনশু মাবু চংজক্ষম পিবিখি। মখোয় অনিগী নুংশিনবা উরগা ঐগী থম্মোই-দশু থোইদোক্লা পেনজখি। অসিনি রোমে 'নুংশি নুংওনগী সংসার' হায়বদো—।

নংগী কাকা অমর মবুক তপ্পা মা অমনি। থবক খুদিং তহা-তহা তৌদে। তৌফম থোকপা পুন্নমক মমুৎ তানা নি-থিনা তৌই। মাপা বি, এ, পাস তৌরবা তুংদা ইমুংগী অচিন্না অদু খরা কোম্লনবা হায়দুনা নংগী কাকাবু নুপী থিহন্নবা কন্না হোৎ-নখি। অদুবু মাগী রাশক অমা লৈরম্মদগী নুপী থিবগী রা থাদোকলুই। "বাবা করি রাশরো ?" হেরা করিশু নত্তেদা নংগী কাকা অমদি নন্দোমচা কুঞ্জরাণী মখোয় অনি মনুংদা লোম্না নুংশিনজরবা জাৎনি। অদুনা নংবু লৌদ্রবদি ঐ নুপী থিরোই নঙোন্দা লৈত্রবদি ঐশু যুম পাল্লোই হায়না মখোয় অনি রাশক্করিবজাৎনিদা··· অশুম মখোয়নিগী রাশক মখাদা লৈরকপনা চহি অমা খরা হেন্না হৌখরে। মতম অদুদা নংগী কাকা এম, এ, তমথরুদ্রে। ৫৮০ বেঙ্কদা থবক তৌবা য়াওখরে। বেঙ্কদা থবক তৌবা চহি অমরোম লৈরগা ওসি ইপানা লিরিবা য়ারী অসি থোকখিবনি। মতম অদুদা রমেশশু কলেজগী ওঝা অমা ওইজরবনি। ছাত্র-ছাত্রীশিংনা অশুম্না হায়নৈ "ডি, এম, কলেজগী ওঝাশিংগী মনুংদা ওঝা রমেশনা

তাকপা অহনা খ্বাইদগী মুংঙাই, ভাব তাই।"

রমেশপু থাংনা থিল্লম্বা অমদি কুঞ্জরাণীনা চেল্লকুনা নংগী কাকাগা লৈমিন্নখিবা অসিগী ৱারীনা লৈরক লমজাও য়ুমথোং খুদিং চিবুন চিবুন শানদুনতা লৈখ্রে। কলেজ ছাত্র-ছাত্রী ফাওবা ফাগী তৌ তৌদুনা নোক্লরি, কিশু কিনরি। মুপীনা মুপাবু থাংনা থিল্লি তাবদা কিদবা ঙমদে। অদুগা মশানা ম্বাজদবী মুপীবু মমানা শিন্দুনা ফারগা লৈহনগনি হায়না খল্লিবী, নুপী অদুবু নমদুনা লৌনি নিংলিবা মীওইশিং অদুশু অঙকপনি। ওঝা অমা ওইনা রমেশ কলেজগী ওঝা অমদি ছাত্র-ছানী কয়াগা মমাংদা নিংথিনা ইকাইবা ফংলে। অদুবু পোক্লকঙৈদগী ফংলবা ৱাখলনা লমজিংদুনতা লাক্লবা মখোয় অসিদি অদুগুম্বা নুপী মচা অমগীদমক ইকায়রমগনি থাজদে। অশেংবমক রমেশনা ফরদপা থোক্লবদি কুঞ্জরাণীবু অমুক্কা হন্না ফাগে থৌরাংলকখিনি।

রমেশপু থাংনা থিল্লম্বগীদমক কুঞ্জরাণীবু ফারে। কুঞ্জরাণীদা করম্বা মখলগী দণ্ডি পিগদগে খন্নরে। নুপী অমবু জেলদা থম্বা হায়বদো থোইদোক্লা নাতৈ চাদবনা জজ্জ সাহেবকী য়াথং মতুংইন্না কুঞ্জরাণীবু নুমিৎ তরেৎনি 'লোক অপতা' লৈবা তারে। মচাগী অৱাবা পাও তাবদা চন্দ্রশেখর পন্থবা লৈতনা মচাবু কম্বা লাক্লে। জর্জ্জগী মমাংদা 'রমেশপু এনা থাংনা থিম্মনি' হায়না চন্দ্রশেখরনা অচুম্বা থোদো অহু লিথরক্লে। কুঞ্জরাণী অমদি অমর হান্নফেৎ ঙক্না লৈ। মমা ইবেম্মশু হায়ফম খংদনা লৈ। ছুড়ীনা থিম্বা নুমিদাং অদুদা রমেশনা ইচানুপী কুঞ্জরাণীগী কাদা চংলকই।

তুমদুনা লৈরিবা কুঞ্জরাণীবু ফাগদবগী হোৎনরৈ, অদুবু ঙমদ্রে। রমেশকী শক্তম উবদা মোন মখাদগী ছুড়ী অদু শত্তোক্লগা কুঞ্জরাণীনা লাওরকই, "নথরাই মাংনিংদ্রবদি চথোকখ্রো।" অদুবু রমেশ চথোকপা লৈত্রে। করেম্নবগা লোয়নবা ফাগদবগী হোৎ-নরক্লে। কুঞ্জরাণীগী খুত্তগী থাং মুম্নবদা হিপফম মথক্তা তাখ্রে। ফনা কুইনা মুম্নরে। কুঞ্জরাণী পাঙ্গল শোম্বী নুপী ওইবনা নুপা অমগা হেক হকথেংননা লাপ্তেংনবা হায়বদো য়াম্না রানা থোকই। মশাবু কন্নবগীদমক ঈশ্বরনা পিবিরকপা, মঙোন্দা য়াওজরিবা পাঙ্গল থরা অদু পুথোক্তুনা রমেশপু থিংননবা হোৎনজৈ। অদুবু থাংবা ঙম্লক্তে। লৈজরম্বা পাঙ্গল লোইরক্লে। শ্বর থবেৎ থবেৎ কম্না হোল্লে। ইচানুপীগী অরাবা য়েংঙমদ্রদুনা ঐ লোন্না মখোয় অনিগী মরুমদা চংশন্দুনা লৈরে। তাঙ্গা ফংলদুনা ঐনা মখোয়নিগী খুত্তগী নাপ্পরকপা থাং অদু খুনগৎ-লগা রমেশকা নঙ্গন্দা হাৎলগে হায়দুনা থুম্না থিনজিন্বনি। থিল্লবা মতুংদা ঐ কাংথোল মরুমদা লোওনা লৈ। রমেশনা হাইথদুনা চুপ্রবা মতমদা কুঞ্জরাণীনা 'ঐনা রমেশতা থাংনা থিন-খিদে— কাদদি ঐখোয় অনিতা লৈ— মানি ঐনা হাৎপনি -' হায়রম্লগা মপানলোমদা চেম্নোকখি।

অসিনি জর্জ্জ সাহেব, থোক্লিবা থৌদোক— রমেশপু ছুড়ীনা থিম্বা অদু ঐ ইশামক্নি। চন্দ্রশেখরগী অচুম্বা রা তাবদগী জর্জ্জ সাহেবনা মাবু থা অনি জেলদা লৈরুনবা হুকুম পিখরে।

মতৌ অশুম্না চন্দ্রশেখরনা মচা নুপীবু অৱাফমদগী কন্বীদুনা মচাগী মহুত্তা মানা জেল চংখি। অসিনি ৱোমে—

অফবা মীগী ৱাখলদি—
ফজুনতা লৈ মতম চুপ্পা
অচুম্বগীদমক কিদে শিবা ফাওবা—।
অদুগা— ফওবা মীগী ৱাখলদি
মতম চুপ্পা হূ চেল্লবা ৱাখল;
ময়াই কারবা তমথিরবা থবক
খন্দুনা তৌদুনতা লৈ লেংদনা— ॥

রমেশপু থাংনা থিনখিবগীদমক থোইদোক্না মমিৎ ঙাংলবা, মচাগীদমক মত্তিক চাবা লমন খুমগে নিংথ্রবা চন্দ্র-হাসনি। করিগুম্বা রমেশনা শিখিবা থোক্রবদি চন্দ্রহাসকা মতিক শোয়দনা পাংথোক্লমগনি। রামেশনা হিংলম্বদগী চন্দ্রহাসকা আশাও' মৈরা খরা হন্থরবশু মচাগীদমক থল্লুবদা চাক চংদ্রে। মচন 'তনোগা লোয়ননা লৌশিং কয়া পুথোক্লুনা চেকশিন্না তানবা হৌখ্রে। মমা ইবেম্মা নাশিন্নরে। ডাক্তর কৌদুনা য়েংহল্লে। মমা মশা ওমদে হায়বা পাও তারবশু য়ুমদা চৎলু হায়বা য়াদ্রে। মমৈদা মমা ইবেম্মা শাথিনা নারে হায়না ড্রাইভর ইমোচানা পাও পুররক্রবদা চত্তবা য়াদদুনা কুঞ্জরাণী নংগী কাকাগা লোয়ননা মপামদা লাক্লে। মচা নুপীবু উবদা মমা ইবেম্মগী মিৎলুদগী পিরাং শিন্থরকখি। মমা ইবেম্মশে থোইদোক্না ফত্তবী নুপী অমদি নত্তে। মচাগীদমক ফত্তনবা শিন্বী নুপী নত্তে। অদুবু 'মচানা য়াদ্রবশু অফবা নুপাবু ওইরবদি মচাবু নমদুনা লৈহনগনি' হায়বা রাখল অসিমদি লেংদনা লৈ। মসিমকশু ফত্তবা রাখলমক্তি নত্তে হায়বা য়াই। মরমদি মমানা পামজ-রিবা 'মচাবু ইনাক খুনবা, মতিক চাবা মীদা থাজরগা মচাগী তুংগী লম্বীদা নুংঙাইগনি' খঞ্জবী মমা ইবেম্মনি। অদুবু নিংজবা আশা

কায়রবদা মমা ইবেম্মা— ফত্তবা রাখল খন্বা হৌরক্লে। মচাবু থাজগে খল্লিবা ময়া ওইগদৌবিবা অদুনা মবু গী মচা ওইরম-দ্রবদি অদু য়ৌনা খন্থরম্লোইদবনি। কুঞ্জরাণীবু কোল্লদুনা ভাইহাক কপমিম্নরে। কল্লুববশু মথৌ পাংথোক্তবদি য়াদে। হায়্রনা ময়ান শেমদুনা থমগ্রবা শঙ্গোম প্রাস অনি পুথোক্লুনা অমর অমদি কুঞ্জরাণীদা থকউ হায়না পিরে। প্লাস অনিদুগী মরক্তা অমদি ছু য়াওরবা শঙ্গোম্নি।

রমেশ অমদি চন্দ্রহাসকা লৌশিং মতুংইন্না ময়ান অদু শেম্বনি। চন্দ্রহাসনা খল্লি, মদুদি অমরজিৎপু হাত্তোক্লগা কুঞ্জরাণীবু মমৌ ওইগে। অমরনা শিগ্রবা তুংদা কুঞ্জরাণী শোইদনমক ময়ুমদা লৈরগনি হায়বশে চন্দ্রহাসকী রাখলনি। মমা ইবেম্মশু মবুংগী পোলিশি অদু অফবনি খন্দুনা পুন্নমক য়ারে। ফত্তবা রাখল খল্লমদবী নুপী ওইরম্লবশু মবুংগা পোলিসি মতুং হল্লুবদগী থাঙ্গৈশেংনা ফত্তবী নুপী অমা হায়বদো ওইরক্লে। অমরজিৎপুশু মনাওগুম নুংশিনা চান্না তৌজরম্বা নুপানি। অদুবু মাগী রাখলগী ওন্ন-তৈনবদা পুন্নমক থোক্লরবদা অমরজিৎপু য়েংথিবা হৌখি। ভর্সিদ 'শঙ্গনা মী মাংহল্লি' হায়বদুমক শং শংনা থোক্লরে। মগা ইবেম্মা, মবুংগা শঙ্গ তৌরুবদগী মাগী মমল য়াম্লবী নুপী 'ম্মগী গুণ পুন্নমক মাংবা হৌরক্লে— ।

ফত্তবা মীগী রাখলদি, খন্বা লেপ্তে শিদ্রি ফাওবা।
মীহাৎপা মাগী থবকশু, মীনা তুম্না মাংদ্রি'মখৈ,
তৌদুনতা লৈ লেপ্পা নাইদে॥

অদুবু— মীনা মাংগ্রিদৈঙে মমাংদা
ফত্তবা মানা হান্নবনি, মাহাক্পা মানা তুম্নবনি।
"তুমো, উৎ ওল্লো— ফত্তবা মীওই খুদিংমক।"

কুঞ্জরাণী অমদি অমরজিৎ চিংনবা লৈতনা শঙ্গোম অদু থক্লে। থোকখ্রিবা থৌদোক অদুগী হায়রুব্রবদি মখোয় অনিমক খরা চেকশিন্না ফবনি। অদুবু মমা ইবেম্মনা অঙ্গুণ্ডম্বা ফত্তবা রাখল খল্লমগনি হায়বদি কনানা থাজগনি—? ফত্ত লৌশিং লৈজদ্রবা ইমোচানা হংজরকই, কমদৌই কুঞ্জরাণী—, হাওত্রব্রা অমর .... ??" "য়াম্না হাওখ্রেবো..., খুড়ানা শেম্বরা ?" "ইচাশিদি কৈদৌনা হাওতবা শঙ্গোম পিথক্কদগেনে? ঐনা নখোয় অনিগীদমক হাওননবা চিনি য়াম্না হাপ্লবনিনে। হাওবু হাওরবদি ঐশু খরা থক্কুনা য়েংগে।" মমা ইবেম্মরোমদা ওনশিল্লগা হংলকই, "ইবেম্মা নংগী ঙসাই মফোন্দু লৈত্রব্রা? ঐগীশু খরা হাপকে, কয়া য়াম্না হাওবনো য়েংগে।" মমা ইবেম্মা ইখং খংই। "খুড়া লোইথোকখ্রে, লৈত্রে!' হৌজিক্তা মশা ঙমদে হায়দুনা হিকম মথক্তা লৈরম্বনি অদুবু হৌগত্তুনা থোকখ্রে। নিংজবা আশা থুংলনি খঞ্জবদা থোইদোক্লা নুংঙাইজরম্মী। মথক্তা খনজৈ, "ইচানুপীনা রমেশতা লৈহনবা— অদুদগী.... তাচৌনা হরাও হরাও তৌবিবা.... ঐনা মতমত্তুদা তাচৌখোয়দা অমুক চৎ ঐখোয়দা অমুক হল্লক চখোক চৎশিন তৌদুনা লৈবা... মতম খরা লৈরগা মচা নুপা অমা ফংজবা.... ঐখোয় ময়াম পুন্না পিক্নিক চৎপা, লম কোইরুবা, লোক্তাক প্রোজেক্ট য়েংলুবা।"

ময়াম অসি খন্দুনা মমা ইবেম্মা মোন্দ্রংদা তাওডুনা ফনা কুইনা মপান্দা লৈথোক্লুরে । অশুম্না লৈরিঙৈ মতমদা ইমুংদগী ইমোনা কপলাও লাওরকই, "ইবেম্মা ; কুঞ্জরাণী ·· কৈদোরবগেনে কুঞ্জ ? ইবেম্মা—শে খুড়া লৈয়ে।" ইমোগী মখোল তাবদা মমা ইবেম্মা তু চুংই ; পাখৎপা, চিংনবগা লোয়ননা ইমুংদা চেনশিনখি ।

পিজনিংবা পোৎ ইচাদা, মাগী মচাবুনা থিনা চৈবিবা
মাগী ফজুনবা শিল্লগা, ঐগী অমাংবা ওইবনি ।
মাচাদগী ইচানা নুংশিবা করম্বা মখলগী মানুংশিনো হে তাইবং ?
কাওনুকো তাইবংও-- মাচা শিশনু নিংলগা, ইচা হান্না শিবনি ।

ইমুং চংলকপদা ইমোচা অমদি অমর কপতুনা লৈরম্লে। অমরজিৎনা কুঞ্জরাণীবু পমখৎলগা, "কুঞ্জ -হোগৎলো শে । য়েংউনে ঐ লৈরিশে····কুঞ্জ কদায়দনো নংনা ঐবু থাদোকহুনা চৎকদোরিবা····? নংনা চৎখরগা কনাবু য়েংতুনা লৈহৌগনি ঐদি ? থম্মোইগী কুঞ্জ····ঐনা কৌরিবশে তাদ্রব্রনে····? নংগী নুংশি কুঞ্জদা তাওডুনা লৈরম্লগা করিনোনে নংনা ঙসি তৌরিবশে····? উম চুমই কুঞ্জ নংনা চৎলোই কয়া হায়জবদো অসিননিদনা । কুঞ্জ····নিং-তম্না পায়খরো হল্লক্লনু অমুক হন্না অসিগুম্বা মাহাৎশং অসিদা। পোক্লকপশু য়ুমশিদনি. শিবশু য়ুমশিদা····। ও ! থম্মোইগী কুঞ্জ, ঐদি কায়রেদো····চাকলেনে ঐগী থম্মোইশে। কুঞ্জ কাওরবা-অদুগৈ য়াইরিপোকতা লৈবাক অরাবা তানরে থিঙেন থিংবা ঙমদ্রে হায়দুনা মরাল লৈজদ্রবী থম্বালনুবু পল থিংবদা হাপখিবা····।

ওন্থোক্লা চাকলেদা ঐগী থম্মোইশে নংনা সংসার থাদোকতুনা চৎথ্রবদা করম লৈহৌ হায়বগেনে ঐবু .... ? কুঞ্জ— হো থম্মোইগী কুঞ্জরাণী। 'হো ইমা— পোক্লফম লমদম, লৌশিঙ্গীয়ুনে নচাবু লৎনদনা.... মরাল লৈজদ্রবা নচানি— লৌশিঙ্গীয়ুকো ঐগী কুঞ্জসে।' কপকন্নু খুড়া, করিগী কপ্লি ? ঐ খাংবা ঙমদ্রে ; ঐ খা'বা রারে। চৎলোকো কুঞ্জ চৎলোকো...।" রারী অদু তাবদা রোমে মখোন খোক্লা কপ্লক্লে। "কপকন্নু রোমে কপকন্নু" থম্মোই নিরু নিরা ওকেম্না মথা লিথরকই—

মচাগীদমক ফুম্ব নরবা মমা ইবেম্মদো মতমদু তদা ভাব তারক্লে। মশাগী মরাল পূম্নমক খংজরক্লে। "এ অসি মীহাৎ-পীনি, মাগী মচাবু হাগ্রেব্রগা ইচাবু কম্নবা হোৎনরুবা পূম্নমক ওন্ন তৈননা থোক্লরে... ঈশ্বরনা ঐগী ইথক্তা লমন খুম্নীরে। হে ঈশ্বর, জগৎকা মপু ইরালনা ইপোৎ ফাগ্ববা ঐগী দেহেশে লৌশিঙ্গারোনে চাম্বী হৈবা। ইচাগীদমক খন্বদা অহিং-মু্‌থিল পোগাদ্রবী, ফজ্রবা শরৌ কয়ানা লমজিংদুনা মিৎকুপ অমত্তং ফাওবা অফবা রাখল খনঙমদ্রবাঁ ; শাগী লমচৎ চৎলবী ঐনি। 'মশানা য়াজদবা নিপাদা মচা থাজগে থম্বী ঐগুম্বী ফজ্রবী মীওই পূম্নমক তুম্না মাংলো, তুম্না শিরো।' খ জহোরো ঙসিদগী— ইচাগীদমক ফনবা শিঙ্গী মহুত্তা ইচাবু ইশানা হাৎচরে। ইচাবু হাৎপগীদমক ইথক্তা লমন খুম্নীগদবদি ঈশ্বর নহাক নগুনা কনা-মতা লৈতরে। 'হে মতিক মগুণ লৈরবা যমরাজ.... হায়নবদাই নহাকপু অশিবগী নিংথৌনি— ? অশিবগী থরাইবু পাইশিম্বি

হায়বদায় নহাক্লা ? ঐগী মমল য়াওদ্রবা, ফত্র হুনা থল্লবা, মহু পুরবা লিন অমোমদগীশু হেন্না ময়াই কল্লবী ঐগী তমথিন্নবা শক্তম, থন্নাই অসি লৌশিন্বিরোগবা খুদক্তা। ইরালগীদমক নহাক্লা ঐবু অচাকপা মৈনুংদা হুনজিন্দুনা চাকথেকহন্বিরো ঐগী হকচাংসে .... ককথৎপিরো মতুপ মতুপ কয়া থোক্লা থোরবা নহাকী থাংশাংনা ... হাপকৎপিরো ইথক্তা মণ লিশিং লিশিং লুম্বা পোৎ কয়া ... অদুগা নোকপিয়ু খাক্লা খাক্লা ....। পিন-বিরোগবা অকন্বা দণ্ডি।" "অমর, কন্বিগী য়েংহুনা লৈরি ? ননাক্তগী ছুড়া অদুনা ঐবু থম্মোই য়েনা থিল্লুনে, ঐবু হাৎ-তোকউনে অমর। ফৈরাথক্তা পুন্না তোংমিন্নজরম্বা চেক্লা অনিগী মরক্তগী চেক্লা অমা ফত্রবা শাদান্বনা হাতোকখ্রবদা করম্না খা-লিবগে হে অমর—? চংশিল্লকউ ইনাক্তা পাংথোক্লো নথো। পন্থরনু অমর— চংশিল্লকউ লাউ।" "ইতৈমা কপকনু ইতৈমগী নিংজবা আশানা থুংলবদা কৈদৌনা অমুক কপ্লি— কপ্লনু ইতৈমা, ইতৈমগী কপ্লবা মতম লৈত্রবনি। কদায় পিরো ঐঙোন্দশু ... কদায়নো থক্লগেনে হু অদু। ইতৈমনা ঐবু শু হাৎপা পাম্লিবা নত্রা ? ইতৈমা কদায়নো ... পিরো খরা থুনা.... হিং-নিংদ্রে ... ইতোম্নতা কৈদৌরুনি— ? চৎলগে ঐশু.... চৎমিন্ন-খ্রগে কুঞ্জগা .... শাম্নরুরগে নিং-তম্না। পাপীশিংগী মরক্তা লৈজনিংদ্রে।" ইমোচানা হায়জরকই, "অমর, খুড়াবু। রারৌগনু। ঐনি মীহাৎপা অহু। নতৈমগী মরাল লৈতে। ঐনা চা গ্লাসতা হু হাপচিন্দুনা পিথকপনি। অদুবু চেং লৈরম্বদগী

গ্লাস ওম্মনা পিথক্তুনা ইচান্নুপী কুঞ্জরানীবু ঐনা হাৎপনি। ঐদি পাপুনা থল্লবা হিংচা ম্নাইতমগী শক্তম লৌরবা তমথিরবী মী-হাৎপীনি। মী হাৎপগী মতিক চাবা লমন্দি ঐবুশু হাত্তোকপনি। অদুননে অমর— ঐবু থম্মোই পেন্না নংগী থৌরবা থাং অদুনা হন্না হন্না থিন্দৎলো ···· লাও, চংশিল্লকউনে অমর ··।"

মমা ইবেম্মদো অঙকপা শক্তম অমা ওইরক্লে। মশাদা শেৎলম্বা ফি-রোল শেগাই শেগাইদুনা থদৎলে। য়েংবদা অকিবা অমশু ওইরে। ময়া ক্রক ক্রক চিকখ্রে। ফাক ফাক নোক্লদুনা লাওরকই, "হা ·· হা ··· হায়য়ো— ইচাবু ঐনা হাৎলগা মানা হাৎপান হায়রিশে। অৎ চৎ-চা লাকচৈদা— নংনা শিন্নদগী ইচাবু হাৎপান। নংগী নথরাই লৌগনি ইচাগীদমক নঙক কক্তুনা বলি তোনগে। চন্দ্রহাস ন দি ইবুং নত্তে, ন বু হাৎকনি···· থাং অসিনা পেন্দ্রিমথৈ থিনগনি হা ··· হা ···· হী ···· ····।" অসি হায়রন্নগা মমা ইবেম্মদো অঙাওবীগী মতৌগুম মপান্দা চেপ্তোকখ্রে।

লম্বীদা চৎলম্বা মীপুম খুনিংমরা ইঙক ঙক্লা য়েংনৈ— 'কৈনো তৌরি মতৌশে -?' অঙাওবীগী শক্তম উবদা নিং-শিংলকই রান্না কয়া। মচা কুঞ্জরাণীগী হাক্তকুগী মমা ইবেম্মা মাংলে, তুম্না মাংলে— ইজ্জৎ, সন্মান লৈত্রে, লৈত্রে। শক-হেম্বী চন্নুরা পোকপী পলেমখোয়— নচা হাক্তক্তা মুৎচনি - চেকশিল্লু, খনজহৌ মুন্না। থবরা থোকপ্রবদা হজিন্না য়াদবনি, থোকত্রিরৈ হান্না খনজহৌ। শকহেম্বী, আজকালগী হেরোইনশা

নমা নপাবু উশিত্তবশা — নমা হাৎকেরা, নথম্বা শিজগেরা ??
লমহেনগনু লমহেল্লবা খোইমুশিংগী মমাংদা। মাংজনি নংগী
পুন্সিদো লমখাংদা। মাংনিংলবদি লক্নৌ পাইরিবা খোইমুবু।
শেৎলু মখল মখলগী মচু কয়াগী মিহৌনভাই ওইরবা ফি কয়া।
লিৎলু অত্তৎপা ফুরিৎ, ঙকশম খ্বাং উহল্লু। ককথৎলু ভুংগী
শয়াং তেম্না। হকচাং মনুংগী শক্তম মখেক শেংনা উনবা অচিম্বা
ফুরিৎ, ফনেক শেৎলু। য়ারিমখৈ ফনেক্কৌ মহুত্তা কৈগল য়োনা
উবা ফি শেৎলু। কংঙাওনরবা খোইমুবু চিংশিল্লু নংগী মুংশি
এত্রেকসন পব্বারনা। পিথকউ খোইথুম্নরবা নংগী লৈহৌ মবুক
থম্না। অমুগা নথম্বা মাংজগদবনিকো মত্তমগী শকহেম্বী—। মচু
পামত্রবদি ইংনা লৈয়ু, মিৎ-না চোইগনু — মচু কয়াগী চে
শিজিন্নগনু।

মমা ইবেম্মনা মপানলোমদা চেম্বোকপ্পবদা অমরশু মতৈমবু
তাম্নখ্রে। ইমোচা তেংথা তেংথা কপ্পুনা লৈহৌই। মমা ইবেম্মা
পন্থবা তৌদনা মবুংগী ময়ুম তম্না মুকম মুকম শোন্দুনা চৎলি।
মচনগী ওইরিবা ফিবম অমু উবদা চন্দ্রহাস তৌফম খংদ্রে।
"নং ঐগী ইবুং নত্তে, মীহাৎপনি — নংনা ইচাবু হাৎপনি।
হে চন্দ্রহাস ফত্তবশিংগী রাখল থোক্নফম ⋯ হা ⋯ অক ⋯থুই।"
অসি হায়রম্নগা চন্দ্রহাস তম্না থাং অদু লংশিনখ্রে। রমেশনা
চেনশিল্লকপদা থাং হুনখিবনা হান্দুনা মনেবু থিংবা ঙমহৌদ্রে।
চন্দ্রহাসনা হায়ফেত্তং নোন্থখিবদগী মশাদা পালহৌদ্রে। অদুবু
লাইবক থিবদি হুনখিবা থাং অদু লেম্না মাংউ তম্নমত্রমাদ্রে—।

চন্দ্রহাসকী মথক লাম্না পাইখিদুনা তুংদা লেপচরম্বী তিলোতমাগী থম্মোই মপাদা থুম্না লেংশিনখ্রে। মরাল লৈজত্রবী তিলোতমা মরালনা মপোৎ কারবা মপুরোইবগীদমক সংসার থাদোক্নুনা চৎখ্রে। তিলোতমানা লৈমাইদা হাইথত্রবদা রমেশনা মনেগী থরাই লৌরগে হায়না থাং অদু হায়গৎচরকই। ওহো, কান্নদ্রে, খুত্তগী থাং নাম্থখিদুনা লৈমাইদা তাখ্রে। মখুৎ খুদাংদগী কাপ-থোক্লকপা ঈনা ফি-রোল পুংঙাং ঙাংলে। হন্না য়েংথোকখিবদা অমরজিৎকী অশাওবা শক্তম উরে। "রমেশ বাবু কান্নরোইদা থৌনা ফদুনা— করিগু লৈত্রবা নুপী অমবু নপা মচা চং'হাৎকে থৌরাংবা হা .... হা .. হা। অদুরা নথৌনা ... . ? অদুরনে নুপামচা থৌদাং .... ?" অমরগী রাঙাং তাবদা চোংশিন্দুনা থাং খুল্লগা খুদক্তা অমর ভন্না লংশিল্লকই। অদুবু খুৎলৈ থুবা অমরগী খুত্তা কনানা লেপ্পা ঙমগনি— ? ট্রেগর হায়ফেত্তুং লেংবদা খুদাংদা গুলীনা পান্দুনা রমেশ উপাই লৈখিদ্রে। চন্দ্র-হাসনা মখুৎ লেংলকপদু উবদা অমরনা হায়রকই, "কান্নরোইদা খুড়াইবুংঙো— অহল ওইরবা, খুইথরবা হকচাং মনুংদা চেল্লিবা অথাবা ঈ অদুনা ঐবু হাৎকনি নিংলিত্রা— ?" উপাই লৈত্রবা অহল অদু নিংবা কায়না মখুৎ থাঙ্গৎচৈ। "হী....হী....হী.... থো · থো....থো.... তিনবু শিৎচিনগে....।" চৎশি য়াদবদগী অমরনা মতৈমবু চিংদুনা পুথোক্লক্রে। থোং কান্থোক্কে তৌবতা ঙাইরিঙৈদা খংহৌদনা চন্দ্রহাসনা থাং হুল্লকতুনা মমা ইবেম্মগী নময়াংদা য়ুংশনখ্রে। পাঙ্গল শোল্লবী মমা ইবেম্মা "অমর ..."

অমর''''' নতৈমবু ৱারৌনুকো " কায়রম্লগা লৈমাইদা তাথ্রে। "চন্দ্রহাস— নংমক্তা হাৎলগা লোইরে নং লৈরিমখৈদি মী খুদিংমক ফত্তবা ৱাখল খনহনগদৌরি" অসি হায়ন। ময়া ক্রক ক্রক চিক কম্না লাওরম্লগা মখুত্তগী রিভোলবর অদুনা মরি মঙারক ফস ফস কাপশিনখ্রে। মরাননা মঙকশম য়ৌরবা লিল হনুবদো মশাদগী ঈ ফ্রি ফ্রি কাপথোক্লে। 'রমেশ' হায়রম্লগা খর হোল্লম্বা খম্বোম্বী মচা অদু ইণ্টরভেল থাখরে। চন্দ্রহাসকীদমক মতেং পাংলম্বা মিহুন অদুশু ঙসিদগী শাস্তি ফংলদুনা হরাও হরাও অতিয়া তম্না পাইখরে। উপাই লৈজদ্রবা রমেশ বাবু অমরজিৎনা থোকখিবা অদু ম্নেংদুনা লৈহৌই। ইপাগী রোমে মুম্না তাও— "ফিভম্না য়াদ্রবদা মবুং-মচন য়েংথিনৈ, মবুংনা মচনবু হাৎলিদো।" হে তাইবঙ মী— করম্বা শাজৎনো শাজং?

থা অনিগী মিয়াৎ লোইরদুনা চন্দ্রশেখর ময়ুমদা লাক্লে। চিংননঙাই ওইরবা মওং কয়া মশাদা ফাওরক্লে। মমি... য়েৎ অনিমক কেৎ কেৎ চিংলক্লে। ওইথংবা পাম্বোম মকাদা ফ্রিং ফ্রিং কাগ্নি। থোদো অদুদা চন্দ্রশেখর খনফম থংদ্রে। কোকথক্তা ৱাকনা লাক্লা লাক্লা খোংলি। নোংলৈ নুংশিৎশু হৌরক্লে। ঙ-ৱা অমগা অমগা থেংজিন্নদুনা মশা-মরেং তেকপা য়াওরে। ইস! শিরমগনিদা— মমাংমক্তা ইনক নক্লা, চাওরবা হৈনৌ পাম্বা অমা মপাল মউ ফুকতুনা বম লাওনা তুখরক্লে। চন্দ্রশেখর খর থবেৎ থবেৎ হোৎজে। অথাপ্পদগী মীশিংনা "মী শিরে, মী শিরে" লাওরদুনা চেনশিন্নরক্লি। চন্দ্রশেখরবু

উবদা লাই ওইরবোই নিংনখ্রে। 'হরে কৃষ্ণ, হরে কৃষ্ণ' নহাক্কী কৃপাদগী চন্দ্রশেখরগী থৱাই কম্বিরে।

মযুম য়োরকপদা তৌরম্লিবা ফিভম অদু লোইনা উরে। ইমোচানা হায়জরকই, "ইবুংঙো ইবুংঙো ···· ··।" মখা তানা ৱা ঙাংবা ঙমদ্রদুনা লকক্ লকক্ মমিত্তগী ঈরা শিন্দুনা লৈরে। ইমুংদা মচানুপী কুঞ্জরাণীনা মওং চাদনা লৈরম্বা উবদা চন্দ্রশেখর জ্ঞান তাদ্রে। "ইপাগী ইবেম্মা, কবিনো ইচানা ওইরম্লিবা ফিভমসে? হৌগৎলো শে ইপা লাক্লে। ইপাগী ইবেম্মা কুঞ্জরাণী য়েংউনে নংগী বাবা লাক্লেনে। জেলদগী থাদোক্লক্লেনে কুঞ্জ ইচানা সংসার থাদোকত্রিবৈঙে ইপানা অমুক্তং উজরম্লবদি কয়াদা পেঞ্জগদবনোনে কুঞ্জ। ইপাগী ইবেম্মা, ইচাগীদমক জেল য়োনা চংলুরগা ঙসি নংনা তৌরম্লিবশিবু ···· মঙলনে ···? ইপাবু করম য়েংউ হায়খগেনে কুঞ্জরাণী। ও! ঐগী লাইবক ওস্পোরস্ত মপোক থিনা পেংকইদকো— মমিৎ ঙাংলবা চন্দ্রশেখরগী মচিন্দগী থোকখি, "কনানো হায়মু— ইচাবু হাৎলম্বা, ইচাবু ৱাহল্লম্বা কনানো?" ইমোচানা মোলি মোলি চন্দ্রশেখরগী মফমদা থোকখিবা ৱাৱী পুম্নমক লিরে। তনৌনা ওইখিবা ফিভম অদুগা অমরজিৎনা তান্নখিবা পুম্নমক শুগাইনা তল্লে। "ফরে খুড়া— ঐ হৌজিকমক মখোয় অনিবু য়েংলুদবা য়াদে। কদায় ঐগী রিভোলবর--।" অশাওবা মৈনা চাক, নিংঙমদবগা লোইননা মখোয় অনিবু থিবা থোক্লক্লে। লেপ্পা লৈতনা শিৎলি হু···· হু···· উ····উ নুংশিৎশু। উনা ৱানা কেন্দুনা কোইপাই

পাইরি। উফুল রাইফুম্না মীৎ পাংবশু হুম্বদ্রে। নোংলৈ-সুংশিৎ মরক্তা কনানো অমশু লাকপগুম তৌই। খরা নকশিল্লকপদা উরে সুপা অমনা সুপী অমবু মরেংবান্দা থাঙ্গত্তুনা চন্দ্রশেখরগী লম্বী মমাংদা লাক্লে। সুপী অচৌগী মশম মনা ইফা ফারে। মশাদা অপাবা ফি অমনা ইকোই কোয়না য়োমশিন্নগুম তৌরি। লাক্লিবা সুপা অচুগী ফুরিৎ খোংগ্রাও পূম্নমক ঈগী ঈমক্তা ঙাইরে। মমিগুগী চেন্থরকপা পিরাংনা ঈগা তিন্নখিবনা মশাচু পুংঙাং ঙাংনা চেন্থরক্লি।

চন্দ্রশেখরনা চেনশিনখিচুনা সুপা অচুবু মুন্না য়েংলগা হং-লকই, "অমর .... কদায় .... নতৈমদি .... ? কনানো নংনা পুরক্লিবা সুপী অসিদি ?" চন্দ্রশেখরগী শক্তম উবদা মরেংবান্দগী সুপী অচু তপ্না লৈমাইদা থম্লগা, "তানো," তামো ।" অসি হায়রম্লগা নিংঙর্মদবনা থল্লবা অমরগী মশা অচু রান্থচুনা মালেম-থক্তা লৈথখরে। লম্বীদা চৎলম্বা মী কয়া ইঙক ঙক্না য়েংনচুনা লৈ। লৌশিং লৈবা অহল অমনা ঈশিং পুশিল্লক্লুনা অমরগী কোকথক্তা তপ্না তপ্না হৈবিরি। ঈশিংগী অইংবা অচুনা মশাদা শোকপদা পাঙ্গল খরা হাপ্লমাল্লে রাম্প্রকরবা অমরজিৎ ভাব তারক্লে। মিৎ পাংথোক্লকপা মতমদা মমাংদা মীয়াম লৈরম্বচু উরে। খজিক্তুং লেংলকপদা অহল অচুনা "অমর, অমর— করিনো তৌরিশিদি —।" পম্ববা তোদনা মাইবা মথুনা হাথু হাথু চেনখিচুনা ওকেনদা পাও পুম্বা তমলুরে।

অমরনা থোকখিবা স্বারী পূম্নমক লিরবদা চন্দ্রশেখর মথম্মোই পেনজৈ। অদুবু মাগী মুপী হাৎপা অমদি মখোয়গী থোইনশিন্দগী মচা মুপী কুঞ্জরাণীবু হাৎখিবা অদুগীদমক চপ চাবা লমন খুমগে নিংগ্রে। পম্থবা তৌদনা রমেশ থিবা চৎগ্রে।

অহল অদুগী পাও তাবগা ইন্সপেক্টর ওকেন পুলিস খরগা লোয়ননা মফম অদুদা লাক্রে। অমরগী মচিন্দগী ওকেননা লমজিংদুনা পুলিস খরা অদুগা লোয়ননা চন্দ্রশেখরবু তাম্নগ্রে। রমেশকী গেট হেক য়োবগা ইমুংদা কাপ্নখিবগী নোংমৈ মখোল তাখি। পম্থবা তৌদনা পুলিস খরা অদু ইমুং তম্না চেনশিনখি। চন্দ্রশেখরনা কাপখিবদা লাইবক ফবদগী রমেশকী হকচাংদা পানবা ঙমহৌদ্রে। চন্দ্রশেখরনা অমুক্কা কাপকে হোৎনরুবদা মরু য়াওরমদ্রে। ওকেন্না চেনশিনদুনা তামো' হায়না কৌজৈ। পুলিস খরা অদুশু 'স্যার' হায়না ব্যাবহার উৎলি। থোক্লিবা থোদোক অদুগা মরা লৈননা রমেশপু ফারে। মা হাৎলুবগীদু দমক অমরজিৎপুশু ফারে। মী হাৎপগী বাহৈদোক পূম্নমক মপা-মচাগী খুজিন্দগীনি খংলবদা চন্দ্রহাস অমদি রমেশকা মথক্তা এক্সন লোখৎপা হৌরক্রে। চন্দ্রহাসনা লৈখিদ্রবদা দণ্ডি পূম্নমক রমেশকী মথক্তা তারে। রমেশপু চহি ৬ জেলদা মীয়াৎ তাদুনা লৈহনগ্রে। মরম পূম্নমক খংলবদা অমরজিৎনা মী হাৎলুরবশু মদুগী থোইদোকপা মরাল লৈত্রে হায়দুনা অমরবু থাদোকপিখি।

"ইপাগী রোমে কাওদুকো— ইন্সপেক্টর ওকেন হায়বদু নংগী বাবা ইশামক্লি।" বাবা···· রমেশনা জেলদা লৈগ্রবা তুংদা

কাকাগী য়েক্লবা কনা অমুক লৈরিবগে ?" "রোমে, ঐ হায়গে তাও— রমেশনা জেলদা চংগ্রবা তুংদা নংগী কাকাগী য়েক্লবা কনামন্তা লৈত্রে। অদুবু রমেশনা জেল চংলমদাই মতমদা নংগী কাকাবু হাৎকনি হায়না রাশকখি।"

চহি তরুক্কী মীয়াৎ লোইরবা তুংদা রমেশ অমুক হন্না ময়ুমদা লাক্লে। মতম অদু ফাওবা মাগী রাশক অদু কাওরমদে। নোংমা নিনি অশুম হৌখিবনা থা কয়া হৌজিনখ্রে। নংগী কাকাগী অরোইবা নুমিৎশু য়ৌশিল্লক্লে। নংগী কাকানা ওফিস চৎকনি হায়দুনা থোকখিবতা ভাইরিভৈদা থৌদোক অসি থোকখিবনি। রমেশচন্দ্রনা নংগী কাকাবু থাংনা থিল্লবা মতুংদা মশা মথন্তা পুলিসতা চংজরকখি। ঐগী ইফমদস্থ কয়ারক হন্না হায়জখি। ঐঙোন্দদা নত্তনা তামো চন্দ্রশেখরগী মখোংদশু তুদুনা থরাই কম্বিনবা হায়জখি। মরাল কয়া লৈদুনশু ঐঙোন্দা চংজরক্লবা মী অমবু হাত্তোকপা হায়বদো ঐগী ইফমদদি য়াম্না চাওবা পাপ্নি। অদুনা রোমে— ঐনা থোইদোক্লা রমেশপু য়েংশিল্লুদ্রে। মাগী অরাবা মতৌদা চন্দ্রশেখরশু পুকচেন হোংখরে। নোংমা নোংমগী রমেশপু অশুম অশুম মুংশিরক্লে। তশেংনমক রমেশপু কম্বিবা পাম্লে। মরালগীদমক হায়রুরবদি খুদক্তা লোইশিম্বা য়ারবনি। অদুবু চন্দ্রশেখর মীগী অরাববু য়েংঙমদবা মীনি। 'মপা ইবুংঙো চন্দ্রহাসকা থৌশিন্দগী ফত্রবা রাথল পুন্নমক থোকখিবনি' হায়না হন্না হন্না হায়জরবদা চন্দ্রশেখরনা রমেশপু মুংশিদবা ঙমদ্রে। অদুগৈ ঐঙোন্দা থাংনা

থিনখিবা অদুগু রমেশনদি য়াজদবনি। অদুবু পৈশা খরনা মিহৌহনখিবদগী রাণীগী মখুত্তা মীনাই অমা ওইনা ঐবু থাংনা থিনখিবনি। হাৎকে হায়না থিনখিবমক্তি নত্তে; খর শোকহল্লগা রাণীনা ঐবু সেবা তৌগে নিংতুনা থবক অদু চথখিবনি।

"বাবা — রাণী হায়রিবীদুবু কনানো?"

"ইপাগী রোমে — ঐনা করি হায়না ইচাদা তমগনি- । মতম অমদা নংগী বাবা ঐসে য়াম্না ওক্তবা মী অমা ওইরম্মী। হায় স্কুলগী ওঝা ওইন ওইনা ফত্তবা নিশা কয়া শিজিন্নরম্মী। নিশা অদুগী হৌরকফমদি রাণী হায়রিবা নুপা অদুদগীনি। মাগী শুমহৎনগাই ওইবৰী শক্তম অদুনা জয় তৌখিদুনা অহিং-মুংথিল কয়া লৌমন্নখি। মাবু ঐগী অনিশুপা নুপা ওইনা লোইনরকখি। নোংমা নংগী কাকানা নমা ইবেম্মা বানোমালাদো মফম খংদনা মাংখিবগী পাও তম্নরবদা ঐগী ফত্রবা য়াথল পুন্নমক থাদোক্লনলগা অশাওবা মৈরানা রাণীবু ঐনা হাপ্তোকখি।

"ফরে বাবা, ৱারী মথা অমুক লিথরো।"

মরাল পুন্নমক মশানা য়াজরবদা অমদি চন্দ্রহাসকা থোইনশিন্দগীনি হায়না তম্নবদা চন্দ্রশেখরনা রমেশপু য়াম্না মুংশিরক্লে। রমেশপু মচাদৌনা ময়ুমদা পুশিন্দুনা থমত্রে। তামো চন্দ্রশেখরনা ঐঙোন্দশু হন্না হন্না কয়ারক হায়জবদগী রমেশপু ঐনা চথনিংবা থবক্তা চথবা ঙমখিদ্রে। অদুগা অমরোমদ ঐনস্তু রমেশপু ইনাওগুম মুংশিরক্লে। মরম পুন্নমক অসিনা ঐনা রমেশকী মথক্তা ফত্তবা থবক অমত্তা তৌররোই হায়না তামো

চন্দ্রশেখরগী মমাংদা ৱাশকক্লবনি। অসিনি ৱোমে— নংগী কাকা অমদি নংদোমচা কুঞ্জৱানী মখোয় অনিনা সংসার থাদোকখিবগী ৱারী।

"মপা হাৎখিবগীদমক ৱমেশনা কাকাগী মথক্তা লমন খুমদুনা কাকাবু হাৎখিবগুম ঐনশু ৱমেশকা মথক্তা কাকাবু হাৎখিবগী লমন খুমগনি, ৱমেশপু শোয়দনা হাৎকনি -। বাবা.... বাবাশু খুড়া চন্দ্রশেখরগী মমাংদা ৱাশকখিবগীদমক ৱাশক ঙাক্লুনা লৈৱক্লি .... ঐশু বাবাগী মাংদা ৱাশকচৱি, — ঐনা ৱমেশপু থা খরগী মনুংদা হাৎপা ঙমদ্রবদি৷ ইখস্তা আত্মাঘাট তৌদুনা শিজখিনি।"

মচাগী ৱাশক ত্তাবদা ওকেন তৌকম খংলমদে। কয়াৱক হন্না থেমজদুনশু ৱোমেনা শিখাং থাৎনা লৈগ্রবদা ওকেনগী উপাই লৈখিদ্রে। পুলিস অমা ওইনা মানা খনখি " 'মচাবু মখুৎ পুনশিন্দুনা থমলশিৱা?' অদুবু মদু ওইথোক্লৱোইদবা ৱাখলনি। মচাবু ফাজিন্দুনা থৱগা ৱেদুনা লৈবা ঙমগদবা জগল্তা লৈতে। ফাজিন্দুনা থমগ্রবা মচা ফাওবা থাদোকনবা কন্না হোৎনৱবা মতমসিদা মচাবু ফাবা হায়বসে ওইথোক্লবনি। অমৱোমদা মৱাল লৈজদ্রবা অমৱবু হাৎখিবগী লমন্দি ''' অমৱবু হাৎলম্বা মী অদুমক হাৎকদবনি। মদুতদা মাগী চপ চাবা দণ্ডি ওইগদবনি। মচাগী ৱাশক অদু চন্দ্রহাস অমদি ৱমেশকী নাকোং য়ৌখিবা থোক্লবদি হান্নবা ৱোমেবু ফাজিন্দুনা জেলদা থমগ্রনি খম্বদগী মচিন খজিক্তং ফাওবা কাংথোকলুদ্রে।

অশুম লৈরকপনা পরিক্ষা হায়দোক্নবা মতুং নুমিৎ ১০ নি রোম হৌখ্রে। মাক সিটশু য়ৌরক্লে, কলেজদা মীং চন্বা হৌনবে। রোমেশু মাগী বাবাদা এডমিসন তৌননবা লুপা ১০০ পিয়ু হায়রবদা ওকেন থোইদোক্না নুংঙাইজরম্মী। ওকেন্না খঙ্জে, "রোমেনা লাইরিক তমদুনা কলেজ ছাত্র ওইনা নুমিৎ খুদিং কলেজ কারবদি মাগী রাশক কাওখিনি।" অশুম্না লাইরিক তমদুনা লৈরকপশি থা ৪/৫ হেনজিল্লক্লে। লোয়ননা ওকেনগী চিংনবশু থরা ফরক্লে। মচাগী রাশক কাওগনি খঙ্দুনা মথম্না হরাওজরম্মী।

"রোমেনা হল্লি, কাবাগীদমক শোয়দনা লমন খুমগনি। লমন অদুশু ইফোং ফোংনা মাই মাই উনবগা খুমগদৌরিবনি। তুবান লানা তৌদুনা লমন খুম্না পামদে।" অদুনা অহানবা ফুনা-খোম্নবা থরা হৈবা ভাই।

কলেজ কানা কানা চোং ফন্দুনা কাও-খোম্নবশু লোম্না ভম্না হৌরক্লে। হৈ শিংলবা ওঝা জাবম্না তম্না দুনা রোমে ফনা য়াম্না হৈরে খুৎতুম্না শুবা, চোংখৎনা কাওবা, ভক লৈখেকপা, খোংনা কাওবা মথং মথং লোইরদুনা চৈতুপ পায়বা, থাং পায়বা হৌরক্লে। মখুৎ মখোং শিবা রোমেদা লেশন পুম্নমক তম্বীবা নুনা থোক্লে। জাবম্না চৈতুপ অমা পায়রদুনা রোমেগী মকোক তম্না শাফু কন্না হায়থরক্লে। রোমেনা হোৎচিনখিদনা জীবনগী করাংদা চংখ্রে। লেপ্লম্বা জাবনগী মখোং অনিদু মখুৎ ওই-য়েৎনা কন্না কোল্লগা খুদক্তা জীবনবু লৈমাইদা লংথখ্রে। হৌগৎতুনা

চৈতুপ অদু রোমে তম্না লংশিল্লকপদা পাম্বা ঙমহৌদ্রে। অমুক চোংশিল্লক্তুনা রোমেবু লৈমাইথক্তা লোংনা নমথুরে। ঙাইহাক থল্লগা হৈ-শিংলবা খোং অানডুনা জ বনগী মঙক্তা লৌশিন্দুনা কোৎলগা লংথোকখ্রে। রোমে খুদক্তা ফুক হৌগৎলুনা জীবনগী থবাক্তা কাওখ্রে। অনিমক বম্ বম্ তুথনখি, হৌগৎনৈ; পনথদনা হোৎচিন্নে। জীবন্না হোৎচিল্লগুনা রোমেগী মথুং লৈথেকপা হৌরক্লে। বোমেনা ওইগী খুনি না জীবনগী শবুক্তা কন্না থিল্লক্লে। 'ইস হায়না জীবন মবুক মেৎলুনা চৈনা খাংঙ। রোমেনা জীবনবু খুকঙনা কন্না কম্না ওকই, নঙ্গন্দা খুদুম্না কয়ারক হন্না থিল্লবদা জীবন লৈমাইদা তুথখ্রে। মথক্তা চোংখৎলগা কাওগে তৌবদা "ওক্লে ওক্লে" হায়রক্লবদা রোমেনা থাদোকলে। রোমেগী হৈ শিংবা ঙবদা জীবন অশুক্কা মতিক হরাওবম্মী।

"শে থাং পাম্বয়ু— য়েৎলোমদা হায়রকউ। ইসে, নঙ্গেনে কম্না হায়রক্কদবনিনে। "ইসে, এ! এ! থাং তাখ্রে।"

"বুদু, নখুত্তগী থাং তাহনগনু। অমুক পায়খৎলু; হো অদুনিদনা, নখোং তুংদা হল্লু; য়াল্লু কম্না য়ানু, ঙাকউ চোংথোকউ। জাবন্না শৎ শৎ হায়রকপদু রোমেনা ফৎ ফৎ ঙাকথোকচৈ। তাঙ্গা ফংলদুনা জীবন্না রোমেগী পাম্বোনদা থাংগী দাক অমা থম্লে; হন্না য়েংলুবা তৌদনা রোমেনা জীবনগী নাক য়েৎ, মকোক মখোং তম্না থুনা হায়রক্লে। রোমেগী থাংহায়না জীবনগী খুত্তগী থাং নাথোক্তুনা তাখ্রে। হোৎচিল্লক্তুনা জীবনগী মঙকশমদা থাং থম্লে।

"....সবাস, অদুনিদনা........ !"

"....করিগুম্বা ওঝাদা ঐনা থাং থল্লিবা অশুম্না কনাগুম্বনা ঐঙোন্দা থাং থমগ্রবদি করি তৌগনি ?"

"মঁনম্বা তাই।" য়েংঙোই রোমে, তম্‌গদবশু লোইরে।

হয়েংদি থাং, তা, চৈতুপ পুম্নমক থম্লগা ইশা ইশানা হৈজবা খুথোক্লুনা লাক্লবা তাই ; হাঙোক্লবদি য়াদেকো।

জীবননা মাগী ছাত্রবু ঙসি চাং য়েংগদৌরি। নোংমাই-জিং ন্নমিৎ ওইবনা রোমে কলেজ চৎএ। অয়ূক ঙম্বা হৌগৎ-তুনা শাজেন তৌবা য়াবা খরা তৌরগা নিংথিজনা ইরুজথোক্লে। জীবনশু মশা মউ তরু তরু চামথোক্লগা রোমেবু ঙাইদুনা লৈরম্মী। মখোয় অনি পুন্না শঙ্গোম গ্লাস অমমম থকমিন্নরে। মতুংদা ওঝানা ছাত্রগী গুণ য়েংবা হৌরক্লে।

মশা মশাদা লেঙ্গোতা অমমমতা শেৎনরে। ফুনবা অসিদা অমনা থাং নত্রগা তা পায়গ্রবদি অতোপ্পা অমতুনশু থাং নত্রগা তা পায়দ্রি'ফাওব ঙাইনগদবনি। হাঙোক্লবমক নত্রবশু শোয়-খিবা থোরবদি হিংনবগী রা নৈতে। 'রেডি' হেক হাম্নরকপগা রোমে ফিঙম শেম্মী। তহানবমক্তা খুংতুমগা খুংতুমগা, বোক্কা কোক্কা থিন্নবা, থেঙ্গাইনবা হৌরক্লে। জবম্না থুনা চোংথৎখিদুনা রোমেগী লেংজুম মথক্তা ফমথগ্রে। ফৈরু অনিনা মঙকশম চপতুনা লৈমাইদা মন তৌরগা রোমেবু শাফু কম্না লংই। ফনা থাপ্পা ফক্লাং ময়াদা রোমে চপ লেপ্পী। চেনশিল্লগা থবাক্তা চোংথত্তুনা কাওগদবগী তৌরকই। রোমেনা ফন চোংথোকখিদুনা

শাকু কল্লবা জীবনগী খোংপাক্লা ফল্লাংদা কাওখ্রে। কাওকল্লগা তারকপদা রোমেনা খুদোং চাবা লৌদুনা অমুক্তুং খুকউনা ওকপবু 'ইস' হায়জৈ জীবনদো।

মনাক মনাক্তগী চৈতুপ অমমম তাপ তাপ পায়নৈ। জীবন্না অমুক্তুং রোমেগী কোকথক্তা হায়থরকপবু রোমে শিরমগনি। করিমত্তা কিদনা মাগী ওঝানা হায়থরকপা চৈ অদু ঙাক্লে। হায়থরকপা চৈ অদু ময়াইদা থেগাক তেকই। হায়থরকপা লোইবগা রেমেনা জীবনগী লেংজুমদা সেবা অমুক্তুং তৌববু ওস্তোক্লা নাপ্রমাল্লে ওঝাদো, "হায় ঐ চৈ পায়দ্রেনে" লাওরকই। খুত্তগী চৈতুপ লংথোকখ্রে। চৈতুপ লংথোকপগী সেকেণ্ড অমদা খুদোংচাবা লৌদুনা চোংখৎলগা রোমেবু রান্থবমথৈ থবাক্তা কাওরে। হায়ফেত্তং লেংলকপা ঙাইদুনা লৈরিবা ওঝাবু কল্লবা মাগী শাগন্না অমুক্তুং মখোং তম্না হায়বকপদা জাবন 'ইক' লাওনা লৈমাইদা উপশিন্দুনা তুখি। পন্থবা তৌদনা হৌগৎলি। হৌগৎলকপগা অমুক্তু রোমেনা চোংখত্তুনা কাওই। চোংখৎলকপগা জীবন্না ওক্তুনা রোমে লৈমাইদা 'য়ক' লাওনা শুজিল্লি। মিৎ খৎ খৎ তৌনরগা মনাক্তগী থাংশাং অমমম লামদুনা পায়নরে। ঙসাইমথৈদি শোক্লবশু ঈ থোকপা উনরমদে। হন্দকমুক্তী থাং হাইনবা অসিদদি অশোক অশোকপা মপা অদু ঈনা পুমঙাং পুমঙাং ঙাংলে। জীবন্না রোমেগী মবুক্তা থিল্লকপদু ঙাকথোকপা খরা রাৎপ্রমাল্লে, থাং অত্থনা লৈথোক্লকপদা শবুক ময়াগী তোংশা খরা মহাও তংখ্রে। 'ঐ''''য়া''''' হায়রম্লগা

পন্থদনা রোমেনা শৎ শৎ হায়রকপদা জীবন লৈথোকপা খরা য়ানা থোক্লে। খুৎলৈ থুবা রোমেগী থা হায়না ওঝাগী ওই-থংবা পাম্বোমদা ইঙ্কি মরিরোম শাংনা অমুক্তং চেয়েৎ' লাওনা য়াৎখায়খি। লোয়ননা জীবম্না রোমেগী থাংশাং অদু কোঙ্ননা লংথোকখ্রে। অদুদগী রোমেগী মবুক্তা থাং থম্লদুনা লোকই। রোমে গতি লৈদে। মিৎকুপ অমগী মতুংদা ওঝানা তাক-পিখিবা লৌশিং অদু নিংশিংলক্লে। "ওজা তা অমুক পায়নরশি।" জীবনগী খুত্তগী থাং লংথোকখ্রে। খুদক্তা রোমেনা জীবনগী য়েৎথংবা খুদাং তাপ ফারগা লৈথেক্কদবগী কন্না মুকই। "এ.... এ.... তোকও তোকও" রোমেগী লৌশিংদা থাগত্তবা ডমদে। মথক্তা খরে, "ঐনা অশুক কুইনা তম্বীরকপদা রোমেগুম্না হৈ-শিংবা, মথৌনা লৈবা অমত্তা য়াওখিদ্রি। রোমেগী মপান্দগী শোয়দনমক ঐগী নিংজবা আশা থুংলগনি।

পন্থবা তৌদনা মখুৎচাবা তা অমমম পায়নরে। চেনশিন চেনশিন থিরে ডারে, চোংথোক্লে। মখোয় অনিগী লান অসি অউবা য়াওরবদি থাঙ্গেশেংনা হাত্তোক্লগদবোই নিংগনি। মখোয় অনিমক ফক্লাং ময়াদা লাপ্না লাপ্না হন্দোক্লখ্রে। অমনা অমদা তা অদু হুনগদবগী হকচাংগী লৈজবা পাঙ্গল ফুক্তোক্লনা তামফম য়েংদুনা লৈনরকই। থংহোদে, মাগী ওঝাগী তা অদু রোমেগী মপামক্তা পাইশিল্লক্লে। খুৎলৈ থুবা রোমেনা মখুত্তগী তা অদু শাফু কন্না লংখিদুনা জীবম্না হুল্লকপা ভাগী মচিনমক্তা থেংজিন্দুনা 'কাং' লাওনা অনিমক লৈমাইদা তাখি। রোমেগী

তা খুৎছন অদু উবদা জীবন নিংথিনা ঙকখি। লোয়ননা নুমিৎ অদুগী চাংয়েং লোয়শিনখ্রে।

রোমেনা, "ওঝাগী মফমদা ননাইনা করম্বা মখলগী দক্ষিনা তৌজৌ হায়বগে···· ?" হায়না হংবদা জীবননা খুমখি, "রোমে ঐদি শেল পামদে। ঐনা পাম্বা অমখক্তংদি লৈ। নংনা য়ার-বদি ঐ পুমপেন পেঞ্জরনি।"

য়েংঙোই রোমে-- ঐ অসি মতম অমদা ডাকুশিংগী লিডর ওইরম্বনি। মতম অদুদা অতোপ্পা ডাকু পার্টি অমনা ইথক্তা শিংলকখি, মাইথিদুনা ঐ নীংবা কায়খি। ঐনা মাইথিবা ফং-খিবা ডাকু অদুশু হৌজিক্কি ডাকুগী থবক থাদোকতুনা মাশু ঐগুম্না লারু-ফানবা তম্বীবা ওঝা অমা ওইনা লৈরি। চহি খুদিংগী ঐগী ছাত্রগা মাগী ছাত্রগা চেলেঞ্জ তৌনদুনক্তা লাকই। হৌখিবা ছাত্রশিং অদু নংগুম্না হৈ-শিংবা অমক্তা য়াওখিদে। অদুনা রোমে নংগা অমুক্তং চেলেঞ্জ তৌনৌ হায়ববু করি হায়বগে? নংগী ওঝাবু অমুক্তং মাই পাকহল্লুনে।"

"····ওঝা ইবুংঙোগী কৃপাদগী হোৎনজবা হায়বদুনি। থোই-দোক্পা হৈজদ্রবশু ওঝাগী কৃপাদগী মাই পাকপা ওইজগে। অদুগা করিগুম্বা চেলেঞ্জ অসি তৌনবা তারবদি ওঝানা ঐখোয় বাবাদা অমুক্তং হান্না নিংশিংবিগদ্রা···· ·· ?"

শোয়দ্রবানি রোমে, নংগী বাবাদা মাংজোননা খংহনদবা য়াদে। অদুগা চেলেঞ্জ অসিশু মণিপুর গভর্ণমেণ্টদগী পার্মিশন লৌরগা থেংনগদৌরিবনি। তরাই তরাই লোম্না থেংনগদবা

নত্তে। অদুনা ঙসিদগী পাঙ্গল হাপ্পনবা হোৎনগদবনি। চেলেঞ্জ অদুনা থা অহুমগী তুংদা থেংনগদবনি।

"-অদুগনে ওঝা ঐগীশু ৱাশক অমা লৈ। ৱাশক অদু হায়ৱিবা চেলেঞ্জ অসি হেক লোইবগা পাংথোকচগে। ঐগী কাকা অমরনু হাংখিবগী লমন— ৱমেশপু ঐনা শোয়দনা হাৎকনি। ঐগী লেংদ্রবা ৱাশক্নি। ওঝা ইবুংঙোনা ঐগী ৱাশকপু নমথগে খন্নিগন্নুকো—।"

"--ফৱে, নংনা নিংজবা পূন্নমক মাই পাকপা ওইসনু। অদুদি আসোমদা চেলেঞ্জগী ৱারোন ইদুনা পিথ্রগে—।"

চিঠিগী মায়োল হেক ফংবদা খাক্না খাক্না নোক্লদুনা মাধবনা হায়খি, "জীবন নংনা কয়া তম্বীদুনশু এৈনা তম্বাবা ছাত্রদগী হেম্বা শুকঙম ঙমলরোইদবনি। হন্না হন্না মাইথিবা ফংগ্রবা ফাওবদা ঙসিশু অমুক মাইথিগে হায়দুনা এৈঙোন্দা চংলক্লি।" মাগী হৈ-শিংলবা ছাত্র মনিবু চেলেঞ্জ অদুগী-দমক হকচাং শেমদুনা মঙম ঙাইবা হৌরক্লে।

নিংথৌকাবা নুমিৎনি। রোমে কলেজ তম্না লাকই। লমখাংদা মমান্নবা ছাত্র মঙাক্না ঙাইদুনা লৈরম্মী। অমনা, "ভাই রোমে, নহাকপু ফুনবা তমলি হায়না তায়না। কয়া য়াম্না হৈবীরবগে— ?"

– "ময়াম্না পংহায় হায়নবা ওইরিনি ভাই গোপাল।" অমনা তুংলোমদগী চৈতুপ্না মকোক্তা হায়থরকই। থা ৪/৫ ফুনা-থিন্না তমলুবদগী নুংগুম কল্লবা রোমেগী কোক অদু থুগাইবা ঙমদ্রে। অদুবু ঙাইহাক মকোক ঙাওদুনা লৈ। ফুক হৌগৎলগা পোজ শেমদুনা মখোয় মঙাগা চেলেঞ্জ তৌবা হৌরক্লে। চৈতুপকা চৈতুপকা হোৎচিল্লক্লুনা রোমেগী মথক্তা হায়থরক্লে। খুৎলৈ

থুনা চোংথোকখিদুনা অমদগী চৈতুপ মুল্লগা নময়াংগী য়াংলেন শরূ মপাদা অমুক্তং থোগন তৌবদা 'পোক' লাওনা তেক্কুনা রাম্ভখরে। লেমহৌরিবা মথোয় মরিনা রোমেবু কোয়শিনখ্রে। অরাপ্পদগী ইন্সপেক্টর ওকেম্মা মতৌ অদু উবদগী য়াম্না থুনা মফম অদুদা চংশিনখি। মী মরি অদুনা চপ মান্নবা অমুক্তং হায়থরকই। খোংলৈ থুনা রোমেনা অমগী খোং কারক্তা লিৎ-শিনখিদুনা নুপা অদুবু চৈফু মরক্তা কাওশিনখ্রে। অতোপ্পা অহুমদুগী চৈফুনা নুপা অদু রাম্ভহনখ্রে। ওকেম্মা নকশিল্লকপদা উরে, রোমে মথন্তুগা মী অহুমগা ফুনরি। মচাগী মথৌনা য়েংগে হায়দুনা মরুম অমদা লৈশিন্দুনা লৈরে। ময়াম্না হায়-থরকপা চৈফু অয়াম্বা রোমেনা ইরাই লায়না ঙাকথোকখ্রে। অমনম ওইনা রোমেনা শাফু কন্না কন্না মকোক মপাদা থোল্লক-পদা মকোক কায়দুনা ঈনা পুমঙাং ঙাংবা য়াওনরে। মথোয় মঙাবু মতৌ অশুম্না রোমেনা ইকোম কোম্না ফুবিরে। ফুনবা লোইরবদা ওকেম্মা চংশিল্লক্কুনা মচাদা হংই, "রোমে, কৈনো নংনা তৌরি-শিদি ?" "ঐনা কলেজদা চৎপা মতমদা মথোয় মঙানা ঐবু ঙাইদুনা লৈরম্মী অদুগা খংহৌদনা তুংদগী চৈতুপ্পা ঐঙোন্দা লোম্না ফুবা হৌরকই। ইফোং ফোংনা মাংদা চোংথোকতুনা চেলেঞ্জ তৌরকপা থোক্লমলবদি বাবানা নচাগী থৌনা খংলম-গদবনি--।"

"বাবাশু ঙসাইদগী য়েংদুনা লৈরিবনি। ইচাগী থৌনা তশেং তশেংনা মিৎমক্না উরবনিনে রোমে—।"

অমনা য়াম্না ৱানা হৌগৎলগা ওকেনগী মখোং পায়দুনা হায়জরে, "ঐখোয়বু ঙাকপিয়ু। ঐখোয়না ফুগে হায়না তৌজরুবা নত্তে। অদুবু রমেশ বাবুনা ইনশিন্দুনা থবক অসি তৌরুবনি। ঐখোয়বু ঙাকপিয়ু ইন্সপেক্টর। রোমেনা রমেশকী মথক্তা লমন খুমগনি তাবদগী মাবু হাত্তোক্রবা রমেশনা ঐখোয়দা নমদুনা তৌহনবনি। স্যার ঐখোয়বু ঙাকপিয়ু।"

হায়রক্লিবা ৱাহৈ অদুদগী রোমে অমদি ওকেন ভাব তারে। ওকেন্না নহালমখৈ নেমথদুনা লৈকুরবস্থু ঙসিদি রমেশপু মচানা খুদক্তা লোইশিনহন্বা ফাওবা পামলে। অশেংবমক থোক্লিবা থৌদোক অদুনা রমেশকী মপুন্সি খরা হেন্না অমুক তেনশিনহনগদৌরি।

মচাগী হৈ-শিংবা, কিবা লৈতবা মথৌনা অদুমক্তা জাবন্না হায়জবা পুম্বা হরাও হরাও য়াবিরে। মচাগীদমক হকচাং ফননবা হায়দুনা মখল কয়াগী চিঞ্জাক, ভিটামিন পিজবা হৌরক্লে। নোংমা নোংমগী রোমেগী হকচাং অদু য়েংবা নুংঙাইরক্লে। হান্নলা খরা চাও শাংবা মী ওইবনা মনুংগী শাদোংনা মপুং ফারক্লবদা ওন্থোক্লা ফজরে। মনাক্তা চৎকদবা কিনরে।

খবর চেগী অহানবা চেনাদা চাওনা চাওনা ইরি—

"Three days' open Challange Great Fighting"

On 10th 15th and 20th October.

Fighters – Romeh & Mani
Teachers - Jiban & Madhob

Place – Pollo Ground. Time— 1 p.m to 4 p m.
Ticket price— Rs. 3 ; 5 ; and 10 only.

এডভান্স বুকিং— ষ্টেট মিউজিয়ম।

পোলোগ্রাউণ্ডগী অকোয়বা মাইকৈ মরিমক, ময়ামগী চংফম গেট অহুম নত্তুনা অতৈদি লোইনা থাজিল্লি। ময়াইমক্তা মরাক ময়ুং চপ মান্নমা, স্কার গজ ৩০ পাক্কা লৈবাক. লৈঙোই থোন-গত্তুনা থম্লে। অদুক পাক চাওথ্রবা পোলোগ্রাউণ্ড অদুগী মথক শিনথুংনা জিজ্যনা কুপশিল্লে। ইলেকত্রিক ফিটরশিংন্না রায়ার অমগা অমগা কনেকসন তৌদুনা হোল মন্নুং অদু দিম লাইতনা

পুমঙাল ঙাল্লে। লুপা মচুগী মঙালনা মনুং অহু অঙকপা ফংনা নিংথিজরে।

টিকেট য়োনবদা হুমাং কাংলবা নুপা অদু চা গ্লাস অমা ফাওবা থক্লবা মতম লৈত্রে। ষ্টেট মিউজিয়ম মীনা পিক থনখ্রে। হয়েং উৎকদবা শোগীদমক অঙকপা ফংনা টিকেট কল্লখ্রে। অদুক চিম্বা মরক অদুদা তুপী নিংথিনা উপ্তুবা নিপা ২/৩ চং-লক্তুনা মীয়াম অদুবু ইম্বোল্লগা য়োল্লিবা টিকেটকী তঙ্খাই অমা মখোয়না লৈদুনা পুথোরক্লে। অদুগা শেন্দোং দবল দবল ফংদুনা য়োনবা হৌরক্লে। ব্লেক মার্কেট শান্নবশিংদো হন্দক্কী মতাং অসিদা শোয়দনা ইনাক খুলহৌগদৌরি। মিহৌচাওবা পুলিসনা মখোয়বু মীমাংদগী ফাদুনা পুথোকখ্রে। লৌশিং লৈবা শেল হুরানবা ব্লেকশিং অদুনা পানামা, গোল্ড ফ্রেগ পিথক্তুনা পুলিস অদুবু থাদোকখ্রে। ব্লেক শান্নবশিং অদুগা পুলিস অদুগা য়ানদুনা অমুক টিকেট য়োম্বা হৌরক্লে। টিকেট লিশিং লিশিং অদু খংহৌদনা লোইখি। অয়ুক্কী পুং ১০ দা হাওস ফুল ওই-থোকখ্রে। অরোইবা ফাইটিং ফাওবগী টিকেট লোইথোকখ্রে। শো অহুম অদুদা পুন্না লুপা লাক্ক অনি মথাইরোম তারে। হায়রিবা শেল অদু মণিপুর গভর্ণমেণ্টকী মখুত্তা শিন্নগদৌরিবনি। অদুগা সরকারনা ব্রিম্নর অদুদা পুপা ৫০,০০০, ফেলর ওইবাঁ অদুদনা লুপা ২০,০০০, তম্বীবা ঙঝাশিংদগু লুপা লিশিং তরা তরা পুন্না লিশিং ৯০,০০০ প্রাইজ ওইনা য়েম্থোক্কদৌরি।

মুমিদাংব্রাইরম পুং ১দগী চেলেঞ্জ অহু হোৌগদবনি। অদুবু পুং ১১ দগী হৌনা পোলোগ্রাউণ্ড মীনা পিক থনখ্রে। পুং ১ তাবা ফাওবা ঙাইনদুনা লৈরে। পুং ১১ দগী বারো, বারোদগী বারো পুখায় তাশিনখ্রে। পুং অমা তাগদবা মিনিট ১০ মুক্তা ঙাইশিল্লক্রে। মতম অদুদা অহাংবা মেনশিনবা ওইনা আসাম রাইফলগী বেণ্ড পাটিনা ময়াম্বু রেল কম তৌরি। য়ৈরম্বা ঢণ লেপখ্রে. খোংলম্বা যন্ত্র খোংখিদ্রে। হোল মমুংদা এনাওন্সব অমনা মাইক্তা লাওবি, "ময়ামগীদমক লৈজরে হৌজিকমক গ্রেট ফাইটিং ওপন চেলেঞ্জ— রোমে অমসুং মনি; টিচরশ— জীবন অমসুং মাধব।" লাওথোক্লিবৈঙদা মশা মউ ফরবা নহা অনি ময়াম মমাংদা লেংথোরক্লে। মখোয় অনিগী শাওং শাদা অদুখক্তা উবদা পেন্নরে করম্বনা ঙমগনি লেপ্লা ঙম্নদ্রে। শক্তু চুদশু মখোয় অনিনক মপা লৈতনা নিংথিজে। অহাম্বমক্তদা মখোয় অনি অমনা মখা অমনা অরাং ওন্দুনা হেন্দ শেক হেৈনৈ। অদুগা ময়ামগী মমাংদা লু হায়ফেত্তং লুক্লা থুকমজৈ। ময়ামগী খুবাক মখোলনা হোল মনুং অদু পুমনিল নিনখ্রে। অমুকশু লাও-থোক্লি, "মখারোমদা ওল্লিবা অসিনা ওপন চেলেঞ্জর মিষ্টর রোমে অদুগা অরাংলোমদা ওল্লিবা অসিনা গ্রেট ফাইটর মিষ্টর মনি য়েংবিরো— হৌজরে ফাইটিং—" শাংলবা হুইশেল [রিক্রি] অমা কল্লা খোংলকই।

মখোয় অনিমক ফন ফন চোংখোরদুনা হকচাগী খিজম শেম্নৈ। মশা মশাদগী চোংথোক্লকপা মসলনা মশাগী মপাম্বোংগী

অশেংবা শক্তম অদু কুপশিনখ্রে। ঙসিগী চেলেঞ্জ অসিদি খুৎ-লাই পায়নবা য়াদে, মশা মশাতা থেংনগদবনি। মখ্বাং কোম্তক কোম্বক তৌনা ঙাইহাক উরুক লৈদুনা অমনা অমগী অশোয়বা য়েংদুনা লৈনৈ। খংহৌদনা মনিনা চোংশিল্লক্তুনা য়োমেগী মথাদা কাওখ্রে। য়োমে পন্থদে, ফুক হৌগৎতুনা মনিগী মমাইদা অকম্বা খুৎথিন অমা লাপ্থোকখি। মনিনা বোমেগী য়েৎথংবা খুৎ ফাখ্রে। তুংলোমদা পুখিদুনা মখুৎ লৈথেকপা হৌরক্লে। হৈ শিংলবা য়োমেগী ওইথংবা খুৎনা মনিগী মঙকশমদা পায়রগা অমুক্তং লৈরগা হুল্লকপবু মনিদো মওং খিত্তং শোয়না লৈমাইদা বম লাওনা তারকই। অদুবু পন্থদে, ফুগ কৌগত্তুনা য়োমেগী মথাদা অকম্বা 'য়ো' অমা পাইশিল্লকখি। মনিনা য়োমেগী নময়াংদা নোৎ নোত্তুনা কাওথুরে। য়োমেনা অমুক মনিগী মথাদা লৈজবমখৈ পুথোক্তুনা কাওরে। মখোয় অনিমক লোংনা লোংনা তাই। ফুক ফুক হৌগৎনৈ। মনিনা য়োমেগী মমাইদা অকনবা 'ফিস্ট' অমনা খিল্লকই। অদুবু য়োমেনা ইরাই লাইনা মখুৎ ফারদুনা মরেং-বান্দা থম্লগা মনিগী য়েৎথংবা খুদাং থুদেক্কে হোৎনরুই। মনিগী নুংগুম কল্লবা খোংপাক অদুনা অমুক্তং য়োমেগী খুরাইদা নেৎথ-রকপবু য়োমে খাংবা ঙমদ্রমাল্লে থুদেক্কে হোৎনরম্বা খুৎ অদু থাদোকখ্রে। চোংখৎখিদুনা য়োমেগী লেংবান্দা ফমথখ্রে। ফৈরুনা চপতুনা য়োমেবু ঙাইহাক শ্বর খিংহল্লি। য়োমেনা মনিগী মঙকশম পায়রগা অমুক্তং লংলকপদা ফনা থাপ্লা পোপ লাওনা তাই। মনিনা চেনশিনখিদুনা য়োমে তম্না চোংশিনখ্রে। মৈকৈগী

হৈনবী মুক্লা শান্নরক্লে। মনিনা লোংগ্রৌ তৌদুনা রোমেবু লংথরে। অদুগা রোমেগী মথক্তা চোংথৎখিদুনা লোংনা নমদুনা থল্লে। ময়াম্না লাওনরকই, "ইস ! রোমে তুগ্রে, রোমে তুগ্রে।" ময়ামগী মীরাওখোল লোইদ্রিবৈ রোমেনা মনিবু মখোংনা কোৎতুনা হুন্দোক্লক্লে। ফুগ হৌগৎলগা মনিগী মখোং নাম্মবু মখুৎ অনিনা মখোং অমদুবুনা মখোং অনিনা নমথদুনা থল্লে। রোমেনা মনিগী মখোং লৈথেকগ্রে। "অহ ! মনিগী মখোং তেকপা তারে, তেক্লে তেক্লে" ময়াম্না লাওরকই। খংহৌদে মনিদো হৌজিক্তা মথা থংলম্বনি অদুবু মখোয় অনি হৌগৎতুনা মখুৎকা মখুৎকা মুক্লদুনা লৈরল্লে। মখোয় অনি ঙম্নদনা অকনবা লাম্নেং অদু খংহৌদনা লোইশিনগ্রে।

মথংগী মুমিৎনি। রোমে অমদি মনি মখুত্তা থাংশাং অমমম পাইদুনা মীয়াম মমাংদা থোক্লক্লে। মীয়ামগী খোজেম্না হোল অদু পোকখাইগদৌরে। মখোয় অনিনা চপ মান্নবা থাং অনিদু 'কাং-কাং' অনি অহুমলক হায়নরগা তিল্লিবা মীয়াম সভা অদুদা ব্যাবহার উৎপা ওইনা হায়ফেত্তুং নোম্নজৈ। খুবাক প্রোক প্রোক খুনৈ। "এ .... এ .... চোংশিনগ্রে। নত্তেনে, মনিগী খুৎহায় অসি য়েংউনে। ইস ! ইস ! রোমেগী থাংহায় অসিদি।"

রোমেগী থাংহায় উবদা থোইদোক্লা পেঙ্গরবা জীবননি। শোয়দনমক মাই পাক্লনি হায়বসে জীবনগী রাখল্লি। মনিনা হায়রকপা থাং কয়া রোমেনা লাইনা ঙাকথোক্লে। অদুগা রোমেনা থিল্লকপা থাং অদুশু মনিনা ইরাই লায়না খত্তোক্লি।

মতম লোইগদবশু পুংখাইমুক্তা ভাইরক্লবদা হান্নদগী হৌজিক্লা হেন্নদুম কনশিল্লক্রে। মশা মশাদগী ঈ মরিক -রিক থোক্লরে। মনিনা রোমেগী পাম্বোমদা ঙন। য়াম্না য়াংখায়রে। অকিবা লৈত্তনা রোমেনা শং শং হায়রকপদা মনি খাংবা খরা বানা থোক্লে। মনিনা অমুক্তং হায়রকপদা রোমেনা অনিরক নোংখ্রে। মনিগী মবুক মপামক্তা রোমেগী থাং মতোম্না পাইশিনখিত্রনা ইঙ্কি অনিরোম লুনা চংলে। শংলোকপগা অমুক হায়গংলক্তুনা মনিগী মঙকশমদা ফনা থিনা য়ানথংলে। মীয়াম্না 'তোক্লো তোক্লো' হায়না লাওনরক্লে। মনিগী দশা অদু উবদা মাথব ফম্বা ঙমদ্রে। মচিনমক্লা লাওরক্লে, "খুংহায় থুজিল্লু মনি— থিল্লু চোংশিন্দুনা মথামক্তা— ।" ওঝাগী দয়া ফংলবদা মনিগী মপাক্কল হাপকংখ্রে। অশোকপা কয়াবু কাওথোকলগা থাংগা জগোই তৌরকই। মনিগী থাং মতোম্না রোমেগী ফৈগন্দা য়াং-খায়খ্রে। জীবন চোংথোক্তুনা লাওরক্লে, "রোমে কিগনু, নিং-হম্নবা তৌগনু — মশানা মায়থিরে হায়না চেপ্রিবমখৈ লেপ্লা য়াদে, নখোং খোংথাং থুজিল্লু, নখুং-নশা থুনা তৌ— ।" রোমেনা অমুক্তং শং শং হায়রকপবু ওন্থোক্লশু ফঙ্দা। মখোয় অনি অথুবা লান তৌনরক্লে। মশা মউ পুন্নমক থাংনা পুংয়োম য়োমখরে। হুং হুং লৈ লৈদুনা থাংগী লান থেংনরি। ও! অকনবা লাম্থেং য়ৌরক্লবদা মনি খাংবা য়াদরে। মখুত্তা পাইজ-রিবা থাং অদু রোমেনা কোংতুনা লংথোকখ্রে। রোমেনা চোংশিল্লক্তুনা মনিগী চরম মপাদা থাং মতোম্না নম্নদুনা থম্রে।

গতি লৈত্রবা মনিদো মাইথিরে হায়না মখুৎ অনিমক থাঙ্গৎচবা নত্তনা উপায় লৈখিদ্রে।

অতুক থিনা শোক্লবা ফাওবদা মশাদা অকিবা হায়বদো করি অমত্তা লৈনদ্রে। শিবদগী চোপ্লা, ইকাইবনা হেন্না শাথি-বগুম খন্নরে। মাইথিগদবগী শরুকপুদি শিখিবনা হেন্না কৈ খন্নরবা মীওই ঙাক ওইনা তৌই।

ঙসিনা অরোইবা লাম্লেংনবনি। মখোয় অনিগী শক্তম্ব উবদা পেন্নদনা য়াওদে। ময়াম মমাংদা তা অনি থেংনবগী মখোন তাহনবগা লোয়ননা খুরুমজৈ। পম্বুবা তৌদনা লান থেংনবা হৌরক্লে। মনিনা থিল্লকপা রোমেনা ঙাকথোকলে। রোমেনা থিল্লকপা মনিনা ঙাকথোকলে। অমনা অমদা থিল্লকপা তা অদু খৎ খৎ খত্তোক্লরে। তাজিনগা তাজিনগা, তাকোক্না তাকোক্না ক্রেং ক্রেং, কোক কোক থেংনৈ। থুনা হোৎচিন্নৈ, হন্দোকনৈ। ফন চোংশিল্লি, ফৎ হন্দোকই। মখোয় অনিগী চোংথোক চোংশিন, লৈথোক লৈশিন তৌবা অদুতবু উবদা য়েংলিবা ভাবক ময়াম অদু পেন্নরে। ঙসিনা মখোয় অনিগী অরোইবা নুমিৎনি। নুমিৎ হুন্নি থেংনরকপা চেলেঞ্জ অদুগী লাইবক লেপ্নগদৌরিবনি। অমনা অমবু খজিক্তুং ফাওবা হেনজিন্নবা ঙম্নদ্রে। রোমেনা মশা খিঙুং কোমথোক্লকপা অদু উবদা মনিনা রোমেগী মবুক তম্না থৌরবা তা অদু ইনশিল্লক্লে। খথবা নং-হৌত্রমাল্লে রোমেগী মবুক মতাইদগী মনিগী তাজিন্না ইঙ্কি অমরোম থানা শাদোং ফকগ্রে। মনাইগী এতেক্ত অদুদা খম্মোই পেনজরহুনা

মাধবনা খুবাক প্রোক প্রোক খুজৈ। মনিনা শাদোং খরা কোথোকখিবা অদুদা রোমে কা হেন্না শাওরকলে। খুৎলৈ থুনা মনিগী হকচাংদা চক চক খিল্লকলে। অথুবা খুৎথিন অদুদা মনিনা রোমেগী তা ডাকথোকপা নত্তনা রোমেদা মাগী তানা থিন্নবা চান্স শুককং ফংখিদ্রে। খুৎলৈ থুবা রোমেগী খুৎথিন অদুদা মনি খরা ব্রারে। রোমেদি কুইর কুইরগা মপাঙ্গল হেনগৎলকলে। 'ইহে মনিগী খুত্তুগী তা অদু রোমেনা কোক্তুনা লংথোকপ্রে, ইস। শিবা তারে মনি—' ময়াম্না লাওনরকই। চোংথোক্তুনা তা অদু খুনগদবগী মনিনা চেনশিনজৈ। রোমেনা খুদক্তা চোংশিনখিদুনা খুনগে হোৎনরিবা তা অদুবু পায়রগা থুকউনা মতেক অনি থোক্লা থুদেক্লে। অদুগা চো'খৎতুনা মনিগী মথাদা অহুম মরিরক কাওখ্রে। মনি জ্ঞান তাদ্রদুনা লৈমাইদা হাইখরক্লে। গতি লৈত্রবা মাধব ব্রাখলনা ফুম্বংনখ্রে। খুদক্তা ডাক্তর চেনশিল্লক্তুনা মনিবু লাইকম্বরে। মতৌ অশুম্না মুমিৎ হুম্নিগী লাল অদু রোমেনা জয় ওইদুনা লোইশিনখি। মণিপুরগী লেপ্তনেন্টনা মতিক চাবা মনা অদু য়েন্থোকখি। লোয়ননা জীবন অমদি রোমেবু স্পিসিয়েল ব্রিম্নরগী তোপ তোপ্পা প্রাইজশু পিবিখি।

নিংজবা আশা থুংলবদা জীবন হায়নঙাই লৈতনা পেঞ্জরম্মী। লোয়ননা রোমেসু ওঝাদগী বিদায় লৌজরগা ময়ুমদা হল্লক্লে। রোমেনা জয় ওইখ্রে তাবদা রমেশ বাবু মিপাইরে। ময়ুমদগী মপান থোকখিদ্রে। অদুগা মতম লৈবা খিবিক্তা মশাদা মরূ

য়াওবা রিভোলবর অমদি শুকথা থাদ্রে। মানা খংই মহুদি রোমে শোয়দনা মাগী মা'দা লাকখিনি। থাঙ্গেশেংবমক রোমেগী রাশক্তি চপ চানা লমন খুম্বা অসিনি। রোমেনা রমেশপু লোম্না হাৎকে খন্দে। "রমেশনা ঙম্লবদি ঐবু হাত্তোকখিসনু, ঐনা ঙম্বা থোক্রগা রমেশপু শোয়দনা হাৎকনি" হায়না চপ লেপ্না খনগ্রবা রোমেনি। মাগী রাখল— থবক্না শোয়দনা উৎলরনি।

ইরাই পুমিৎনি। চন্দ্রশেখর অচৌ-অশাংময়ামগী পাটি য়াওবা চৎখি। রমেশ মথন্তা কা মনুদা খবর অমা পাঃনা লৈ। লাইশং মনুংদা পুরোহিত অমনা অঙাং অমবু বলি তৌরগা লাইশং মমাংদা ফুমদুনা লৈরম্বগী পাও পারুরগা রমেশ শ্বাই লাওই। অদুগা মচিন মনাওনা মপাবু হাৎলম্বগী মপুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈহনবগী পাওশু কিদবা ঙমদে। অদুবু মশা মশাগী কান্নগদববু লৈরবদি মী অমনা অতোপ্পা অমবু হাত্তোকপদা করি অমত্তা চিংনদ্রে। মমাংঙৈদা চৎনরম্বা ফাঁসি হায়বদো লৈরম্লবদি কনানশু মী অমবু হাৎকে খল্লমলোইদবনি। মী হাৎপগী চপ চাবা দণ্ডিদি ময়াম মমাংদা মশা ফাসি তৌদুনা হাত্তোকপা অদুতনা ওইগদবনি। অদুবু ঙসিদি অসিগুম্বা দণ্ডি অসি কনমল্লি হায়দুনা ককথৎখ্রে, মী হাৎপদা হালেংবা লৈনদ্রে। রমেশনা অশুম অশুম পাথরকপদা ফোটো অমা য়াওরমলে। ফোটো অদুগী মখামক্তা "রোমেনা থ্রি দেজ' ওপন চেলেঞ্জ রিনর ওইরে" হায়না চাওনা ইরি। রমেশচন্দ্র শাওনিংবা

অমদি কিবনা মশা অদু থক থক নিকখ্রে। অদুক য়াম্না মথৌনা লৈরম্বা রমেশচন্দ্রদো ঙসিদি রোমেগী মমিংতা ভাবদা মশাদা চিংনবা ফাওরক্লে। মিহুন তিং তিং চোংলকই।

ভাঙ্গা অদুদা মপান্দগী কনানো অমনা 'নোক' তৌবগী মখোল 'কোক কোক' লাওবা তারি। রমেশনা, "য়েশ লেং-শিনবীরকউ।" হন্না য়েংথোকখিবদা রোমেগী খারবা মিৎয়েং অদু উরে। রমেশ বাবু তু খ্যাও চুংই। হান্নবা ভয়ারা তৌদুনা থন্নবা রিভোলবর অদু শত্তোক্কুনা রোমে তম্না কাপ্লক্লে। চোং-থোকপা নংহৌদদুনা গুলিনা রোমেগী ওইথংবা খুদাংদা পানখ্রে। চৈনা অদুনা রোমেগী মশাদা চংবা ঙম্বগী রা লৈত্রে। অদুদগা কয়া হেল্লবা লানফমদগী মায় পাক্লক্লবা রোমেগী মফমদা গুলা মচা অমনা রোমেবু কিহনগনি খল্লুবা অরানবনি। রোমে কা হেন্না শাওরক্লে। মরুমদগী লাওরকই, "রমেশ, নংনা ঙম্নগা ঐবু হাৎচখো— অদুগা ঐনা ঙম্বা থোক্লবাদ নগী শরূ-শয়াং লোইনা খুদেক্কদবনি খংলব্রা....? কৈদৌনা অরোনবা খুৎলাই শিজিন্নরি....? ফোংনা চোংথোকউনা.... নতিকশু লৈতনা গুলী-নবু মী হাৎপা য়াব্রা?"

রমেশনা ফম্নম্বদগী হৌগৎতুনা মরুমদা লৈশিন্দুনা লৈরিবা রোমেবু রিভোলবরনা কাপ্লক্লে। রোমেনা চোংথোকখিবদগী পাম্বা ঙমহৌদ্রে। মনাকমক্তগী টেবল অদু পায়রগা রমেশ তম্না লংশিনখ্রে। টেবলনা থাবনা রমেশকী খুত্তগী রিভোলবর ভাখ্রে।

খুনগে হায়না নোম্বজৈ। অদুবু খংহৌদনা চোংশিল্লক্কুনা রিভোল-বর অদু রোমেনা কাওথোকখ্রে। রোমেনা রমেশপু অমুক্তং কাওরকপদা মপান্থংবা কা অদু য়োই। খুদোং চাবা লৌদুনা রমেশনা কাগী থোং পুনা পানশিনলল্লগা মপানলোমদা চেন-থোকখ্রে। থোং অদু রোমেগী খুৎথিন অমুক্তা ফক্কায়দুনা তেক্লে। মানা মপানলোমদা চোংথোকলকপা মতমদা উরে, ফনা থাপ্না রমেশ চেল্লি। চেল্লিবা রমেশপু উবদা অশাওবগা লোয়ননা কপ্পা তান্নখ্রে। ফনা শাংনা চেল্লবা তুংদা রমেশ খুদি থিদুনা ফনা থিনা শিৎতুনা মমাই অও শাথিনা শোক্লে। অদুবু অমুক ফুগ হৌগৎতুনা চেনজৈ। মখোয় অনি তান্নখিবা উবদা লম্বীদা চৎলম্ব। ময়াম পুম্নমক ইণ্ডক ঙক্পা য়েংনহৌই। খরনা পুলিস টেসন্দা চৎতুনা পাও তমলুরে। খুদক্তা পুলিস কাংবু অমা লাক্লে।

মফম অদু লমহাংনি। নাপী শিংবিনা পিক থল্লি। উরী ঝারীনা য়োমশিল্লবা মোংশোঙ মচা মচাশু লৈ। রমেশ মোংশোঙ মরক্তা মাংখ্রে। রোমেনা হায়গাই হায়গাইদুনা রমেশপু থিরি। খংহৌদনা তুংলোমদগী রোমেগী মকোক্তা চৈনা কস্থরক্লে। রোমেনা হন্না য়েংখিবদা রমেশনা মত্তা চৈ অমা পায়রগা লেপ্লম্বদু উরে। মাগী খুৎফুদা করিমত্তা চৈনা ফাওদবা রোমেগী মতৌদা রমেশ ঙক্লা য়েংদুনা লৈ। অমুক্তা হায়থগে তৌরকপদা চৈ অদু রোমেনা ফাখ্রে। চৈ অদুবু মুল্লদুনা হন্না হন্না রমেশ তম্না হায়থরক্লে, চৈশু তেক্লে কান্নরোই হায়দুনা খুৎতুম্না কয়ারক

থিল্লে। তুথরকপদা থবাক্তা খুকউনা কয়ারক ওল্লহুনা কাওরে। অরোইবা ওইনা রোমেনা রমেশকী মথাদা শাফু কন্না অনি-রক্তং কাওবদা রমেশ বাবু 'ইক' লাওনা তুথখি। মচিনদগী ওথরকপা ঈনা মফি-মরোল পুমঙাং ঙাংলে। রোমেনা রমেশকা লুশমদা পায়রগা হায়রকই, "হা— নংগুম্বা ক্বাক হন্দবা নংনা কাকাগী থরাই লৌখিবা শারি। হি— লোন্না হাৎপদদি থোনা ফবা অদুগা মাই মাই ওনশিন্নরবা মতমদনা চেনবা .. হা .. হা... হা....।

"—রোমে ঐবু ঙাকপিযু, ঐবু ঙাকপিযু।"

"—হায় হৌডিক ফাওবা হিংলিবোইনা। শা অসিগী মথরাই ফনবু কল্লিদনা। নংগুম্বা চন্দান, মীহাৎপা থওগদবগী শরুকপুদি হাপ্তোকপনা শরুক লাক্ষ হেন্না কৈ।" অসি হায়-রম্লগা রমেশকী 'নম্বর ফাইবকী ফুটবলমুক চাওবা মকোক' অদু মুংদগী হেন্না কল্লবা রোমেগী খোংপাক্লা নেৎখায়খ্রে।

রমেশ বাবু থাবা ঙমদ্রদুনা '....ওক ... ওক....' হায়রম্লগা তুমিন লৈখ্রে।

রোমেনা থাক্লা থাক্লা নোক্লহুনা রমেশকী হকচাং অদু বল কাওব[illegible] কাওদুনা শান্নরে।

[illegible] খোংখোখিবদা রোমেগী অকোয়বদা পুলিস ময়াম লেপ্তুনা লৈরম্লে। রোমে চেনফম লৈত্রে, চেনগে হায়নগু থনদে। চেম্বগী

দরকার লৈতে হায়দুনা রোমে পুলিস ময়ামগী ময়াইদা চপ লেপতুনা লৈরে। পুলিস ময়ামশু চংশিল্লক্লে। মাগী কাকাগী লমন খুম্নবসিদা রোমেনা পাম্বা অতৈ অমত্তা লৈত্রে। মশামক্তা মখুৎ তিংথোকচদুনা পুলিসকী য়োহিলং-কোলৌনা পুনশিনহনখ্রে। মমিত্তগী পিরাং শিন্থরদুনা কপ্পা কপ্পা হায়জরকই—

"কাকা, কাকাগী লমন
খুমজরে নচানা, অদুবু কদায়— ?
কদায়দনো কাকাগী মায়থোঙ ??
নচা পাঙ্গল চাওরক্লেনে কাকা—
নংনা হয়েং চাওরগা—
হায়রম্বদাইনে কাকা—
হায়য়ুনে কাকা, অমুক্তা খুম্মকউগবা।
য়েংউকো মিং পেন্না লাইরৈবাক্তগী
নোকউকো থম্মোই পেন্না লাইয়ামগা
পাংথোকচরে নচানা কাকাগী লমন—।
লৈরুরগে জেলদা মীহাৎলুবগী
রারবশু রাজসনু কাকাগীদমক।
চৎলেকো কাকা, ঐ চৎলেকো॥"

পুলিসকী গাড়ী অদু তপ্পা থৌখিদুনা জেলগী মাইকৈ পাংখরে। খবরগী মথক থংবা চেমাইদা "থ্রি দেজ' রিন্নর রোমে জেলদা—" হায়না চাওনা চাওনা ইরি—।

"—চৎলোকো রোমে, চৎলোকো—"

ইন্সপেক্টর ওকেন মিস্তগী পিগী থারা শিন্থরকখি। মচাবু মুন্না য়েংলগা চপ লেপতুনা নৈহৌই—

"অমর অমর— য়েংউনে নচাগী শক্তম,
কয়াদা ফজখ্রবনোসে ইয়াম্বগী অমর—
উদ্রবনে নচাবু .... ??"

লোয়রবা।

মথংগী লাইরিক অসিমক্তা তৈনজরে —
শাপী থাবালগী মুংশিরুবী অহুম্
মচন, অনৌবা থোক্লকপা ভেবা —

রিক্সা ড্রাইভর

[illegible]

অঙৌবা লাইবিরু থথং থথং —

জোন এফ, কেনেডি

[খাওজিনজোগী পুন্সি ৱারী]

অইবা :-- রাধেশ সঙ্গতি

মণিপুরিদা হন্দোকপা :— কে. ব্রজমোহন সিংহ

২। নোঙমাইনাই থরানখাবা

[তাম্বোই থক্সন খাংগী মরান ঈ.ৱ তৈজনা লম্বাই. কোইরেল 'গুজা মোংগী হইশা খাজুনা পুন্সি চেংজেল লোইশবী থুমন চক্ষু শম্বাবাগী থঙ্গোই কাম্বকবা তেংখাথোল।]

৩। পোইরৈবতোন খুম্বোকোন

অইবা :— এম, গৌরচন্দ্র মৈতৈ